गुरूर्गुरूतमो धाम
NCTE

মহৈ পোংবশঙ
MINISTRY OF
EDUCATION
सत्यमेव जयते

NATIONAL MISSION FOR
MENTORING

# জাতিগী মেন্তরিং মিসন
# (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং)

## ক্লবুক

Manipuri / মণিপুরী

**নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন**

জি-7, সেক্তর-10, দ্বারকা, ন্যু দিল্লি-110075

NMM

NATIONAL MISSION FOR MENTORING

*জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং – এন এম এম)গী লোগোসিনা অমগা অমগা শিনফমগী ওইনা চাওখৎপা পুবক্লবগীদমক তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপরোমদা তম্বগী থৌনা, ৱাখল খনবা অমসুং চাওখৎপদা শরুক য়ামিন্নবগী মতীংবু য়োকখৎলিবা মেন্তর অমসুং মেন্তীগী পূন্না তেংবাঙমিন্নরিবা এজেন্সি অমবু ফোঙদোকই। লোগো অসিদা, কোল্লা মচু অসিনা অচুম্বা লীচৎ, অফবখক্তমক উবা, থৌনা লৈবা, থৱায় য়াওবা অমসুং থৌজাল হৈববু ফোঙদোকই অদুগা হিগোক মচুসিনা লৌশিং, অচুম্বা চৎপা, মরম চাবা, অমসুং থৌদাং য়াববু ফোঙদোকই। অসিগুম্বা মতীক-ময়াইশিংসি মেন্তরিংগী থৌদাংদা তঙাইফদবনি।*

**Dharmendra Pradhan**
Hon'ble Education Minister
Skill Development and
Entrepreneurship
Government of India
Shastri Bhawan
New Delhi-110001

सत्यमेव जयते

**ধর্মেন্দ্র প্রধান**
ইকাইখুম্নরবা এজুকেসন মিনিস্তর
স্কিল দেভলপমেন্ত অমসুং
এন্ত্রপ্রিউনরশিপ
ভারত সরকার
শাস্ত্রি ভৱন
ন্যু দিল্লি -110001



## পাউজেল

নেস্নল এজুকেসন পোলিসি 2020 (এন ই পি 2020) না এজুকেশন সিস্তেমদা অহোংবা অমা পুরক্কুনা ওঝাশিংদা পাঙ্গল হাপতুনা মহৈরোই খূদিংমক্তা চপ মান্নবা অমসুং পূম্নমকপু কোনশিনবা মহৈ তম্বগী চূনবা ফিভম অমা শেমগৎনবগী মঙলান অমা মঙলি। অদুবু মঙলান অসিদি ওঝাশিংদা শক্তি পীবা হায়বা য়াম্না মরু ওইখ্রবা মচাক অমগা শাগোন্নদুনা লৈরি।

পোলিসি অসিনা ইরৈবাক অসিগী তুংলমচৎপু মায়ওন চুম্না পুবদা ওঝাশিংনা শরুক য়ারিবা মরুওইরবা থৌদাং অদুবু মশক খঙই। মীৎয়েং অসিগা চূশিন্ননা, জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং - এন এম এম)না ভারতকী স্কুলগী ওঝা পূম্নমক্তা মশাগী মগুন চাওখৎহন্নবগী পাঙ্গল হাপ্পবা অমসুং মখোয়গী তম্বীবগী থবকপু খুমাং চাওশিনহন্নবা অমসুং মখোয়গী শিনফম অসিদা পুল্লপকী ওইনা চাওখৎনবা মেন্তরশিংগী নেতৱার্ক অমা শেমগৎনবা পান্দম থল্লি। মিসন অসি চুম্নগী ঙাক্লৌ পীনবখক্তগী ওইনা নত্তে; মসিদি তূংদুনা লৈরিবা গুন অদুবু য়াকায়হনবনি। মেন্তরশিংগী চেকশিন্না অমদি খোঙফম চেৎনা হোৎনবসিগী মতেংনা, ওঝাশিংনা মখোয়গী হৈশিংবশিং অদু চাওখৎহনবা অমসুং হেন্না ফজহন্দুনা মহৈরোইশিংনা তোঙান-তোঙানবা হীরমদা তমশিনবগী মথৌ তারিবশিংবু ফংহন্নবা মখোয়গী হৈ-শিংবদুবু চাওখৎহনবা অমসুং শেংদোকপা ঙমগনি, অদুগা মখোয়গী পুন্সি মহিংনা মাঙলোমদা চঙশিন্নবগী ইনোৎ অমা পীগনি।

নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন (এন সি তি ই) না এন এম এম গী ব্লুবুক ইদুনা থল্লে। অসিগুম্বা মচা খায়রবা দোকুমেন্ত অসি পাউতাক অমসুং ঈ-পাউ পীরিবা লাইরিক অমা ওইবদা নত্তনা, মসিনা খ্বাইগী অথোইবা, ময়েক শেংলবা পান্দমশিং পীরিবা, কান্নরবা লাল্লোংশিংগী থৌরাং অমা ওইরিবনি, অমসুং ওঝা অমসুং মেন্তরশিংগী মথৌ পাংথোক্কবগী লমজিং-লমতাক্লিবা ৱারোলশিংনি। মসিনা ঐখোয়গী ওঝাশিংগীদমক, মখোয়গী মহৈরোইশিং য়োকখৎপগী মথৌ তারিবা 21 শুবা চহী চাগী হৈ-শিংবশিংবু পীনবা, ঙাইদুনা লৈরিবা, হোংলক্লিবা মালেম অসিদা হিংবখক্তা নত্তনা, মায়পাক্কা য়াকায়হন্নবগী থৌরাং তৌরিবা মীরোল অমা শেমগৎনবা নিংথিজনা শেম-শারবা ফ্রেমৱার্ক অমা পীরি।

ঐনা ঐগী থম্মোই শেংলবা থাগৎৱারোল অসি, অসিগুম্বা থৌরাং অমবু লমজিংবীবগীদমক এন সি তি ই দা পীনীংই। ঐনা চেৎনা থাজে মদুদি দোকুমেন্ত অসিনা ওঝাশিং অমসুং মেন্তরশিংবু তম্বীবা অমসুং তমশিনবদা খ্বাইগী অথোইবা ওইহনবদা লমজিংলদুনা, মখোয় অনীমক্কী কান্নরবা পুক্কে-লনগৈ অমা ওইগনি।

**ধর্মেন্দ্র প্রধান**



**অন্নপূর্ন দেবী**
ইকাইখুন্নরবা এজুকেসনগী
স্তেত মিনিস্তর
মহৈ পোংবশঙ (মিনিস্ত্রি ওফ
এজুকেশন)
ভারত সরকার

## পাউজেল

এন এম এম গী ক্লবুক অসি ইনৌ-নৌবা ৱাখল্লোন অমসুং খোঙথাংশিংগী খোঙ্গুল শেল্লদুনা, নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন (এন সি তি ই) না হীরম অসিদা পূক্লিং চঙনা শেমখিবনি। তোঙান-তোঙানবা শিনফমশিংদা মথৌ তৌরিবা মীশকশিংবু মেন্তর ওইনা শকখঙলগা, মেন্তী ওইনা থবক তৌরিবা ওঝাশিংগী ওইনা, জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং - এন এম এম)না এজুকেসন্দা অনৌবা য়াওলগী ওইবা খোঙথাং অমা থাংলক্লি। অনৌবা হোংলক্লিবা মেন্তর-মেন্তীগা পাউ ফাওনবগী থবকসিদা তেক্নোলোজিগী মতেংনা হেন্না খুমাং চাওশিনবা ওইনবা, মিসন অসিনা অমগা অমগগী শিনফমগী খুমাং চাওশিল্লক্লিবা অসিগী মশক লেপ্পদা ওঝাশিংগী মমল নাইদ্রবা থৌদাংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্মী। দোকুমেন্ত অসিনা, ওঝাশিংগী ওইনা হেন্না মপূং ওইবা মীৎয়েংদা শেম্বা প্রোগ্রাম অসি অনৌবা ৱাখল্লোন পীবদা হেন্না পাক-চাউনা থৌরাং তৌরি অমসুং মসিদা এন সি তি ই কাঙবুগী কথোকপদু মমি তারি।

ঐনা মখোয়না হোৎনরিবশিং অদুবু থাগৎলি অমসুং এজুকেতরশিংবু মতীক-মঙম পীনবা অমসুং ইরৈবাক্কী লৌশিং-জ্ঞান য়াকায়রবা এজুকেসনগী তুংলমচৎ অমা শেম্নবগীদমক এন এম এম দা আশা তৌরি।

মায় পাকপা ওইরসনু।

---



**সঞ্জয় কুমার আই এ এস**
সেক্রেতরি
স্কুল এজুকেসন অমসুং
লিতরেসিগী দিপার্তমেন্ত
মহৈ পোংবশঙ
(মিনিস্ত্রি ওফ এজুকেশন)
ভারত সরকার

## পাউজেল

নেস্নল এজুকেসন পোলিসি 2020 (এন ই পি 2020) না তাকপীবা-তমশিনবদা হোংদোক-হোংজিন য়াবা, নৌনা শেমগৎপা হৈবা অমসুং অনৌবা পুথোকপগী গুনবু য়োকখৎতুনা মগুন লৈবা এজুকেসন পুরকপদা মীৎয়েং থম্মী। জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং -এন এম এম) না ওজাশিংগীদমক প্রোফেস্নেলশিং অমসুং এক্সপার্টশিংদা প্লেতর্ফোমশিং পীরগা মদুদা মেন্তর অমা ওইনা মেন্তী ওইরিবা ওঝাশিংগা লোয়নননা মখোয়গী লৌশিং, হৈ-শিংবা অমসুং খঙ-হৈরিবা অদুগা শরুক য়ামিন্নবা অমসুং মেন্তীশিংনা মপূং ফারবা ওঝা অমা ওইরক্নবগী লম্বীদা মতেং পাংবা ঙমগনি। এন এম এম গী ক্লবুক অসিনা মেন্তরিং রাইতকী মতাংদা মেন্তরিংগী কন্সেপ অদুদগী মেন্তরিংগী প্রোগাম পাংথোকপা ফাওবশিংদুগী মরমদা পুল্লপ ওইনা খঙবা য়ারগনি।

ঐনা এন সি তি ই বু এন এম এম গী ক্লবুক্কী ৱাখল্লোন শাগৎপা অমসুং মাংলোমদা চঙশিনবদা অমগা অমগা তেংবাঙনবগী থবক অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

খ্বাইদগী য়াইফবা ওইরসনু।

## পাউজেল



**প্রোফ. য়োগেশ সিংহ**
চেয়রপর্সন, এন সি তি ই
ন্যু দিল্লি

এন ই পি 2020 না এজুকেসনগী আশাশিংবু ফংহনবদা হৈ-শিংলবা ওঝাশিংনা লৌরিবা মরুওইরবা থৌদাংদা মীৎয়েং থম্মী। মেন্তরিং তৌবা, লৈনরিবা মরীশিংগী মতীকপু মশক খঙবনা 21 শুবা চহী চাগী মথৌ তারিবশিংবু ফংহন্নবগীদমক এজুকেতর অমসুং লুচিংবশিংবু ঙাক্লৌ পী। জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং -এন এম এম) অসিনা মচা তানা শেমগৎলবা মেন্তরিংগী মরীশিংগী মতেংনা ইন্সতিত্যুসনগী ওইবা ঙাক্লৌ পীবদা কখোকই। এন এম এম গী ক্লবুক্লা ক্রিতিকল থিঙ্কিং অমসুং চূশিন্নহনববু পূক্লিং থৌগৎতুনা তুংলমচৎপু শেমগৎপদা ওঝাশিংদা মতীক-মঙম পী। ঐনা ওঝা পূন্নমক্কী মফমদা অসিগুম্বা মিসনসিদা থিং-থিং লাউনা য়াওশিল্লগা খুদোংচাবা অসিবু লৌবীহৌনবা তকশিঙ্গরি।

অসিগুম্বা দোকুমেন্তসিবু শেমগৎপদা মখোয়গী নমুনা ওইরিবা থবকশিংবু পাংথোকপগীদমক এন সি তি ই গী কাঙবুবু ঐনা থম্মোই শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ঐখোয় মশেল পূন্না থূৎশন্নরগা মেন্তরিংগী নাৎ অমা শেমগৎলসি অদুগা ঐখোয়গী স্কুলশিং অমসুং হেন্না পাক-চাউবা তম্বীবগী খুনাইবু ঙাক্লৌ পীদুনা শৌগৎলসি হায়বা ৱাফমসি থমজরি।

---

## পাউজেল



**কেসাং ৱাই. শেরপা**
**আই আর এস**
মেম্বর সেক্রেতরি
এন সি তি ই, ন্যু দিল্লি

ওঝাশিংবু নেস্নল এজুকেসন পোলিসি 2020 (এন ই পি 2020) গী য়ূম্ফম ওইনা মশক খঙলদুনা, এন সি তি ই না ওঝাশিংবু ঙাক্লৌ পীবদা অচৌবা য়াওল অমা ওইরিবা জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং - এন এম এম)বু পুথোরক্লি। তেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা, এন এম এম না লমগী অকক্লবা ঙমখৈশিংবু লাস্থোক্তুনা অমদি অমগা অমগগী মরক্তা লৈনরিবা অথিংবশিংবু নমথাইদুনা, অয়েৎ-অপন লৈত্রবা 'মেন্তর-মেন্তী'গী মরীশিংবু শেমগৎলক্লি। অসিগুম্বা দিজিতলগী থোং অসিনা মীশক অমগী মশাগী চপ চানা দরকার ওইবশিংদু য়াম্না নক্লা অমসুং অরেপ্পা লৈতনা মতেং পাংবা ঙমহল্লি। খঙ-হৈরবা প্রোফেস্নলশিংনা মেন্তর অমা ওইনা মেন্তীশিংগা ভর্চ্যুল ওইবা মওংদা থন্ন-নৈনদুনা অমদি অপূনবগী ওইনা অমগা অমগা মশেল তেংবাঙনবা প্লেতফোর্মশিংগী থুখাংদা মেন্তীশিংবু লমজিংলি। এন এম এম গী ক্লবুক্লা প্রোগ্রাম অসিদা মচা তারবা মপূং ফারবা মীৎয়েংশিং থল্লি।

ঐনা এন এম এম না ওঝাশিংবু মতীক লৈহনবদা অমসুং ভারতত্তা এজুকেসনগী মতীক-ময়াই চেল্লবা তুংলমচৎ শেমগৎপদা ঙাক্লৌ ওইরিবা হেন্না খঙ-হৈরবশিং, কখোক্লিবা এন সি তি ই গী কাঙবু অমসুং হীরমসিদা থৱাই য়াওবিবা মীশকশিং অমসুং লূপশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

## য়াওফম তাকপা


| | |
|---|---|
| **ৱামাং য়ানবা** | **I - V** |
| **য়াওফম তাকপা** | **VII** |
| **লাইয়েকশিংগী মমিং পরেং** | **X** |
| **তেবলশিংগী মমিং পরেং** | **X** |
| **অশুপ্পা ৱারোল** | **XI** |
| **পন্দুপ I: ভারত্তা এজুকেসন** | |
| 1.1. ভারত্তা এজুকেসনঃ হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং | 2 |
| 1.2. ওঝাশিংগী থৌদাং | 3 |
| 1.3. চয়েৎননা অমসুং নৌনা শীংনরক্লিবশিং | 4 |
| 1.4. মরী লৈনবা অমসুং ফিভম | 4 |
| 1.5. নেস্নল এজুকেসন পোলিসি (2020)দা মেন্তরিংগীদমক মীৎয়েং | 5 |
| 1.5.1. মহৈরোইশিংগীদমক | 5 |
| 1.5.2. ওঝাশিংগীদমক | 5 |
| 1.5.3. স্কুলগী লুচিংবশিংগীদমক | 5 |
| 1.5.4. এজুকেসনগী লুচিংবশিং অমসুং ইন্সতিত্যুসনশিংগীদমক | 6 |
| **পন্দুপ II: মেন্তরিংগী ৱাহৌদোক** | |
| 2.1 মেন্তরিংগী ৱাখল্লোন | 8 |
| 2.2 মেন্তরিংগী চৎন-পথাপশিং | 9 |
| 2.3 মেন্তরিংগা মরী লৈনবা লান্না থাজনবশিং | 10 |
| **পন্দুপ III: জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং)গী ৱাহৌদোক** | |
| 3.1. জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং)গী তঙাইফদবা | 12 |
| 3.2. মিসন অসি করম্না মায় পাক্কনি? | 12 |
| 3.3. মিসন অসিগী ওইরক্কনি হায়না থাজরিবা মহৈশিংদু করি করিনো? | 15 |
| **পন্দুপ IV: মেন্তরিংগী অয়েৎ-অপনশিংবু কোকহন্নবা পাম্বৈশিং** | |
| 4.1. মেন্তর থনবা | 18 |

4.1.1. মেন্তর থনবগী থৌওং 18

4.2. মেন্তরশিংগী শাগোন্নররক্লবা গুনশিং 18

4.3. মেন্তীশিংগী শাগোন্নররক্লবা গুনশিং 22

4.4. মেন্তরগী চাওখৎলকপা 23

4.4.1. মেন্তর ত্রেইনিং প্রোগ্রাম 23

*4.4.1.1.* মেন্তরিংগী য়ুম্ফম ওইরিবশিং (মরুওইরবা হৈ-শিংবশিং) 23

*4.4.1.2.* মেন্তরিংগী মখলশিং 24

4.4.2. মেন্তরশিংগী চত্থরক্লিবা শিনফমগী চাওখৎপা 27

4.5. মেন্তরিংনা কোল্লিবা লমশিং 27

4.6. মেন্তরিং ইন্তরেক্সন 30

**পন্দুপ V: মেন্তরিং প্রোগ্রামগী মচলশিং**

5.1. প্রোগ্রাম দিজাইন অমসুং প্লানিং 32

5.1.1. মেন্তরনা থুমাং চাওশিল্লকপা 32

5.2. প্রোগ্রাম মেনেজমন্ত 33

5.3. প্রোগ্রাম পাংথোকপগী থবকশিং 33

5.3.1. লৌরিবা থৌদাং অমসুং লৌগদবা দায়িত্বশিং 33

5.3.2. মেন্তরিং প্রোগ্রামগী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা তৌগদবা থবকশিং হৌদোক্লবগী ৱাফমশিং 34

5.4. প্রোগ্রামগী অফ-ফত্ত নৈনবা 36

5.5. ইন্সতিত্যুস্নেলাইজেসন 39

5.6. ইনসেন্তিভ পীবা 39

5.7. মেন্তরিং প্রোগ্রামশিংদা শীংনরক্লিবশিং 40

5.8. গ্রিভান্স রিদ্রেসল মেকানিজম 42

**পন্দুপ VI: জাতিগী মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর (নেম্নল মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর)**

6.1. ৱাহৌদোক 44

6.2. দিজাইন শেম্বগী চৎনরোলশিং (দিজাইন প্রিন্সিপলশিং) 44

6.3. মেন্তর-মেন্তী ৱা তাথোক-তাশিন ঙমহনবা 46

6.4. তেক্নোলোজিগী মচলশিং 47

6.5. য়ুনিফাইদ মেন্তরিং ইন্তরফেস 48

6.5.1. ফাইলদগী দেতা/ঈ-পাউ থিবা (দিস্কভরেবিলিতি) 48

6.5.2. থাজবা 48

6.6. অপূনবা মেন্তরিং নেতৱার্ক 48

6.7. দিজিতেল প্লেতফোর্ম শেম্বগী নিয়ম অমসুং পোলিসি 49

**পন্দুপ VII: খোঙচৎ অমসুং মাংলোমদা চঙশিনবা**

7.1. এন এম এম গী খোঙচৎ 52

7.2. মাংলোমদা চঙশিনবা 52

**মরী লৈননা পল্লিবশিং (রিফরেন্সশিং)** 54

**চেনপশিং (এনেক্সরশিং)** 55

চেনপ- I 56

চেনপ- II 59

চেনপ- III 61

চেনপ- IV 62

## লাইয়েকশিংগী মমিং পরেং


| | |
|---|---|
| লাইয়েক 1.1: ভারত্তা এজুকেসন | 2 |
| লাইয়েক 1.2: ওঝাগী থৌদাং | 3 |
| লাইয়েক 3.1: থৌ-পাংথোক্লিবশিং (এক্তরশিং)না অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনবা অমসুং য়ুনিত অমা ওইনা পন্থুংলোমদা থুমাং চাওশিল্লকপা | 13 |
| লাইয়েক 3.2: মেন্তরিংগী থৌ পাংথোক্লিবশিং (এক্তরশিং) | 14 |
| লাইয়েক 3.3: স্তেকহোলদরশিংগী মরক্তা ৱা তাথোক-তাশিনগী চৎন-পথাপশিং | 14 |
| লাইয়েক 3.4: মিসনগী মরুওইরবা থাকশিং | 15 |
| লাইয়েক 5.1: মেন্তরগী থুমাং চাওশিল্লকপা | 32 |
| লাইয়েক 5.2: মেন্তরিংগী অফ-ফত্ত নৈননবগী মেত্রিক্সশিং | 36 |
| লাইয়েক 6.1: জাতিগী মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর (নেস্নল মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর)গী দিজাইন তৌবগী চৎনরোলশিং (দিজাইন প্রিন্সিপলশিং) | 44 |
| লাইয়েক 6.2: তেক্নোলোজি ইনফ্রাস্ত্রকচরদা হাপচিল্লবা কি ভর্বশিং | 46 |
| লাইয়েক 6.3: য়ুনিফাইদ মেন্তরিং নেতৱার্ক – কম্পোনন্ত লেভল ভিয়ু | 47 |
| লাইয়েক 7.1: মাংলোমদা চঙশিনবা | 53 |


## তেবলশিংগী মমিং পরেং


| | |
|---|---|
| তেবল 4.1: হৈ-শিংবশিং, মচলশিং অমসুং শন্দোক-ৱারোল | 23 |
| তেবল 4.2: মেন্তরিংগী মেথদশিং | 26 |
| তেবল 4.3: মেন্তর ত্রেইনিং অমসুং থঙ-হৈবগী থাক | 27 |
| তেবল 4.4: মেন্তরিংগী হীরমশিং অমসুং ৱাহন্থোক | 27 |
| তেবল 5.1: স্তেকহোলদরশিং অমসুং লৌগদবা দায়িত্বশিং | 33 |
| তেবল 5.2: পান্দম অমসুং ইম্পেক্ত ইন্দিকেতর | 38 |
| তেবল 5.3: ইনসেন্তিভশিংগী (পূক্লিং থৌগৎপগী) মখলশিং | 39 |
| তেবল 6.1: পথাপ-চৈশিং (ক্রাইতেরিয়া) অমসুং ৱাহংশিং | 49 |

## *অশুপ্পা ৱারোল*

ভারতকী তোঙান-তোঙানবা থাকশিংদা এজুকেশনগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা ওঝাশিংবুসু লেপ্তনা অদুম্মক তম্বগী থবক চথহনবা অমসুং চাওখৎহন্দুনা মহৈরোইশিংনা তমশিনবগী হেন্না পাক-চাউরবা মিসন্দা ওঝাশিংনা হেন্না কান্নবা মওংদা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈবা অদু পূক্লিংদা ফাওরকখি। 'মেন্তরিংগী ক্লবুক' অসিগী তঙাইফদবা অসুম অসুম হেনগৎলক্লিবদু ফংহন্নবা হোৎনরকখিবশিং অদুগী মহৈ অমনি। মসিদা, মখোয়না তৌরিবা থবক্তুদা খুৎলোইরবা মীশক (মেন্তর) অমগা অমসুং মীশক্তুনা মুন্না থঙলিবদুদগী তমশিনবা পাল্লিবা মীশক (মেন্তী) অমগগী মরক্তা পাউ ফাওদোক্লবগী লম্বী অমা শেমদুনা থম্বা হায়বসিনা ক্লবুক অসি শেম্নবগী মরুওইবা মচল অমা ওইদুনা *'মেন্তরিং'* হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নখিবনি। মসিনা সিস্তমসিগী মনুংদা লৈরিবা খ্বাইদগী খঙ-হৈরবা লৌশিংদুবু, খ্বাইদগী কান্নবা ফংহন্নবগী পাম্বৈ অমা ওইনা 'মেন্তরিং'বু পুখোক্লদুনা এজুকেসনগী লমদা তোঙান-তোঙানবা স্তেকহোলদর-শিংবু লমজিং-লমতাকপা অমা ওইনা মখৌ তৌহন্নবা হোৎনরি।

ক্লবুক অসিবু *তোঙান-তোঙানবা পন্দুপ তরেৎ থোক্লা থায়দোক্লি-*

*পন্দুপ I* না ভারতকী লৈরিবা এজুকেসনগী থাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফিভমবু তেন্তকনা পুখোক্লি। মসিনা ইম্পেক্ত ইন্দিকেতর খরা অমসুং এজুকেসনগী লমদা লৈবাক শিনবা থুংনা পায়খৎলিবা থৌশিল (পোলিসি) শিংগী অমসুং প্রোজেক্তশিংগী কান্নবশিং ফংনবগী চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী পান্দমশিংবু পল্লদুনা, ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থবকশিংগী মায়পাকপশিং অদুবু পল্লি। মসিনা এন ই পি 2020 গা চূশিন্ননা মেন্তরিংগী তঙাইফদবা অদুগা লোয়ননা এজুকেসন সিস্তমদা নৌনা শীংনরক্লিবশিংবুসু পল্লি।

*পন্দুপ II* না মেন্তরিংগী ৱাখল্লোন্দা পূক্লিং লূপশিনহল্লি। মসিনা মেন্তরিং প্রোগ্রামবু করন্না শাগৎকদবগে হায়বদুগী য়ূম্ফম ওইরিবা চৎন-পথাপশিংবু পল্লি। পন্দুপ অসিদা মেন্তরিংগী ময়াম্না লান্না থাজনবীশিংবুসু পল্লি।

*পন্দুপ III* না 'জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং)'গী তঙাইফদবদু পল্লি। মসিনা মেন্তরিংগী শক্তম অমা শেমগৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা মীশক অহুম হায়বদি *'মেন্তর', 'মেন্তী'* অমসুং 'শীল্লি-লাংলিবশিংবু' মশক তাক্লি। মথা তারকপদা, মসিনা মিসনসিগী পন্থুংদু য়ৌনবগীদমক মসিবু শাগৎপা য়ারিবা তোঙান-তোঙানবা থাকশিংদু ফোঙদোক্লি।

*পন্দুপ IV* না মেন্তরশিং থনবা, মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংগী শাগোন্নরক্লবা গুনশিংগুম্বা তোঙান-তোঙানবা শক্তমশিংবু য়েংশিল্লি। মসিনা মেন্তরিংগী স্কিলশিং, মেন্তরিংগী মখলশিং অমসুং মেন্তরশিংগী শিনফমগী লেপ্তনা চাওখৎলক্লিবদুগী য়ূম্ফমদা অথন্নবা মীৎয়েংসু থম্মী। মসিগী পন্দুপসিনা মেন্তরিং পাংথোকপা য়ারিবা মরুওইনা কোনশিল্লিবা মফমশিংবুসু পল্লি।

*পন্দুপ V* না প্রোগ্রাম দিজাইন অমসুং প্লানিং, প্রোগ্রাম মেনেজমন্ত, স্তেকহোলদরশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অমসুং লৌগদবা থৌদাংশিং, মেন্তরিংগী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিংগী থবক ওইনা পাংথোক্লবগীদমক থম্বা ৱাফম, প্রোগ্রামগী অফ-ফত্ত নৈনবা অমসুং স্কুল/ইন্সতিত্যুসনশিংদা প্রোগ্রাম্না পীরিবা ইথিলবু ফোঙদোক্লি। মসিনা প্রোগ্রামবু ইন্সতিত্যুস্নেলাইজেসন অমসুং ইনসেন্তিভাইজেসন তৌবগী মতাংবুসু ফোঙদোক্লি।

*পন্দুপ VI* না জাতিগী মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর (নেস্নল মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর -এন এম আই) গী প্রিন্সিপলশিং অমসুং তেক্নোলোজিগী শরুকশিং দিজাইন তৌবগী মরুওইবদু তাক্লি, মসিনা য়ুনিফাইদ মেন্তরিং ইন্তরফেস (য়ু এম আই) গী মতাংবুসু ফোঙদোক্লি।

*পন্দুপ VII* না এন এম এম গী খোঙচৎ অমসুং মাংলোমদা চঙশিনবগী মতাংদা পূক্লিং চিংশিল্লি।

NMM
NATIONAL MISSION FOR MENTORING

# পন্দুপ ।

# ভারত্তা এজুকেসন




# পন্দুপ I: ভারত্তা এজুকেসন

## 1.1. ভারত্তা এজুকেসনঃ হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং

ভারত্তা পায়খৎলিবা এজুকেসনগী থৌরাংশিংসি চাওখৎপা পুরক্নবগীদমক য়াম্নমক মরুওইরিবা মহৈশিংদু ফংননবা য়াম্না থন্ন-নৈনরবা চৎন-পথাপশিংনা লমজিং-লমতাক ওইখিবনি। অনৌবা ৱাখল্লোন পীবা এজুকেসনগী থৌরাং কয়াদি হৌখিবা মতমদা পায়খৎখ্রে অদুগা চৎনহনবদা চয়েৎনবা লৈদুনসু অফবা মায়কৈরোমদা হোংহল্লকপদা মসিনা শরুক য়াখ্রে। অখন্নবা মীৎয়েংদি, তঙাইফদনা এজুকেসনবু প্রাইমরিগী থাক্তা অচেৎপা য়ুম্ফম অমা থোনবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা ওইহনবা হায়বসিনি। অঙাংশিংবু থুনাই অসিগা চূশিন্নবা, মশানা মশাবু থাজবা ঙম্বা মপূং ফাবা মীশক অমা ওইহন্নবা অঙাংশিংগা চূনবা মফম শেম্বী-শাবীনবা থবক পায়খৎলি। ওঝাশিংবু মতেং পাংবিরিবা অমসুং পূন্না থবক তৌমিন্নবা মীশক ওইনা লৌরিঙৈসিদা, তল্লিবশিংবু মখোয়গী থুমাং চাওশিল্লকপগী চাং ওনবদা মতেং ওইনবা ফিভম অমা শাগৎপা হায়বসি কান্নবা ওইগনি।

ওঝাশিংনা লৌরিবা থৌদাংনা এজুকেসনগী লম অসিনা কোনশিল্লিবা অকোয়বদা লৈরিবা পূম্নমকপু মশক হোংহনবদা তঙাইফদ্রবা মচাক অমা ওইরি অমসুং গুন, মাংলোমদা চঙশিন্নবগী পাম্বৈ অমদি মীচং-মীখাই নাইদববু থল চানহন্নবা তৌবদা শীংনরক্লিবশিংবু থেংনবা ঙম্নবগীদমক সিস্তমসিদা পাঙ্গল হাপ্লি হায়বসিদা চিংননিঙাই ওইদে। য়ু দি আই এস ই দগী ফংবা হৌজিক্কী ওইবা দেতাগী মতুংইন্না, ভারতকী স্কুলশিংদা ওঝা লাক্ষ 95 মুক লৈ, মখোয়গী মনুংদা পর্মেনন্ত, কন্ত্রেকচ্যুল অমসুং পেরা তীচর (শিক্ষা মিত্র অমসুং নিয়োজিত শিক্ষক) শিং য়াওরি। ওঝাশিংগী তৌবা ঙম্বগী মতীক অমসুং লমচৎ-শাজৎনা এজুকেসনগী মগুন তাকপা অমসুং লৈবাক্কী চাওখৎপা পুরকপদা মরুওইরবা থৌদাং লৌই। এন ই পি 2020 না ওঝাশিংগী শিনফমদা লেপ্তনা চাওখৎপা অমসুং মখোয়বু ত্রেইনিং পীবদা মীৎয়েং থম্মী। মসিগী মনুংদা তীচর এজুকেসন প্রোগ্রামশিংগী তোঙান-তোঙানবা মশকশিংবু লমজিং-লমতাক্নবগীদমক নেস্নল করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ক ফোর তীচর এজুকেসন (এন সি এফ তি ই) গী দ্রাফ্ট তৌবা য়াওরি। 'ওঝাশিংদা ইনাৎকী ওইবা চৎনলোনচৎকী মগুন হাপ্পা (ইনকলচরেসন ওফ তীচর ইম্প্রৱরমেন্ত)' অসিদা হেন্না মরুওইনা লৌরগা মসিনা তঙাইফদনা ওঝাশিংদা স্কুলগী পান্দমশিং অমসুং পোলিসিশিংবু শেম্বদা শরুক য়াবা অমসুং *করি অমসুং করম্না তম্বীগনি* হায়বগী মতাংদা মখোয়গী ওইবা শিনফমগী ৱারেপ অদুবু শীজিন্নবগী হক পীরি।





লাইয়েক 1.1: ভারত্তা এজুকেসন

এন ই পি 2020 অমসুং য়ুনাইতেদ নেসন্সকী SDG 4 না মালেম থাক্কী মহৈ (য়ুনিভর্সল ক্বালিতি এজুকেসন) অমসুং পুন্সি চূপ্পা তমশিনবগী পান্দমশিংবু ফংমিন্নরি। মখা তারকপদা, SDG 4 না শেল ইচঙ চঙদবা অমসুং মগুন লৈবা এজুকেসন হেন্না ফংহনবা, এজুকেসন্দা অচান-মীরাই নাইববু মাঙহনবা অমসুং ইবা, পাবা অমসুং মশীং চৎপা (ফাউন্দেস্নল লিতরেসি অমসুং ন্যুমরেসি)গী য়ুম্ফমবু ফংহনবদা মীৎয়েং থম্মী। ভারত লৈঙাক্কী খ্বাইদগী মরুওইরবা স্কিমশিং, সমগ্রা শিক্ষা অমসুং নিপুন ভারতনা মহৈরোই পূম্নমক্তা মালেম থাক্কী মগুন লৈবা মহৈ (য়ুনিভর্সল ক্বালিতি এজুকেসন) ফংহনবদা পান্দম থম্মী। মচি ওইবা চিঙ্গাক ফংহনবা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিল অমসুং তীচর এজুকেসনগী পান্দম থল্লিবা স্কিমশিংনা অসুপ্পা হোৎনরিবসিগী মতেং পাংই। রিসোর্সশিংবু দিজিতল লর্নিং, ইনফ্রাস্ত্রকচর অমসুং তৌবা ঙম্বগী মতীক পুরক্নবা য়ুনিতশিং শেমগৎপদা লৈরিবা খুরৌ চেনবশিংবু লৌথোকপরোমদা শীজিন্নে।

স্কুলশিং ছুতি ওইরিঙৈ অমসুং পান্দেমিক্কী মতমদা ওইখিবা ফিভম অসিনা, এজুকেসনগী লাইফলাইনদা দিজিতলগী লৈরিবা পাম্বৈনা ওনলাইনদা তাকপীবা অমসুং তমশিনবা হায়বসিদা য়াম্না অথুবদা চূশিনবা ঙম্নবা নমদুনা হোৎনহল্লি। মতম থরগী ওইনা শীজিন্নবা দিজিতল তেক্নোলোজিশিংগী লৈরিবা মতীংদুদি পান্দেমিক থোক্লিঙৈ মনুংদা অদুমক মখোয়গী তৌবা ঙম্বা মতীক্কী ৱাংমদা চৎখি। মসিনা তাকপী-তম্বীরিবশিং, লুচিংবশিং অমসুং খুনাইদুগী মীওইশিং পূম্বদা মীয়াম অসিনা করিবু, করম্না, করম্বা মতমদা অমসুং কদাইদা তম্লিবগে হায়বদু খঙহনবা ঙম্মী। মসিনা তাকপী-তম্বীরিবশিংগী থৌদাংসি, লৌশিং পীরিবা মীশক অমা ওইবদগী হেন্না লৌশিং পূন্না তানশিনমিন্নবা, লমজিং-লমতাকপা, মেন্তর অমসুং ইভাল্যুএতরশিং ওইনা ওইহল্লকই।

## 1.2. ওঝাশিংগী থৌদাং

মহৈরোইশিংনা ময়াইদা লৈরগা, তমশিনবগী মহৈশিংদু ফংহনবগী থৌদাংনা ওঝাশিংদা তারকই। মখোয়না মখোয়গী স্কুল নৎত্রগা মখোয়গী জিওগ্রাফিদা স্কুলশিংগী নাৎকী মতীক-ময়াইবু তাকপদা মরুওইবা থৌদাং অমসু লৌই। মখোয়না শীংনরকপা অমা হেক লাকপদা খূদক্কী ওইনা পাউখুম পীবগী মহুৎতা তুংদা লাক্কদবা ফিভমশিংদা মীৎয়েং থম্বরোমদনা হেন্না লেপ্পা লৈতনা চঙশিনগদবা ওই। খ্বাইদগী ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লরিবা আশা অদুদি অফবরোমদা অহোংবা পুরকপা অমসুং পুরক্লিবা অহোংবা অদুবু মওং চুপ্না শীন-লাংবনি। ওঝাশিংনা তাকপীবা-তমশিনবগী থবক্তা স্কুলদা চৎনরিবা মওং, পোলিসি, বোর্দশিং নৎত্রগা প্রাক্তিসশিংসিনা মরুওইবা থৌদাং লৌই।




**লাইয়েক 1.2: ওজাগী থৌদাং**

মাংলমচৎতা শীংনরকখিবশিংদুগী খঙলক-হৈরকপশিং অদুনা লেপ্তনা তমশিনবা অমসুং হৈ-শিংববু শেমগৎ-

শাগৎনবগীদমক মথৌ তারিবদুবু অমুক্কা হন্না মরা চেৎশিনহল্লি। ওঝাশিংগী তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপা অমসুং লেপ্তবা শিনফমগী চাওথৎপদা মীৎয়েং থম্বা থৌরাং কয়া মাংলমচৎতা পায়খৎখ্রে। লেপ্তনা তমশিনবা অমসুং চাওথৎহনবা অসিবু ওইথোকহল্লিবা স্ত্রকচর কয়াসি লৈদুনসু, দিসেন্ত্রেলাইজ তৌরবা অমসুং কন্তেক্সকা চান্ননা তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপদা অয়েৎ-অপনশিং ওইনা লৈরিবা কয়া'মা ঐখোয়গী ওঝাশিংনা অসুম মায়োক্কদুনা লাক্লিবা শীংনরক্লিবা থরদি অদুমক লৈরি।

## 1.3. চয়েৎননা অমসুং নৌনা শীংনরক্লিবশিং

হৌথিবা মতমসিদা মথৌ তারকথিবশিংদুগী মতুংইন্না ওঝাশিংগী তম্বগী খুদোংচাবশিংদু য়াথোকখ্রে অমসুং চৎনখ্রে। অদুম ওইনমক, মথোয়গী শিনফমগী চাওথৎলকপগী শরুক অমা ওইরিবা, থন্ন-নৈনবা, সেসন নৎত্রগা লর্নিং সর্কলশিংবু থঞ্জনবগী খুদোংচাবা অদুদি ইফংমক ফংদ্রি। খুনাইশিংদুগী মনুংদা য়াম্না থঙ-হৈরবশিংসু অরুবা গুফা মনুংদা ঈ-পাউ ইফাও-ফাওনদনা লৈবনা মরম ওইবনা, মসিবু খ্বাইদগী ফবা মওংদা শৌগৎনবা হোৎনবদা অরুবা ওইহল্লি।

তমশিনবদা পূক্নিং লূপচবা ওঝাশিংসিদি তোপ-তোপ্পা অমসুং তোঙানবা ফিভমশিংগী মনুংদা লৈ। মরম অসিনা, চপ মান্নবা অরুবা ফিভমশিং মায়োক্নরিবশিং অদুগী ওইনফাওবা, পুন্না থবক তৌমিন্নবা, থন্ন-নৈনবা অমসুং অয়েৎ-অপনদুবু কোকহন্নবগীদমক মথোয়গী লৌশিংদুবু চাওথৎহনবদা অরুবা ওইরকখি। কনাগুম্বা অমনা অরুবা ফিভম, অনৌবা অমা অমসুং লেপ্তনা থোরক্লিবা অয়েৎ-অপনশিংবু থেংননবা হোৎনবদা নাইতোম তাবগুম্না ফাওরকই অমসুং পূক্নিং শোন্থরকই, মসিনা মমৈথংদা ফিভমদুবু হেন্না লুশিনহল্লকই। পান্দেমিক্কা হেন্না শাফু পীরক্লিবসি, তম্বীবগী থবক, হৈশিংবা, শীংনরকপশিং অমসুং ময়ামগী ওইনা লৈরিবা অৱাবশিংসিবু কোক্কবা লম্বী তাক্কবগীদমক হেন্না মপাঙ্গল কনবা, খুনাই অমগী দরকার ওইবদুনি। করিগুম্বা মতমদসু ওঝাশিংনা মথোয়না থেংনরিবা শীংনবশিংদু থেংনবা মতমদা থিন্থবা অমসুং শোথহৌবা য়াওরকই। অসিগুম্বা শোথহৌবশিংসি মরুওইনা থোরক্লিবগী মরমদি ওঝাশিংনা অখন্নবা মতেং ফংহনবা ঙমগদবা প্লেতফোর্মশিং, তেক্নোলোজি নৎত্রগা হৈথোই-শিংথোইরবশিংগা করন্না পাউ ফাওনগদবগে হায়বদু থঙদবদগীনি।

ওঝাশিংনা মথোয়না লৌরিবা থৌদাংশিংগী শরুক ওইনা তৌফম থোকপা থৌদাং কয়ামুক পায়রকই। কেপাসিতি অমদি প্রোফেস্নল দেভলপমেন্তকীদমক মথোয়গী থৌদাংশিংদুনা তাল্লিবা থবকশিংদা অকায়বা থোকহন্দনবা তৌবদা মতমবু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবদা, মরুওইনা মথোয় মশা লাকপগী মথৌ তারকপা মতমদা য়াম্নমক শীংনরকই।

## 1.4. মৱী লৈনবা অমসুং ফিভম

ওঝাশিংগী শিনফমবু চাওথৎহনবগী দরকার ওইবশিং, লম-লমগী থেন্নবা, ওঝাশিংগী থৌদাং, মথোয়না কোল্লিবা মফমদুগী মতুং ইন্না, মথোয়দা শীংনরক্লিবশিং অমসুং অপাম্বশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা থেন্নবা য়াই। ওঝা খূদিংমক্কা মথোয়গী অয়েৎ-অপনশিংদু কোকহন্নবগীদমক ওরিএন্তেসন অমসুং নেতৱার্কিংগী তোঙানবা মওং অমা থিরকপা য়াই। ওঝা থরনা থাক মান্নবা মথোয় মশেলশিংদগী হকথেংননা তমশিনবা পাম্মী অদুগা অতোপ্পশিংনা চপ মান্নবা অয়েৎ-অপনশিং মায়োক্নরিবশিংগী অচৌবা কাঙলূপ অমগা শন্নে। ফিভম থরদনা, হীরমসিদা থঙ-হৈরবা কাঙবুশিংগী মোতনা মথোয়গী সমস্যাশিংদু কোকহনবা ঙম্মী। মরম অসিনা, মদুগীদমক প্লেতফোর্ম অমা লৈবগী মথৌ তারকই, মফমদুদা ওঝাশিংনা শিনফমগী ওইবা মতেং ফংবা ঙম্মী।

## 1.5. নেস্নল এজুকেসন পোলিসি (2020) দা মেন্তরিংগীদমক মীৎয়েং

এন ই পি 2020 না মগুন লৈবা এজুকেসন গী SDG 4 গা চূননা এজুকেসন স্ত্রকচরগী শক্তম পূম্নমকপু অনৌবা শকওংদা শেমগৎনবা ৱাফম পুথোরকই।[1] মসিনা ফংলক্কদৌরিবা মহৈশিংদুগী মগুনশিংদু হেনগৎহন্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা থাকশিংগী পাম্বৈ অমা ওইনা মেন্তরিংগী ৱাফম পুথোরকই।

### 1.5.1. মহৈরোইশিংগীদমক

স্কুল তম্লম্বদগী তোকথিবগী চাং হন্থহন্নবা অমসুং মীপূম থূদিংমকপু মহৈ-মশিল তম্বা ফংহন্নবগী হোৎনবা ওইনা, স্কুলগী মহৈরোইশিংবু স্কুলদুদা হান্না তম্লম্বা থঙ-হৈরবশিং অমসুং থুনাইদুগী মীওইশিংনা তম্বীগনি, মসিনা তমশিনবগী মহৈ চুমহনগনি অমসুং অপাম্বদু তুং কোইনা ফংহনগনি।

### 1.5.2. ওঝাশিংগীদমক

এন ই পি 2020 না ওঝা শেমগৎপগী থৌওংবু *"খ্বাইদগী ফরবা মেন্তরশিংগী মথাদা মলতিদিসিপ্লিনরি পর্স্পেক্তিভশিং অমসুং লৌশিং, শাগোন্নরক্লবা গুনশিং অমসুং মতীক-ময়াইশিং শেল্লকপা অদুগা খ্বাইদগী ফবা মেন্তরিংগী মথাদা শিনফম পাংথোকপগী চাওখৎলকপা"*[2] ঙম্বা ওইনা মশক খঙই। মরম অসিনা, মেন্তরিংবু ওঝাশিংগী চাওখৎপদা পূম্নমকপু কোনশিনবা য়াবা, কান্নগদবা মচাক অমা ওইনা থৌরাং তৌনবা ৱাফম থম্লি।

a. মসিনা স্কুল এজুকেসন দিপার্তমেন্তগী ক্লস্তর রিসোর্স সেন্তরশিংনা অঙ্গনৱাদি/বালভতিকাশিং ই সি সি ই ওঝাশিংগী মেন্তরিং স্ত্রকচর অমা শেমগৎনবা তৌবগা লোয়ন-লোয়ননা লেপ্তনা অফ-ফত্ত য়েংশিন্নবগীদমক থা-থাগী মীফমশিং পাংথোক্লবগী ৱাফম হৌদোরকই। শিনফমগী ওইনা মতীক চারবা ই সি সি ই এজুকেতরশিংবু শেমগৎনবগীদমক হেন্না শাংবা মতমগী থৌরাং অমদা, প্রোফেস্নল ত্রেইনিং, মেন্তরিং মেকানিজমশিং অমসুং করিয়র মেপ্পিংগী অপূনবা মওং অমা শীজিন্নগনি।

b. ইন-সর্ভিস ত্রেইনিং ওইনা লৈরিবা ওঝাশিংবু, মথোয়গী অতেনবা মতমগী ওইনা থোইদোক্লা শেম্বা ত্রেইনিংগী মথক্তা অমসুং ইন-সর্ভিস ত্রেইনিং তীচরশিংনা মথোয়গী মতীক-মগুনশিংদু হেনগৎহন্নবগী পান্দম ফংহন্নবা, চূনবা, মপাঙ্গল লৈবা জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং)গী থৌরাং অমা শেমদুনা থমগদবা ওইরি।

c. ওঝাশিংদা মতম কুইনগী ওইনা শিনফমগী ঙাক্নো পীননবা, শিংথানিঙাই ওইরবা প্রোফেস্নলশিংগী কাঙবু অমনা মতেং পাংবা, জাতিগী মেন্তরিং মিসন অমা শেমগৎকনি।

### 1.5.3. স্কুলগী লুচিংবশিংগীদমক

মসিনা তম্বীবা-তম্বগী থবক (তিচিং-লর্নিং প্রোসেস)পু শেন্নরিবা তাকপী-তম্বীবগী মকোক থোংবশিং ওইনা এজুকেস্নল লিদরশিংগী তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎনবা মেন্তরিং স্ত্রকচরগী ৱাফম পুথোরকই, লেপ্তনা মগুন হেনগৎহন্নবগীদমক চৎন-কাঙলোনশিং শেম্মী, ওঝাশিংগী চাওখৎনবগীদমক লেপ্তনা মতেং পী অমসুং অমগা অমগা তেংবাঙনরগা পূন্না তম্মিন্নবগী লূপ অমসু শেম্মী।

---

[1] Ministry of Human Resource Development. (2020, July 29). National Education Policy 2020. Government of India

[2] Ministry of Human Resource Development. (2020, July 29). National Education Policy 2020. Government of India

## 1.5.4. এজুকেসনগী লুচিংবশিং অমসুং ইন্সতিতুত্যসনশিংগীদমক

এন ই পি 2020 না এজুকেসনগী লমদা লুচিংলিবশিং য়াওনা মহৈ তম্ফমশিং শিনবা থুংনা চৎতুনা শিনফমদা নৌরিবশিংবু তম্বীবগী (মেন্তরিংগী) তঙাইফদবা অদুদা মীৎয়েং থম্মী। এন ই পি 2020 না অহানবগী ওইনা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফমশঙশিংগী ওইনা থল্লিবা মপূং ওইবা পান্দমদি, অফবা লৈঙাক্লোন অমসুং হেন্না ফবা লুচিংবগী থবকলোমদা মেন্তরিংগী মতেংনা অমুক হন্না শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবনা ওইরম্মী।

a. অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফমশঙশিংগী ওইনা মখোয়দা পাঙ্গল হেন্না পীবা অমসুং মশা-মরোমদোম্না অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোকপগী নাৎ অমা শেমগৎনবগীদমক, গ্রেদেদ এক্রেদিতেসন গ্রান্তিং মেকানিজম অমা শেমগৎকনি, মসিগীদমক কোলেজশিংদুদা মসিগী মগুন লেপ্পগী থাক অদু য়ৌনবা লমজিং লমতাক্কনি। য়ুনিভর্সিতি খূদিংমক্তা, ওতোনোমস দিগ্রী-গ্রান্তিং কোলেজশিং ওনখৎলক্কবগীদমক "একাদেমিক অমসুং করিক্যুলমগী মতাং, তিচিং অমসুং এসেসমেন্ত, গভর্নান্স রিফোর্মশিং; শেল-থুমগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা" অসিদা মখোয়গী তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংদু শেমগৎপদা মতেং ওইনবগীদমক এফিলিএতেদ কোলেজশিংদা লমজিং-লমতাক্কনি।

b. মসিগীসু মথক্তা, এন আর এফ কী লৈরিবা মরুওইবা থৌদাংশিংগী মরক্তগী অমদি লম পূন্নমক্তা মগুন লৈবা একাদেমিক্কী ওইনা থিজিনবদা মতেং পাংনবগীদমক একাদেমিক ইন্সতিতুত্যসনশিংবু লমজিং-লমতাকপসিনি।

এন ই পি 2020 না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিংদুগীসু মথক্তা, ভারতকী এজুকেসন ইকোসিস্তম শিনবা থুংনা তোঙান-তোঙানবা পান্দমশিংগীদমক মেন্তরিং স্ত্রকচরশিং শেমগৎনবগী পাক-চাউরবা মফম লৈরি। তোঙান-তোঙানবা স্তেকহোলদরশিংনা তানশিল্লকপা লৌশিং অমসুং খঙলক-হৈরকপশিংগী পুক্কৈ অসি এজুকেসন ইকোসিস্তমগী তোঙান-তোঙানবা কাদরশিংদা কান্নবা মওংদা ঈ-পাউ অমসুং পাউতাক পীনবগীদমক শীজিন্নবা য়াই।

# পন্দুপ II

# মেন্তরিংগী ৱাহৌদোক



# পন্দুপ II: মেন্তরিংগী ৱাহৌদোক

## 2.1 মেন্তরিংগী ৱাখল্লোন

মেন্তরিং – ৱাহৈ অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লিবসি মখোয়না তৌরিবা হীরম অদুদা য়াম্না খঙ-হৈরবা কনাগুম্বা অমনা তৌরিবদু, অদুগুম্বা য়াম্না খঙ-হৈরবদুদগী তম্বা পাম্লিবা কনাগুম্বা অমগগী মরক্তা পাউ ফাওনদুনা তম্নবগী থবক অদুবু শন্দোক্লা তাকপদা শীজিন্নরক্নে। মসিনা মেন্তর অমসুং মেন্তী অনীমক্কী লন্নাই অমসুং শিনফমগী ওইনা চাওখৎপা ঙম্নবগীদমক অচৌবা লম্বী অমা ওইগনি হায়না থাজে[3]। অসিগুম্বা তান্ন-তিক্লবা অসিদা মেন্তীশিংগী ৱাহংগী পাউখুম পীবা, মতেং পাংবা, মচা থায়না ৱারী-ৱাতাই শান্নবা, চয়েৎনরবা অমসুং শীংনরক্লিবা অয়েৎ-অপন্নচিংবশিংবু লাইখায় তাহন্নবগী পাম্বৈ পুথোকপা অসিনচিংবশিং য়াওবা য়াই। মেন্তরিংগী মরী অসি য়াম্না শাংনা মেন্তীশিংগী পন্থুংফমলোমদা মপূং ওইনা শিনফমগী ওইবা চাওখৎলকপা পুরক্লিবা মান্নবা লমশিংদগী প্রোফেস্নলশিংগী মরক্তা চূননা ইথিল পীনবদা য়ুম্ফম ওইরিবা, শাংলবা, মওং-মরিল তারবা অমগা অমগা তেঙবাংনবগী মরী অমনি।

**<u>মেন্তর-মেন্তীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীগী ৱারীশিং</u>**

মেন্তরিংগী মরু-মরাসি অরিবা পুৱারীদা মালেম শিনবা থুংনা তাখ্রবনি। ইংলিশ ৱাহৈ 'মেন্তর' হায়বসিগী চেজন্দা লৈবা অহানবা থূদম-চাংদমসি গ্রীক্কী লাইরিক অমদা থেংনৈ। মহাভারত্তা, শ্রীকৃষ্ণনা লাইনীং লম্বীদা চৎননবা অমসুং লানবুং অমদা মহাক্কী থৌদাংশিংদু মতীক চানা পাংথোক্লনবা পাউতাক পীথি। বুদ্ধিজমদা লোতস সূত্রনা মেন্তর-মেন্তীগী মরী অসিবু *"মীয়ামগী নুংঙাই-য়াইফবা অমসুং মীয়াম্বু অৱা-অনাশিংদগী কোক্লবগীদমক পূন্না থবক তৌমিন্ননবা ৱাশক লৌমিন্নবা"*[4] হায়বসিগা লোয়ননা তঙাইফদনা লৌরি।

মেন্তরিং অসি কনাগুম্বশিংগী মরক্তা শরুক য়ামিন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নবা ওইনা ফোঙদোকপা য়াই; ৱারী-ৱাতাই শান্নদুনা অফবা ৱাখল্লোন পুথোকপগী সোক্রাতিক মেথদকা মান্নবা মওংদা, ময়ামদুগী মরক্তা অমনা ৱাখল থন্থবা য়াবা ৱাহংশিং পুথোরকপা য়াই অদুগা অতোপ্পা অমনা মশাগী ওইবা ৱাহং হংলকপা য়াই। মসিনা তাক্লিবদি মেন্তরিংনা ভারতকী মহৈ-মশিং তম্বীবগী পুৱারীদা গুরুকুলগী পথাপ্পা মরু ওইবা থৌদাং লৌরকখিবদু অদুমক তুং-ইন্দুনা চৎলি। মেন্তরনা গুরুনি অদুগা মেন্তীনা মহৈরোই অমনি। মসিগী পথাপসিনা মেন্তীশিংদা ইন্সপিরেসন অমসুং মোতিভেসন পীদুনা মখোয়বু মশাদা তূংশিন্দুনা লৈরিবা গুনশিংদুবু খঙজবদা হেন্না নক্না পুশিল্লি।[5] চানাক্যনা চন্দ্রগুপ্তবু পতলিপুত্রগী নিংথৌ ওইরক্লবগীদমক তাকপী-তম্বীখি অমসুং মদুদগীদি খোরিরোলগী লাইরিক কয়াদা অফাওবা নিংথৌরেল অমগী মিং পন্নরকখ্রে।

অরিবা মতমগী পুৱারীদগী হৌরগা, মতমসিগী পুৱারীদা মমিং লৈরবা, মায় পাক্লবা, মীয়াম্না খোইদোক্লা মশক খঙনরবা মীশক পূম্নমক্কী পুন্সিদা মেন্তরশিংনা শিংথানিঙাই ওইরবা থৌদাং অমমম লৌনখি – এরিস্তোতলনা অলেকজেন্দর দ গ্রেতপু তম্বীখিবদুদগী হৌরগা মার্তিন লুথর কিংবু দাঃ বেঞ্জামিন ইলিজাহ মেসনা তম্বীখি। মেন্তরিং অসি হৌজিক্তি তম্বা অমসুং স্কিল-বিলদিংবু হেনগৎহন্নবগীদমক মরুওইরবা অমসুং কান্নরবা পাম্বৈ অমা ওইনা অমুক নৌনা শাফোঙলকপা হৌরে।[6]

[3] Together Platform. "Mentor Handbook." Together Platform

[4] Soka Gakkai. (2020). The Oneness of Mentor and Disciple. Soka Gakkai (Global).

[5] Kukreja, S., Arora, R., & Singh, T. (2020). Mentorship Program: Modern Outlook of Traditional Knowledge. International Journal of Applied & Basic Medical Research.

[6] Hansman, C. A. (2002). Critical Perspectives on Mentoring. Center on Education and Training for Employment, College of Education, The Ohio State University.

মেন্তরিংবু কনাগুম্বা অমগী লন্নাই অমসুং শিনফমগী ওইবা তঙাইফদবশিং ফংহন্নবগী ওইনা কোল্লপ শীজিন্নখিবগী তাঙ্ককশিং লৈরবসু, মসিবু "*মখোয়না মখোয়গী তুংদুনা লৈরিবা গুনশিংবু হেনগৎহনবা, হৈ-শিংবগী মশিলবু চাওখৎহনবা, মখোয়না তৌথোরক্লিবদুবু হেন্না ফগৎহনবা অমসুং মখোয়না ওইগে হায়না পাল্লিবা মীশক অদুমক ওইনবগীদমক মতেং পাংবা অমসুং পূক্লিং থৌগৎনবা*"[7] স্রকচর অমা ওইনা মশক তাক্লি।

## 2.2. মেন্তরিংগী চৎন-পথাপশিং

ৱারী-ৱাতাই শান্নরিঙৈ মনুংদা, শরুক য়ারিবশিংগী দরকার ওইবশিংদুগা চান্ননবা মেন্তরিং অসি তোঙানবা মথল কয়াগী ওইবা য়াই। লমজিং-লমতাকপগী লৈরিবা চৎনৱোল থরনসু শেমগৎলিবা অসিগী ফজবা মশকসিবু কায়হন্দনা অদুমক থম্বা য়াই। মেন্তরিং স্রকচরসি মেন্তর অমসুং মেন্টী অনীমক্না, চত্থরিবা থৌওং অসিদা কথোক্লবা মতমদুদা খ্বাইদগী মায় পাকপা ওইগনি। মথাদা পীরিবা চৎন-পথাপশিং অসি নোৱলসনা হৌদোক্লম্বা এদল্ত-লর্নিং প্রিন্সিপলশিংদুগা মরা চেৎনা চূশিন্নে হায়না লৌনরি।[8] মখোয়না মেন্তরিং স্রকচর অমদা শরুক য়ারিবা মীশিংনা দরকার ওইবা লৌশিনবা য়াবশিং অদু মসিদগী ফংগনি হায়বসি পূক্লিংদা থল্লি।

a. মেন্টী-দাইরেক্তেদঃ মেন্টীশিংনা মখোয়না তম্লিবদুবু থৌরাং তৌবা, চৎনহনবগা লোয়ন-লোয়ননা অফ-ফত্ত নৈনবগী থৌওংদা শরুক য়াগদবনি। মেন্টীনা মরী অসি পুদুনা চৎকদবনি অমসুং মখোয়গী চাওখৎনবগীদমক হেনগৎলক্লিবা থৌদাংদু লৌবদা পূক্লিং থৌগৎপীগদবনি। মেন্তরনা থম্বা এজেন্দা নৎত্রগা নমদুনা তৌহনবা হায়বসিনা মেন্তরিংগী ৱারী-ৱাতাই শান্নবদা নমদুনা পুরগা চৎনবা শাফু ওইহল্লোইদবনি। মেন্তর অমনা মেন্টীশিংনা মখোয় মশাগী পন্থুংশিং য়াৎচবা, শীংনরক্লিবশিংবু মশক থঙদোকপা অমসুং মেন্টীশিংগী দরকার ওইবগী মতুং ইন্না অহান-অকোন থন্দোকপদা লমজিংবিগদবনি।

b. মতৌ তম্বাঃ মেন্টীগী পুন্সিদা থেংন-উরকপশিংদু মেন্তরিংগী থৌওং চত্থরিঙৈদা থন্নগদবনি। মসিনা মেন্টীশিংনা মখোয়গী থেংন-উরকপশিংদুদা মমি তাহনবা ঙমহনগনি।

c. পুন্সিদা পানশিনবাঃ মেন্তরিংগী থৌওংশিংসিদগী ফংলকপা মমুৎ তারবা লৌশিং অসিনা পুন্সিগী অশেংবা অয়েৎ-অপনশিং অমসুং/নৎত্রগা চত্থরিবা থৌওংশিংসি পানশিনবদা মতেং পাংগদবনি।

d. মতেং পাংবাঃ মেন্তরশিংগী মরু ওইনা থমগদবা মীৎয়েংফমসি মশানা মশাবু লমজিংজবা, অমাং-অতোং থঙবা ঙম্বা অমসুং মেন্তরিংদা উরক-থেংনরকপদগী ফংলকপা লৌশিংদু থবকলোমদা পানশিনবা য়ানবগী মফম অমা থৌরাং তৌবিদুনা মসিদা দরকার ওইবা ঙাক্লৌ পীবদুনি।

e. ফিভম কায়হন্দনা থম্নবা: মেন্তরিং এক্সপরিএন্সনা শরুক য়ারিবা পূম্নমক্কী মশানা তৌজগে হায়না তৌবা ওইরবসু, হায়রিবা ফিভমশিং অদু শাফনা থম্নবা লেপ্তনা হোৎনবগী থবক চত্থফম থোকই। স্রকচর অদুনা থাজবা লৈহনবা, লন্নাইগী ওইনা থম্বা, অমগা অমগা তেংবাঙনবা অমসুং সেন্সিতিভিতিবু শাগৎপা য়াহনগদবনি। মেন্টীনা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা মতীক্কী খেন্নবা অমহেক্তবু ময়াই চমহনবগা লোয়ননা মেন্তরশিংনা লমজিং-লমতাক্লিবা ৱারোলশিং অমসুং তঙাইফদবা চৎন-

[7] Parsloe, E., & Leedham, M. (2009). Coaching and mentoring: Practical conversations to improve learning. Kogan Page Publishers.
[8] Knowles, M. S. (1980). The modern practice of adult education: From pedagogy to andragogy. Englewood Cliffs, NJ: Cambridge Adult Education

পথাপশিং য়ানরগা থবক পাঙবা হৌগদবনি।

f. অমগা অমগা তেংবাঙনবাঃ মেন্তরিংগী থৌওং অসি মেন্তী অমসুং মেন্তর অনীমক্কী লেপ্তনা চাওথৎলকপদা মীৎয়েং থমগদবনি। মখোয়না দরকার ওইবা মতমদা, মখোয়গী মেন্তরিং ইন্তরেক্সনগী থবকশিং মথা তানা চত্থবা ঙম্লবা পাউতাক অমসুং/নৎত্রগা মতেং লৌবা য়াই। মেন্তরশিংনসু চত্থরিবা থৌরম অসিদগী কান্নবা শোয়দনা ফংগনি হায়বসি থঙলবনা অসিগুম্বা ইন্তরেক্সনসিদগী হেন্না কান্নবা ফংগনি।

## 2.3. মেন্তরিংগা মরী লৈনবা লান্না থাজনবশিং

মথাদা পীরিবশিংসি মেন্তরিংগা মরী লৈনবা লান্না থাজনবশিংনিঃ

a. **মেন্তীশিংথক্তনা মেন্তরিংগী মরীদগী কান্নবা ফংই।** মেন্তরিং হায়বসি, মেন্তী অমদনা হেন্না কান্নবগুম্না উরবসু, মেন্তর অমসুং মেন্তী অনীমক্না অমনা অমদগী তমশিন্নদুনা নক্লবা মরী অমা শাগৎপগী থৌরাং অমনি।

b. **মেন্তরিংগী মরী অসিদদি মীগা মীগা অনীগী দরকারনি।** মায়গা মায়গা ওনশিন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই তৌনবা হায়বসিগী খুদোংচাবশিং লৈ, অদুম ওইনমক, মেন্তরিংগী মরী অমা শাগৎনবগীদমক্তদি, অকক্লবা মতম নাইদনা পাংথোকপা য়াই অমসুং ওনলাইনগী পাম্বৈশিংসু শীজিন্নবা য়াই।

c. **মেন্তী অমগী মতম অমদা মেন্তর অমথক্তমক লৈবা য়াই।** তোঙান-তোঙানবা মেন্তরশিংনা মেন্তরিংগী মরী অমদা মখোয়গী অথন্নবা লৌশিং অমসুং হৈ-শিংবশিংদু হাপচিল্লি অমসুং মসিনা মী অমনা শিনফমগী থেংন-উরকপদুবু চাওথৎহল্লি।


d. **মেন্তরিংগী মরীসি তঙাইফরক্তবা মতমদা ফংবা ঙম্লোই।** মেন্তরিংগী মরী অসি মহৌশাগী ওইনা চাওথৎলকই অমসুং দরকার ওইরকপা মতমদা ফংবা ঙম্মী। মওং-মরিল নাইনা শেম্লবা মেন্তরিংগী মরীদা হান্ননা লেপথোক্লবা তৌগদবা থবক্কী চাং অমসুং পোল্লোইদা মপূং ফাহনগদবা পান্দমশিংগী পরেং অমা য়াওই।

e. **মেন্তরনা মেন্তীদগী চহীদা অহল ওইফম থোকই।** মেন্তর অমা থনবগী অফবা নিয়মদি, মেন্তর ওইগদৌরিবশিং অদু মখোয়গী হৈ-শিংবা, তৌবা ঙম্বা, হীরমসিগা মরী লৈনবা মখোয়গী মগুন অমসুং পূল্লপ পূন্না তম্মিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা ওইগদবনি।

f. **কনাগুম্বা অমনা মেন্তর নৎত্রগা মেন্তী ওইবা য়াই।** মখোয় মশাগী ওইবা মহৈ য়াল্লবা মেন্তরিংগী মরীশিং শেমগৎনবগী তঙাইফদবা হৈ-শিংবশিংদু ফংনবগীদমক, মেন্তরশিংনা মখোয় মশাগী ওইবা মেন্তরশিং থম্বা মথৌ তাই। মেন্তরশিংনা মখোয় মশাগী মেন্তরশিং থমদুনা মখোয়গী শিনফম অসি চাওথৎনবা হোৎনবদা মখোয়বু মতেং পাংহনবা য়াই।

# পন্দুপ III

# জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং)গী ৱাহৌদোক



## পন্দুপ III: জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং) গী ৱাহৌদোক

শিনফমগী ওইনা অমগা অমগা চাওখৎলক্নবগীদমক ৱাখল্লোনশিংবু মওং-মরিল নাইনা শেম-শাদুনা শরুক য়ামিন্নববু য়োকখৎনবগীদমক জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং- এন এম এম)না হৌজিক লৈরিবা রিসোর্সশিংবু শীজিন্নদুনা ভারতকী এজুকেসন সিস্তমবু থুনা চাওখৎলকপা ঙমহনবা তাই। মসিগা চূনবা মওংদা, এন সি তি ই না স্কুল ওঝাশিংগী লৌশিং, হৈ-শিংবশিং অমসুং মতীক-ময়াইশিংবু তানশিনবা অমসুং শরুক য়ামিন্নবদা হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক মেন্তরিংগী লৈবাক শিনবা থুংবা মিসন অমা পুথোরকই।

### 3.1 জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং)গী তঙাইফদবা


ঙসিগী হান্না অমুক্তসু থেংনখিদ্রিবা দাবীশিং অমসুং শীংনরক্লিবশিং অসিদা, ওঝাশিংনা অনৌবা পাম্বৈ থিবগী তঙাইফদবা লাকই। এজুকেসনগী লম অসিদা লৈরিবা তাকপী-তম্বীবগী থবক তৌরিবা কাঙলূপশিং অসি য়াম্না হৈ-শিংলবা, লেংমান্নবশিংগী অয়েৎ-অপনবু কোকহনবা অমসুং তৌবা ঙম্বগী মতীক শেমগৎ-শাগৎপদা মতেং পাংলিবা কাঙলূপনি। অসুম হোংদুনা লাক্লিবা অকোয়বগী ফিভম অসিগা চূশিন্নবা ঙল্লিবা সিস্তমশিংনা মখোয়গী নাগরিকশিংদা মখোয়গী লন্নাইগী অমসুং শিনফমগী ওইবা পুন্সিবু মপূং ফাহন্নবগীদমক মখোয়গী হৈ-শিংবশিং চাং চানা থম্মী। মসিনা পূন্নমকপু কোনশিনবা অমসুং তুং-কোইবা শেল-থুমগী চাওখৎপা অমা পুরকপা ঙমহল্লি। মরম অসিনা, মেন্তরিং সিস্তম অসিনা হেন্না দিসেন্ত্রেলাইজ তৌরবা মওং অমদা লৈরিবা অহোবশিংসিবু মেনশিন্নবগীদমক পাম্বৈ অমা পী। মখোয়শিংদু অখঙ-অহৈশিংগী ৱা তাবা, শিনফমসিদা লেপ্পা লৈতনা চাওখৎপা, মান্নবা ফিভম অমদা লৈমিন্নবা লেংমান্নবশিংগা শন্নবা, অমসুং মহৈ তম্বদা অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনবদা শৌগৎনবগী প্লেতফোর্ম অমা লৈত্রিবা অদুগুম্বা ফিভমদু য়েংশিনবগী মতাংদা লৈরিবা অহোবশিংদুনি। মেন্তরিংনা লনাই মীওইশিংদা থঙ-হৈরবা প্রোফেস্নল অমগা লোয়ননা তমশিনবগী থবক্তা য়াওশিনবগী খুদোংচাবা পী। মেন্তর-মেন্তী অনীগী মরক্তা ৱারী-ৱাতাই শান্নবগী তোঙান-তোঙানবা পাম্বৈশিংনা ওঝাশিংগী হৈ-শিংবা অমসুং তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপবু ফংহনবা ঙম্মী। মসিনা অখঙ-অহৈশিংগা শন্নবগী খুদোংচাবশিং পী, তমশিল্লুবশিং অমসুং অফবা থবকশিংবু পীথোক-পীশিন তৌনবগী ফোরমশিংদা শরুক য়াবা অমসুং স্কুল লীদরশিপ অমসুং মেনেজমন্ত, করিক্যুলম, পেদাগোজি, এজুকেস্নল পোলিসিশিং অমসুং এসেসমেন্তকুম্বা তোঙান-তোঙানবা দোমেইনশিংদগী ফংলক্লিবশিংদুবু শন্দোকহনখিনবগী খুদোংচাবশিং পী।

কান্নবগী থাক য়েংলগা শেম্বা, মায়কৈ নাইদবা, পাউ ফংহনবা অমসুং তম্বগী থবক অসিনা মথক্তগী-মখারোমদা চেন্থরকপা মওংসিদা ত্রেইনিং পীনবগী দিজাইন শেম্বনা হৌজিক্কী এজুকেসন সিস্তমসিদা শন্দোক্তুনা লৈরিবা অৱাবশিংনি। কান্নবগী থাক য়েংলগা শেম্বগী পনথৈ অসিবু নেমথহনবগী খুদোংচাবা অমা মেন্তরিংগীদা লৈ অমসুং মসিদা মালেমগী ওইনা অহোংবা অমা পুরক্নবগী খুদোংচাবা লৈ। মসিনা তম্বগী থবক অসিবু লেংমান্নবশিং অমসুং কৈরোই-লৈকাইশিংগী ওইহনগনি। মসিনা তম্বগী থবক অসিবু হেন্না ইশাগী ওইবা অমসুং লেপ্তনা চথবা ওইহনগনি।

*মেন্তরিংনা স্তেকহোলদরশিংগীদমক খুনাইনা তম্নীংবগী মতীক, উথোরকপা মহৈবু য়োকখৎপা অমসুং তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপরোমদা পূন্না শরুক য়ামিন্নবগী এজেন্সি অমা পুবকই।*

### 3.2 মিসন অসি করম্না মায় পাক্কনি?

মিসন অসি মান্নবা পন্থুং অমা ফংনবগীদমক তোঙান-তোঙানবা থৌ পুরিবশিংনা অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনবনি হায়না লৌবা য়াই। মসি এজুকেসন সেক্তরগী থাক পূন্নমক্তা চৎনবা য়াগনি।





**লাইয়েক 3.1: থৌ-পাংথোক্লিবশিং (এক্তর শিং)না অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনবা অমসুং য়ুনিত অমা ওইনা পন্দুংলোমদা খুমাং চাওশিল্লকপা**

## থৌ-পাংথোক্লিবশিং (এক্তরশিং)

মেন্তরিং মিসন অসিগী থৌদাং লৌরিবা মরুওইবা থৌ-পাংথোক্লিবশিং (এক্তরশিং)দি *মেন্তরশিং* অমসুং *মেন্তীশিং* নি। *মেন্তীশিং* অসি লম অমদা শিনফমগী ওইনা চাওথৎপা পাল্লিবা এজুকেসন সেক্তরগী অথন্নবা শেমগৎলবা মীওইশিংগী কাঙলূপনি। মেন্তরশিংসি লম অদুমক্তদা মতম থরগী ওইরবসু শিনফমগী ওইনা চাওথৎনবা থিরিবা অমসুং মথোয়না *"থিরিবা"* অদুগা চূনবা থন্ন-নৈনবা অমসুং ৱারী-ৱাতাইশিংদা হৈ-শিংলবা, মান্নবা কাদর নৎত্রগা মথক্তা লৈরিবা মীশিংনি।


মেন্তর অমসুং মেন্তীগী থৌদাংশিংনা অনেম্বা থাক্কী মেন্তরিংগী থবকশিং পাংথোকপদা মতীক চারবসু, মিসন অসিদা হেন্না ৱাংবা থাক অমদা মেন্তরিংগী স্ত্রকচরবু খুদোংচাবা পীনবা, মতেং পাংনবা অমসুং চলাইনবা অহুমশুবা মচল অমা য়াওরি। *এদমিনিস্ত্রেতরশিং* (মী নৎত্রগা য়ুনিতশিং)না মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংগী মরক্তা ৱা তাথোক-তাশিন তৌনবগী মগুন অমসুং কয়ারক তৌবগে হায়বদু লেপ্তনা ফগৎহনবগী থৌদাং লৌই। মসিগীসু মথক্তা, মথোয়না মেন্তরিং স্ত্রকচর অমসুং ইকোসিস্তমনা পীরকপা খুনাই অপূম্বসিগী লৈরিবা ৱাথল্লোন অসিবু লেপ্তনা চাওথৎহনবা ঙমহল্লি। এজুকেসন ইকোসিস্তমদা লৈরিবা মেন্তরিং প্রোগ্রামগী স্কেলসি য়াম্না পাক-চাউবা য়াবনিনা, মেন্তরিংবু থৌ-পাংথোক্লিবা (এক্তর) পূম্নমক্কী অয়েৎ-অপন লৈতনা মশানা খঙহন্নবগীদমক তেক্নোলোজি অমসুং ওনলাইন প্লেতফোর্মশিং শেমগৎনবগীদমক অতোপ্পা সিস্তম পার্তনরশিংগী খুদোংচাবা য়াম্না লৈ।




**লাইয়েক 3.2: মেন্তরিংগী থৌ-পাংথোক্লিবশিং (এক্তরশিং)**

অসিগুম্বা থৌ-পাংথোক্লিবশিং (এক্তরশিং)সিগী মরক্তা ৱা তাথোক-তাশিন তৌনবসিনা মপূং ওইনা লৌশিং, হৈ-শিংবশিং, মতীক-ময়াইশিং অমসুং খ্বাইদগী ফরবা থবকশিং শরুক য়ামিন্নবদা মপূং ওইনা কোনশিনগনি। খূদম ওইনা, মেন্তর অমনা অনৌবা ওঝাশিংগী ওরিএন্তেসনগীদমক খ্বাইদগী ফরবা থবকশিংগী মতাংদা থন্ন-নৈনববু মতেং পাংনবগীদমক মেন্তীশিংগী কাঙলূপ অমগা ৱারী-ৱাতাই তৌই; স্রকচরদুগী এদমিনিস্ত্রেতর অমনা কেসতা য়ূম্ফম ওইনা থন্ন-নৈনবা অমদা করম্না মতেং পাংগদবগে হায়বগী স্কিল-বিলদিং সেসন অমদা মেন্তরবু শরুক য়াহল্লি।

তাথোক-তাশিন তৌনবগী কান্নবসি মচল মরিনা লমজিংই – মিং ওইনা পল্লবদা এস্যুরেন্স, কন্সেন্সস, স্রকচর অমসুং তূলশিংনি।





**লাইয়েক 3.3: স্তেকহোলদরশিংগী মরক্তা ৱা তাথোক-তাশিনগী চৎন-পথাপশিং**

## 3.3 মিসন অসিগী ওইরক্কনি হায়না থাজরিবা মহৈশিংদু করি করিনো?

থৌ পাংথোক্লিবশিং (এক্তরশিং)না ভারতকী এজুকেসন সিস্তমদা লৌশিং, হৈ-শিংবশিং অমসুং মতীক-ময়াইশিং ফংবা অমসুং পীথোক-পীশিন তৌনবদা ফগৎহন্নবগীদমক মান্নবা পন্থুং অমা ফংনবগী পান্দমগা লোয়নননা অমগা অমগা ইথিল পীনৈ। মসিবু এজুকেসন ইকোসিস্তমগী থাকশিংদা লার্জ স্কেল, দিসেন্ত্রেলাইজ, তেক্নোলোজি-এসিস্তেদ মেন্তরিং স্ত্রকচরশিং পূনশিন্নরগা ফংবা ঙমগনি।

অমত্তা ঙাইরবা পন্থুংদি মহৈ-মশিলদা হেন্না ফগৎহল্লবা, দিসেন্ত্রেলাইজ তৌরবা লীদরশিপকী মতেংনা স্কুল এজুকেসনবু ফগৎহনবা অদুনি। থূদম ওইনা, মেন্তরিংগী থবক অসি ওঝাশিংগী লৌশিংগী পুক্কৈবু পাকথোক-চাওথোক্লবা, মথোয়গী স্কিলশিং চাওথৎনবা অমসুং ক্লাসরুমদা লৈরিবা শীংনবশিং হেন্না ফজনা থেংনবা ঙমদুনা মহৈরোই কাঙলূপ অমদা নুমিৎ থূদিংগী ওইনা মচা থায়না পীরিবা মহৈ-তম্বগী থবকপু চাওথৎহন্দুনা, মসিনা স্কুলশিংবু মগুন লৈবা মহৈ তম্ফমশঙ অমা ওইরকপা য়ানবগী অথুবা অমসুং কান্নবা পাম্বৈ ওইহন্নবগীদমক মেন্তরিংগী থবক অসি শীজিন্নগদবনি। মিসন অসি মেন্তরশিপপু য়োকখৎপদা থৌদাং অমা লৌনবগীদমক স্তেত নৎত্রগা জিলাগী থাকশিংগা মরী লৈনরিবা স্তেকহোলদরশিং/ইন্সতিত্যুসনশিংবু য়াওহল্লদুনা তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎনবগীদমক (কেপাসিতি বিলদিংগীদমক) হেন্না দিসেন্ত্রেলাইজ তৌরবা থোঙথাং অমা ওইহন্নবগী থুদোংচাবা অমসু ওই। মথা তারকপা তুংলমচত্তা, মিসন অসি স্কুল লীদরশিং, লোয়ন-লোয়ননা এজুকেস্নল এদমিনিস্ত্রেতরশিংগী মেন্তরিংদা শীজিন্নরকপা য়াই। অসিগুম্বা পন্থুংশিংসি ফংবা হায়বসি লেপ্তবা থোঙচৎ অমা ওইবগা লোয়ননা, মসিগী থুমাং চাওশিল্লকপবু তাক্লনবা থবক ওইনা উৎননবা থাক থরা লৈরি।




**লাইয়েক 3.4: মিসনগী মরুওইরবা থাকশিং**

### থাক 1: থৌরাং তৌবা

সিস্তম অমদা স্তেকহোলদরশিংনা শিনফমসিদা চাওথৎনবগীদমক ***করি-করি দরকার ওইবগে হায়বদু য়েংশিনবগী থবক*** অমা পাংথোকপা য়াই অদুগা তঙাইফদবশিংদু ফংহন্নবগীদমক মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমা চৎনহন্নবগীদমক মতীক চারবা রিসোর্সশিংগী লেন্দস্কেপ পুথোকপা য়াই। মতম অসিদা, সিস্তমসিদা থবক পাংলিবশিংনা পাক-চাউবা মেন্তরিং সিস্তম অমবু চৎনহনবগী মায়কৈরোমদা মায় ওনশিন্নবগীদমক ক্লবুক

অসিগুম্বা রিসোর্সশিং শীজিন্নবা য়াই।

### থাক 2: তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপা

মেন্তরশিং হাপ্পা হেক লোইবগা, থাক অসিদা মেন্তরশিংবু, চঙদবা য়াদবা মেন্তরিং স্কিল অমসুং তেক্নিকশিংগা ইরোয়নননা মরী লৈনবা লমশিংদা মখোয়গী হৈ-শিংবশিং শেমগৎপা য়াহল্লি।

### থাক 3: তোরোৎ-খদানরকপা

থাক অসিগী মনুংদা, মেন্তরশিংনা মখোয়না থাক 2 দা তম্লকখিবা হৈ-শিংবশিংদু লাকশিল্লবা ফিভম অমগী মখাদা শীজিন্নদুনা পাংথোকপা য়াই। মেন্তরিংগী ৱা তাথোক-তাশিন তৌনবা মতমদা মেন্তরশিং অমসুং মেন্টীশিংগী চেল্লিবা গুন অমসুং ভেল্যুগী ফীদবেক অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা স্তেজ 2 গী থাক্তা কেপাসিতি বিলদিংগীদমক শীজিন্নরিবা মেথোদোলোজিশিংদু শেংদোক্লবা তোরোৎ-খদানরকপগী স্তেজ অসি শীজিন্নবা য়াই।

### থাক 4: মপাঙ্গল কনখৎহনবা

কন্ত্রোল এনভাইরোনমেন্ত অমদা, থৌ-পাংলিবশিংনা য়াম্না থাজবগা লোয়নননা মেন্তরিং স্ত্রকচরসি অমুক্তং হেক চৎনহনখিবদা, মেন্তরশিংনা মখোয় মখোয়গী হৈনজবা লমদা মেন্তরিংগী লৌশিং তানশিনবা ঙমই। থাক অসিনা হৌজিক চত্থরিবা তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপগী (কেপাসিতি বিলদিংগী) মীফমশিংগী মতেংনা মেন্তরশিংগী লেপ্পনা চাওখৎপদু ঙমহল্লি। মতম অসিদা, মেন্তরিংগী মরী শেমগৎপনা অরোইবগী পান্দমদা ফংলক্লিবা গ্রোথ অমসুং দেভলপমেন্ত অসিনা মেন্তরিং স্ত্রকচরগী কান্নবা মশক খঙবদা মতেং ওইগনি অমসুং থমখিবা পান্দম অদু ফংনবা অমুক হন্না শেমদোক-শেমজিন তৌবা য়াগনি।

মসিদা ফংলক্লিবা মহৈশিংদু (আওতকমশিংদু) মেন্তরিং প্রোগ্রামগী পান্দমশিংগা চূনহনগদবনি। খূদম ওইনা, মহেরোই অমনা তীচর্স পীয়র মেন্তরিং সর্কলশিংগী প্রোগ্রামগী থুখাংদা ইবা, পাবা অমসুং মশীং চৎপা ঙম্বগী ফংলক্লিবা ফল হেনগৎহন্নবা, মদুবু ইভাল্যুএত তৌবা হায়বসি মহেরোই অমনা ইবা, পাবা অমসুং মশীং চৎপা ঙম্বগী হীরমদা হেনগৎলক্লিবা মহৈশিংদুগী চাদা লৌবা চাং(%)অদুনি।

### থাক 5: চাওখৎলকপা (গ্রোথ) অমসুং সস্তেইনেবলিতি

থাক অসিদা মেন্তরিং স্ত্রকচর অদুবু চাংয়েং তৌবগী থবক্তগী মেন্তরিংবু থবক ওইনা পাংথোক্লবা কাঙলূপ অমা শেমগৎপরোমদা পূক্নিং চিংশিল্লকই। মেন্তরিং স্ত্রকচর অসি হৌজিক্তি সিস্তমসিদা মরী লৈনরিবা স্তেকহোলদর পূপ্পমক্কা শরুক য়াহনবা অমসুং মসিদা মখোয়গী পূক্নিং লেপ্পনা চিংশিন্দুনা মখোয়বু য়াওহনবরোমদা চঙশিনবা ঙল্লগনি। মেকানিজম খরা মখাগীসিদা হাপচিল্লবদি মসি ফংবা ঙমগনিঃ

a. পীরিবা মতীক-ময়াইশিংদুবু উৎতুনা শরুক য়াহন্নবগী তঙাইফদবদু লৈহনবা
b. মীপূম খূদিংমক্কা শরুক য়াবা ঙমহন্নবগী ইন্সতিত্যুস্লেলাইজেসন তৌবা অমসুং
c. মরী লৈনবা পূক্নিং থৌগৎপগী ওইবা ইনসেন্তিভশিংগী মতেংনা স্ত্রকচরশিংদা লেপ্পনা শরুক য়ানবগীদমক মসিদা থবক তৌরিবশিংবু য়াওনীংবা পোকহনবা।

মখাদা পীরিবা তাঙ্ককশিংসিনা, মেন্তরিং সিস্তম অমগী মনুংদা মথক্তা পনখিবা মিসন অসিবু হেন্না পাকথোক-চাউথোক্লা শন্দোকপগী থবক পাংথোক্লবগীদমক থবক পাংথোক্লিবশিংগী মরক্তা ৱা তাথোক-তাশিন তৌবগী ভেল্যু মপূং ফানা হেনগৎহন্নবা ৱাখল্লোন খরা খূদম ওইনা পল্লি।

# পন্দুপ IV

# মেন্তরিংগী অয়েৎ-অপনশিংবু কোকহন্নবা পাম্বৈশিং



# পন্দুপ IV: মেন্তরিংগী অয়েৎ-অপনশিংবু কোকহন্নবা পাম্বৈশিং

## 4.1 মেন্তর থনবা

লৈরিবা স্ত্রকচরশিং অদুগী কান্নবা ওইনবা অমসুং চথরিবা থৌওংদু তুং কোইনা লৈহৌনবা এদমিনিস্ত্রেতর অমা (মী অমা নৎত্রগা য়ুনিত) লৈরিবসিগী মথক্তা মেন্তরিংগী ৰাখল্লোন অসি শাগৎনবা দরকার ওইরিবসি মসিগীদমক হাপ্লবা মেন্তরশিং অমসুং মেন্ত্রীশিংসিনি। তাঙ্কক অসিনা মেন্তরশিং থনবগী থৌওংদু করিগা মান্নগনি হায়বা ৰাখল্লোন অমসুং মেন্তরিং স্ত্রকচর অমনা মায় পাকপা ঙমহনগদৌরিবা মেন্তরশিং অমসুং মেন্ত্রীশিংগী শাগোন্নরক্লবা গুনশিংবু কোনশিনগনি।

### 4.1.1 মেন্তর থনবগী থৌওং

মেন্তরিংগী মরী অমদা, মেন্তর অদুবু স্ত্রকচরদুদা য়াওরিবা অতোপ্পা স্তেকহোলদরশিংনা থাজবা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। মেন্তর থন্নবগী পায়থৎলিবা থৌওং অদুনা মেন্তরদা থাজবা লৈহনবা অমসুং মসিগী মহৈ ওইনা মেন্তরিং ইন্তরেক্সনশিংবু ফংহল্লিবা মওংদুদা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌই। মেন্তর থনবগী থৌওং অসিনা মথাগীশিংসিবু ঙমহল্লি হায়বসিমক য়াম্না মরুওইঃ

a. লেংমান্নবশিংনা থনগৎপা অমসুং/নৎত্রগা থনবদা মতীক চারবা কেন্দিদেতশিংনা মথোয়গী পূক্নিংগী পামজবশিং ফোঙদোকপা
b. মেন্তর থনবগী পথাপ-চৈশিং (ক্রাইতেরিয়া)গী মতেংনা কেন্দিদেতকী দরখাস্ত অদুগী অফ-ফত্ত নৈনবা
c. মেন্তরশিংগী ওরিএন্তেসন অমসুং তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপা

তোঙান-তোঙানবা লমশিং/দিসিপ্লিনশিংদগী সোসিওলোজিস্তশিং, সাইকোলোজিস্তশিং অমসুং এজুকেস্নিস্তশিংবুসু চূনবা মেন্তর থন্নবগী থৌওং অমা য়াথোকপদা মতেং ওইনবগীদমক পুশিল্লকপা য়াই। মসিনা সিস্তমগী তঙাইফদবশিং অদুগী মথা পোন্না থনবগী থৌওংবু অথন্নবা ফিভম অমদা মফম চানা পুরকপদা মতেং পাংবসু য়াই।

মেন্তর থনবগী থৌওং অসি, থবক অসিদা অনীংবা-অপাম্বা লৈরিবা কেন্দিদেত পূন্নমক্তা ফংহনগদবনি। থূদম ওইনা, শীজিন্নরিবা তেক্নোলোজিদুগা চূশিন্নবা ঙমদবা নৎত্রগা খুদোংচাবা ফংদবা মতীক চারবা কেন্দিদেতশিং লৈরম্বা য়াই। মতৌ অসুম্না, মেন্তরিং স্ত্রকচর অদুনা ওল ইন্দিয়া/স্তেত সর্ভিস ওফিসরশিংগুম্বা, অতোপ্পা লমশিংদগী মেন্তরশিংবু থনবগী অপাম্বা লৈরবদি, থনবগী থৌওং অদু মথোয়না দরখাস্ত থারকপা য়ানবা মথোয়দা উহনবা তাই। মেন্তর থনবগী থৌওংসিনা মতীক চারবা কেন্দিদেতশিংনা দরখাস্ত থারকপদা অথিংবা অমদি ওইহল্লোইদবনি।

## 4.2 মেন্তরশিংগী শাগোন্নরক্লবা গুনশিং

মেন্তর অমসুং মেন্ত্রী অমনা মসিদগী খ্বাইদগী হেন্না মহৈ লোক্লবগী চেনগদবা শাগোন্নরক্লবা মগুন থরদি, মেন্তরিংগী মরী অমগী মমাং অমসুং মনুংদা, তঙাইফদনা মশাদা লৈগদবশিং, থৌরাং তৌদুনা লৈবা অমসুং তম্নবা হোৎনবা হায়বা গুন থরা অসিনি। মেন্তর অদুনা প্রোগ্রামসিগী আশা তৌরিবা তম্বগী মহৈশিংদু ফংহনবা ঙম্নবা মসিমদি তৌরগেদো হায়বগী গুনশিং লৈগদবনি। মেন্তরিংগী মরী অমদা থৌদাং অমা লৌবা ঙমগদবা

তঙাইফদবা ওইনা য়েংবা য়ারিবা শাগোন্নরক্লবা গুন খরা লৈ, অদুগা শাগোন্নরক্লবা গুন খরনা মেন্তর ত্রেইনিং অমসুং লেপ্তনা চত্থরকপা তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপা প্রোগ্রামশিংগী মতেংনা শেমগৎলকপা ঙম্মী।

মেন্তরিংগী লৈরিবা মওং-মতৌ অদুগী ফিভমগী মখা পোন্না, মতাংসিদা মেন্তর থনবগী হেক অহৌবা মফম অমা ওইবা য়াবা অদুগা মতুং তারকপদা, মেন্তর ত্রেইনিংগী রিফরেন্স অমা ওইনা মখৌ তৌবা য়ারিবা শাগোন্নরক্লবা গুনশিংগী মথং-মনাওগী পরেং অমা পীরি।

a. **তোঙান-তোঙান্না লৈরিবা থেন্নবশিংদু মশক খঙবাঃ** ফিভম অসিদা, তোঙান-তোঙানবা মখলশিংবু মশক খঙবা হায়রগা মেন্তরিং প্রোগ্রাম পাংথোক্লিঙৈ মনুংদা লৈরিবা অকোয়বগী ফিভম অমদা তোঙান-তোঙানবা মীশিং, কাঙলূপশিং অমসুং ফোঙদোক্লরকপা মোতশিংগী লৌশিং লৈবদুবু খঙনৈ। মসিদা সোসিও-ইকনোমিক বেকগ্রাউন্দ, পা-পী (জেন্দর), চহী, নাৎ, কাস্ত, লাইনীং-লীচৎ অমসুং মেন্তর অমদি মেন্তী ময়াম অমগী অতোপ্পা শক্লোনশিংগা মরী লৈনবা মীগা মীগগী থেন্নবশিং খঙবা য়াওরি।

b. **কান্নবা মওংদা পাউ ফাওনবাঃ** কান্নবা মওংদা পাউ ফাওনবা হায়বসি মেন্তর অমগী মরুওইবা শাগোন্নরক্লবা গুন অমনি। মসিদা তেন্না অমসুং ময়েক শেংনা অমদি থাজহনবা মওং অমদা ৱাথল্লোন, কনসেপ্ত, লৌশিং, ৱাখল অমসুং পূক্নিংগী ইহুলশিংবু শুপচিন্না অমসুং থাজহনবা মওং অমদা পাউ ফাওনবা ঙম্বগী মতীক য়াওরি। অতোপ্পশিংনা ঙাংবদা মুন্না তাবা, লৌশিনবা ঙম্বা অমসুং পাউখুম পীবা হায়বসিসু মেন্তরশিংগী ওইনা চপ মান্ননা মরুওই। মরম অসিনা, কান্নবা মওংদা পাউ ফাওনবা হায়বসি প্রোগ্রামবু মায় পাক্লা চৎনহনবদা তঙাইফদবনি।

c. **অতোপ্পশিংগী পূক্নিং ইহুলবু খঙবাঃ** মেন্তরশিংনা মথোয়গী মেন্তীশিংগী পূক্নিং ইহুলশিংবু খঙগদবনি, মথোয়গী মীৎয়েং, পূক্নিংগী ফিভম, ৱাথল্লোন অমসুং থেংন-উরকপদগী খঙলক্লিবশিংদুবু খঙবগা লোয়ননা অমগা অমগা মরী লৈনহনগদবনি। মসিনা মেন্তরশিংনা চূনবা মওংদা লমজিংবা অমসুং ঙাক্লৌ পীবা ঙমহল্লি।

d. **থেংন-উরকপদগী খঙলকপাঃ** ফিভম অসিদা থেংন-উরকপদগী ফংলকপা লৌশিংসি মরুওই মরমদি মেন্তর অমসুং মেন্তী অনীমক প্রোগ্রাম অসি পাংথোকপগী মরুওইবা শান্নরোইশিংনি। হায়রিবসি মেন্তরশিংনা মথোয়গী শিনফমগী চাওথৎলকপগী থোঙচৎতা, তানশিল্লক্লিবা লৌশিং, হৈ-শিংবা অমসুং তৌবা ঙম্বগী মতীক অদুবু খঙনৈ। মেন্তীগা মান্নবা কাঙলূপ্তা লৈবদগী মেন্তরশিংনা থেংন-উরকপদগী ফংলকপা মমল য়াম্লবা লৌশিং অসি মেন্তীনা মায়োক্লরিবা ফিভমশিং অমসুং শীংনরক্লিবশিংগা মরী লৈনহনবগা লোয়ননা খ্বাইদগী ফজনা পাংথোকপা থবকশিংগী খূদমশিংবু চিংথোকপা অমসুং শরুক য়ামিন্নবা হায়বসি দরকার ওই।

e. **য়াম্না খঙ-হৈবাঃ** য়াম্না খঙ-হৈবা হায়বসি হীরম, শিনফম নৎত্রগা লম অমদা লৌশিং, হৈ-শিংবা, খুৎলোয়বা নৎত্রগা থাক ৱাংনা খঙবগী অৱাংবা থাক অমা লৈরিবা কনাগুম্বা অমবু তাকপদা শীজিন্নবা ৱাহৈনি। মেন্তীনা মথোয়গী লমদুদা মনুং হজিন্না খঙবা ঙম্নবগীদমক, মেন্তরনা মরী লৈনরিবা লম (হীরম) নৎত্রগা হীরম অদুগী ফিবান্নুং (দোমেইন) অদুদা হৈথোই-শিংথোইরবা অমা ওইগদবনি অমসুং মুন্না খঙবা অমদি খ্বাইদগী ফবা থবকশিং পীবা ঙমগদবনি।

f. **শেমদোক-শেমজিন য়াবাঃ** মেন্তরিংগী থৌরাংদা শেমদোক-শেমজিন য়াবা হায়বসি মেন্তরশিংগী মরুওইবা শাগোন্নরক্লবা গুনশিংগী মনুংদা অমনি। মেন্তরশিপ প্রোগ্রামদা, মেন্তরশিংনা মেন্তীশিংগী

মখৌ তারকপগী মতুংইন্না মচাক-মথুম অমসুং খৌরাংদুগা চূশিন্নহনবা অমসুং চূশিন্ননা শেমদোকপা হৈবা তাই। মেন্তী পূন্নমক্তা মচাক-মথুমশিং অদু ইরাই-লাইনা ফংহন্নবগীদমক ফোঙদোকপগী মওং-মতৌ কয়া অমবু শীজিন্নবা হৈবগী মতীক্কু মহাক্কী লৈগদবনি। থৌওং অমসুং খৌরাং অনীমক্তা শেমদোক-শেমজিন য়াবসিনা মেন্তরিং প্রোগ্রামদা মরুওইবা খৌদাং অমা লৌই।

g. **অনৌবা ইথিল পোকহনবাঃ** মায়পাক্লবা মেন্তর অমদা অতোপ্পবু ইথিল পোকহনবা ঙম্বগী গুনশিং লৈগদবনি। মেন্তীশিংবু ইথিল পীরিবা মেন্তরশিংনা খৌরাংবা, থৱায় য়াওবা অমসুং মাঙলোমদা চঙশিনবগী ৱাখল্লোন অমবু য়াকায়হন্দুনা মখোয়গী থ্বাইদগী চাউনা তুংদুনা লৈরিবা মতীংদুবু ফংহনবদা মতেং পাংই। পূক্কিং ইথিল য়াকায়হল্লিবা মেন্তর অমনা মেন্তীশিংবু থোইদোক-হেন্দোকপা ওইনবা অমসুং তৌথোরক্লিবা থবক্তু পাংথোকপদা অৱাংবা আশা থম্বা য়াননবা মেন্তী অমবু মাঙলোমদা ইনথৎলি। মখোয় মশামক্কী থবক অমসুং মায় পাকপা অসিনা, অচৌবা থবকশিংসি পাংথোকপা ঙম্মী হায়বসি থূদম ওইনা উৎলদুনা, মখোয়না মখোয়গী মেন্তী অসি মখোয়না খুৎলোইবা মফমদগী ৱাংমা লান্দুনা মখোয়গী পান্দম ফংনবা হোৎননবা পূক্কিং থৌগৎলি।

h. **লুচিংবা ওইবগী হৈ-শিংবাঃ** অতোপ্পশিংবু মান্নবা আশা নৎত্রগা পান্দম অমগী মায়কৈরোমদা লমজিংনবা, ইথিল পীনবা অমসুং য়াকায়হন্নবগীদমক, মেন্তরশিংগী লুচিংবা ওইবগী তোপ-তোপ্পা গুনশিং অমসুং লমচৎ-শাজৎশিং লৈগদবনি। লুচিংবা ওইবগী হৈ-শিংবশিংসি মেন্তরিংগী মরীবু মখোয়গী মেন্তীশিংগী পূক্কিং থৌগৎনবা অমসুং লমজিংবদা ইথিল পীনবগীদমক য়াম্নমক মরুওই।

i. **ক্রিতিকল থিঙ্কিংঃ** মেন্তরশিংগী ওইনা, নিতি-নিয়ম অমদি মরম চাবদা য়ূম্ফম ওইরগা ৱাখল্লোনশিং, থল্লিবা ৱাখলশিং অমসুং ফিভম্নচিংবশিংবু নৈনবা অমসুং অফ-ফত্ত য়েংশিনবা হায়বসি মরুওই। মেন্তরশিংনা মতম পূন্নমক্তা অয়েৎ-অপনশিংবু মরম চানা কোকহনগদবনি অমসুং থূদম চাংদম থিবা তৌদনা চুল্লবা ৱাফমশিং নৎত্রগা ঈ-পাউশিংবু য়াবথক নত্তনদগী হেন্না তোঙান-তোঙানবা মীৎয়েংশিং (পর্স্পেক্তিভশিং)সু থন্নগদবনি। ক্রিতিকল থিঙ্কিংনা মেন্তরশিংনা মেন্তীশিংবু শীংনরক্লিবা অমসুং থুরৌ ওইরিবশিংবু থৈদোক্তুনা চৎনবা হোৎনবা, মখোয়গী খৌরাংশিংবু নৈনবা, ফিভমদুগা চূননা পাউখুম পীনবগী মতেং পাংবা ঙমহল্লি।

j. **ক্রিএতিভিতিঃ** মেন্তরশিংনা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোকপদা অমসুং মেন্তীশিংনা শীংনরকপশিং লাকশিনবা ঙম্নবা অনৌবা পাম্বৈশিং শেমগৎনবা হোৎনবদা ক্রিএতিভিতিনা মেন্তরশিংবু মসিদা দরকার ওইবশিংদু খৌরাং তৌদুনা হাপ্লি। তোঙান-তোঙানবা মোতশিংবু থিদোকপা অমসুং অনৌবা পাম্বৈশিং পুথোকপা ঙম্নবগীদমক অনৌবা ৱাখল্লোন, কনসেপ্ত অমসুং পর্স্পেক্তিভশিংগা লোয়ননা চাংয়েং পাংথোকপদা মেন্তীশিংবু পূক্কিং থৌগৎপা হায়বসি মেন্তরশিংগী ওইনা য়াম্নমক মরুওই।

k. **ৱাখলদা লাকহনজবাঃ** রিফ্লেক্তিভ স্কিলশিংনা মেন্তরশিংনা মশাবু হেন্না মশক থঙজনবগীদমক (সেল্ফ-রিফ্লেক্সনগীদমক) মখোয়গী থল্লিবা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনশিংবু পাংথোকহনবা, মেন্তরিং সেসনবু নৈনবা, মেন্তীশিংদগী ফীদবেক লৌবা অমসুং মেন্তরশিং ওইনা অসুম'সুম চাওখৎলকপা ঙমহল্লি। মসিনা মেন্তরশিংনা মখোয়গী লাল্লোংশিংবু শেমদোকপগা লোয়ননা মেন্তীশিংগী তঙাইফদবশিংবু মমুৎ তানা খঙবদা মতেং পাংই অমসুং ৱাহন্থোক লৈনা লমজিংই অমসুং ঙাক্লৌ পী। মসিগী রিফ্লেক্তিভ স্কিলশিংবু শেমগৎনবগী অমসুং য়োকথৎনবগীদমক মেন্তীশিং পূক্কিং

থৌগৎপা হায়বসি মেন্তরশিংগী ওইনসু মরুওই।

মথক্তা পনখ্রিবা শাগোন্নরক্লবা গুনশিং অসিগীসু মথক্তা, মেন্তর অমগী মেন্তীশিংগী শীংনরক্লিবশিংবু খঙনবা অমসুং মথোয়বু নিংখিজনা ঙাক্নৌ পীনবগীদমক অৰাংবা ইমোশ্নল ক্নোসন্ত অমা লৈগদবনি। ময়াম্না শকখঙনরবা মেন্তর (মেন্তর পরসোনা) খরগী খূদম খরা মখাদা পীরিঃ

## মেন্তর পর্সোনা 1

মিস অস্মিতা পন্ত কেন্দ্রিয় বিদ্যালয়গী প্রিন্সিপালনি। মহাক্না স্কুল অনীথক্তা হৌখিবা চহী 20 চুপ্পা স্কুলগী লীদর অমা ওইরম্মী অদুগা চহী 10 গী মমাংদা কেন্দ্রিয় বিদ্যালয়দা প্রিন্সিপাল ওইনা চঙলকখি। ওঝা অমা ওইনা, হৌখিবা মতমসিদা তম্বীবগী হীরম (পেদাগোজি)দা য়াম্না খঙ-হৈরকখি অমসুং স্কুলদু ফগৎহনবা ঙম্নবগীদমক মহাক্কী লৌশিং অমসুং থেংন-উরকপনচিংবদগী খঙলকপশিংদু শীজিন্নবা পামখি। মহাক্না লীদরশিপ মোদ্যূল খরা লোইশিল্লগা অমসুং কাঙলূপশিং অমসুং ইন্সতিত্যুসনশিংবু শিন-লাংবগী লমদা লৈজরিবা লৌশিংদুবু হেনগৎহল্লগা থবক পাঙবা হৌরকখি। মহাক্না স্কুলদুগী ওঝাশিং অমসুং স্তাফকী মোতশিং লৌরম্মী অমসুং ফগৎহনবগী মথৌ তারিবা লমশিংবু মশক খঙদোক্লম্মী। শীংনরক্লিবা লমশিংদুগী মতাংদা ওঝাশিং অমসুং স্তাফকা ৰারী শাবা মতমদা, পূক্নিং চঙনা তারম্মী, মীপূম খূদিংমক্কী তোঙান-তোঙানবা মতীকশিং অমসুং চাওখৎলকপগী লমশিং লৈ হায়বা খঙলকখি। ফীদবেক লৌবা মতমদা, কম্সত্রক্তিভ ফীদবেক্তা মীৎয়েং থম্লগা, মতীক অমসুং চাওখৎপগী লম অনীমকপু মশক খঙদোক্লবা অমসুং খূদম-চাংদম পীনবা হোৎনখি। মহাক্না মহাক্কী থবকশিং অমসুং মথোয়গী মহৈশিংগী মরমদা হেক হেক খল্লি অমসুং মহাক্কী থবকশিংগী মায়ওন চুম্বা অমদি মহাক্কী থবক্তা মহৈ য়ানহন্দ্রিবা অমসুং তুংলোমদা হল্লকহল্লিবা মওং-মতৌদুবু থুগাইবদা মহাক্কী ৰাখলদুবু শীজিন্নৈ। মতম চূপ্পদা হেন্না হেন্না তমশিনবা পাম্লদুনা, স্কুল স্তাফকী হৈ-শিংবা হেনগৎহন্নবগীদমক ৱার্কশোপশিং শীন্দুনা লেপ্তনা তমশিন্নবা অমসুং তমশিনবসিনা লেপ্পবদি করম্না খুমাং চাওশিল্লকপগে হায়বদু খূদমশিং পীদুনা উৎনবগীদমক মহাক্কী স্কুলদা অতোপ্পদা পূক্নিং থৌগৎলি। মহাক্না মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা ওঝাশিংগী শাফনবা অমসুং তংদু-লৈতানবা শীল্লম্মী অমদি তঙাইফরক্তবা মতমদা মতেং ফংহল্লম্মী। মহাক্কী মীয়াম মাংদা ৰা ঙাংবগী হৈ-শিংবসিনা মহাক্না করিবু হায়রিবগে হায়বসিদা মীপূম খূদিংমক্কী পূক্নিং চিংশিল্লম্মী অমসুং থবক ওইনা পাংথোক্লবা ইনোৎ হাপ্লম্মী। স্কুল ফগৎহন্নবগী প্রোজেক্তশিং চহী কয়ামুক থেংনরকপদগী খঙলকপা লৌশিংগা লোয়ননা হৌজিক স্কুল লীদর অমা ওইনা, মহাক্না তোঙান-তোঙানবা ফিভমশিংদগী হেন্না তমশিন্নবগীদমক লৈবাক শিনবা থুংনা স্কুল লীদরশিংগী মেন্তর ওইবা অমসুং হেন্না ফবা স্কুলশিংগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লিবা স্কুল লীদরশিংগী থোঙচৎতা শরুক য়ারিবা অমা ওইবদা পূক্নিং লূপশিল্লক্লি।

## মেন্তর পর্সোনা 2

মিস্তর অমরপাল বালেং অসি সি বি এস ই দা এফিলিএত তৌবা স্কুল অমদা জিওগ্রাফিগী ওঝা অমনি। মহাক্না চহী 20 সি ওঝা ওইদুনা লাক্লি অদুগা মহাক্কী স্কুলদা অতোপ্পা ওঝাশিংগী ওইনা লেঙদ্রবা পূক্নিং থৌগৎফম ইথিল পোকফম অমা ওইরক্লি। ওঝা অমা ওইনা মহাক্কী হৈ-শিংবসিগী মথক্তা, মহাক্না অতোপ্পা ওঝাশিংনা হায়বা মুন্না তাই অমসুং স্কুলগী চৎনরোল অসিদা হৈনবা পোক্লবা নৌনা চঙলকপা ওঝাশিংদা মতেং পাংই। মহাক্কী ইন্সতিত্যুসন্দা স্তাফ মেম্বর পূম্নমকপু তেংবাঙনবা,

শাফবা মফম অমা শেমগৎনবা অমসুং ঙাক্তুনা থন্নবগী থোইদোকপা হৈ-শিংবা অমা মঙোন্দা লৈ অমসুং ময়াম্না ইথিল পোকহনবা ঙম্বা ওঝা অমা ওইনা লৌনৈ। মহাক্না শাফবা, প্রোফেস্নেলিজম অমসুং থবক শুফম অমদা থবক শুবগী হৌন-লোনচৎকী ৱাংলবা মতীক-ময়াইগী মরুওইবা অমসুং কান্নবশিংদু থঙই অদুগা মসিবু থবক ওইনা পাংথোক্তুনা ময়েক শেংহল্লি। হৌজিক্তি মহাক্না অতোপ্পা ওঝাশিংনা মতেং ফংলে, লমজিংবীরে অমসুং স্কুলদু তংদু লৈতারে হায়না থঞ্জরগা মতেং পাংবদা মহাক্কী হৈ-শিংবা লৌশিং শীজিন্নবা অমসুং শিনফমগী ওইবা পুন্সি মহিংবু মপুং ফাহনবগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লিবা থোঙচৎতা মহাকসু শরুক য়ারিবা মীশক অমা ওইবা পাল্লি।

## 4.3 মেন্তীশিংগী শাগোন্নরক্লবা গুনশিং

মেন্তরিংগী মরী অমা মায়পাক্লবগীদমক, মেন্তী অমনা পান্দমদা মায় ওনশিনগদবা, অনৌবা থবক পাংথোক্লিংবা লৈবা, শীংনরকপশিং মায়োক্লবা ঙম্বা, তম্বদা হৈনিংবা উৎপা অমসুং মায়পুননা থৌদাং লৌবা অসিনচিংবসি ওইবা তাই। মথোয়না থৌনা ফনা শরুক য়াদুনা মথোয়গী ক্রিতিকল ফেকল্তিশিং লেঙদনা থম্বা, মশাগী লৌশিংগী মথক্তা অনৌবা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিং থিবা, মশাগী থৌদাং লৌজবা অমসুং মায় পাক্লবগীদমক লৈরিবা ইথিল কয়ামুক্না হকথেংনহনবা তাই।[9] মেন্তী পর্সোনাগী থূদম খরা মখাদা পীরি।

### মেন্তী পর্সোনা 1

মিস্তর সেলভা কুমার, কেন্দ্রিয় ভিদ্যালয়দা ওঝা ওইবনি। মহাক্না স্কুলদুদা চহী 12 চুপ্লা ওঝা ওইরক্লি। মহাক্কী হেন্না তমশিনবা অমসুং মহাক্না লৌরিবা থৌদাংদা চাওখৎপা পাম্বগী মতৌ অদুনা স্কুল এজুকেসনগী লমদা তম্বা য়াবা খরা তম্বা ঙমহনথি। মহাক্না চাংচৎকী ওইবদগী হেন্না শিংথানিঙাই ওইরবা লৌশিং তানশিন্নবগীদমক স্কুল অমদা লৈরিবা মতীংশিংবু উরম্মী অমসুং মদুনা মহৈরোই পূম্নমক্কী ওইনা য়াম্না চাউবা এক্সপরিয়েন্স অমা ওইরকই। হৌজিক্তি মহাক্না স্কুল ফগৎহন্নবগী থোঙচৎতা মেন্তরশিংদগী পাউতাক লৌবা পাম্লক্লে অমসুং হীরমদুগী মতাংদা তম্বদা নুংঙাইবা পোক্লি।

### মেন্তী পর্সোনা 2

মিস সঙ্গীতা প্রধান জৱাহর নভোদ্যা ভিদ্যালয়দা ইংলিসকী ওঝা ওই। মসি মহাক্না তম্বীবগী লমদা শিনফমগী ত্রেইনিং তৌরুরবা মতুংদা ওঝা অমা ওইনা অহানবগী ওইবা মতম পূম্বদা পুগদবা শিনফল্লি। স্কুলদুদা ওঝা অমা ওইনা হেক চঙলকপগা, মহাক্না মহাক্কী ত্রেইনিং অদুবু ক্লাসরুমদা পানশিন্নবগীদমক তম্বদা মতম খরা চঙথি। ৭ শুবা অমসুং ৮ শুবা গ্রেদকী মহৈরোইশিংগী ক্লাসরুমদা, তোঙান-তোঙানবা মথলগী তল্লিবা অঙাংশিং য়াওনা, থবক তৌবগী শীংনরকপা কয়ামুক লৈরম্মী। মিস প্রধান্না চুশিন্নবা ঙম্নবা অমসুং স্কুলদুগী লৈরিবা অতোপ্পা ওঝাশিংগা ৱাখল তানা লোয়নননবা অমসুং মতেং পীনবগীদমক মহাক্কী নেতৱার্কতা মতম লৌনবা ৱারেপ লৌরম্মী। মহাক্না তমশিনবা য়াম্না পামজৈ, মেন্তরশিপপু তম্বা অমসুং থিবদা পূক্নিং চঙলম্মী অমসুং মহাক্কী লেংমান্নবা ওঝাশিংগা ৱারী-ৱাতাই তৌবা, মহাক্না য়াওথিবা ৱার্কশোপশিং অমসুং লেপ্তনা থনবগী মতেংনা ক্লাসরুমদা থেংনরক্লিবা খুদোংচাদবশিংবু থৈদোক্তুনা চৎপা ঙম্লম্মী।

[9] National Institute of Technical Teachers Training and Research. (2020, September). Making Mentoring Relevant: NEP 2020 PERSPECTIVE

## 4.4 মেন্তরগী চাওখৎলকপা

মেন্তরশিংদা মায়পাক্লবা মেন্তরিংগী মরীশিংদু খ্বাইদগী ফগৎহন্নবা অমসুং মায়পাকপা পূরকপা ঙম্নবগীদমক খুৎলাইশিং অমসুং খুদোংচাবশিং পীগদবনি। মেন্তরগী চাওখৎলকপা হায়বসি থাক অনীদা মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমা হেক্তগী শরুক অমা ওইগদবনিঃ

a. মেন্তরশিংবু অমুক্তং খনখ্রবদি, মেন্তর ট্রেইনিং প্রোগ্রাম অমনা মেন্তরিংগী ইথিল পীনবদা মতেং পাংনবগীদমক হেন্না ফজনা থৌরাং তৌবদা মেন্তরশিংবু মতেং পাংই।

b. মেন্তরিং প্রোগ্রাম্না অসুম মখা চত্থরকপগা লোয়ননা, লেপ্পা লৈতনা শিনফম চাওখৎলকপা (কন্তিন্যুস প্রোফেস্নল দেভলপমেন্ত - সি পি দি) অদুগী খুদোংচাবশিংগী কাঙলূপ অমনা মেন্তরশিং ওইনা মতেং পাংলকপা অমসুং চাওখৎলকপগী ইহুল পোকহনবদা মেন্তরশিংদা মতেং পাংবা ঙম্মী।

### 4.4.1 মেন্তর ট্রেইনিং প্রোগ্রাম

মেন্তরশিংগী মশাদা অতোপ্পগা পাউ ফাওদোক-ফাওজিন তৌবা ঙম্বা, অতোপ্পগী পূক্নিং ইহুল খঙবগা লোয়ননা মশাগী পূক্নিং ইহুল হৈ-শিংনা শীজিন্নবা ঙম্বা, সমস্যাশিং কোকহনবা ঙম্বগী হৈ-শিংবশিং, মতম মাঙহন্দনা শীজিন্নবা হৈবা অমসুং লূচিংবা অমা ওইবগী হৈ-শিংবশিং য়াওনা শিনফম পায়বগী হৈ-শিংবা মগুন ময়াম অমা লৈজে। অসিগুম্বা শিনফমগী ওইবা হৈ-শিংবশিং অসিনা মেন্তরশিপ প্রোগ্রামদা মখোয়গী মেন্টীশিংবু ঙাক্লো পীবা নৎত্রগা লমজিং-লমতাকপা ঙমহল্লি। মেন্তর ট্রেইনিং প্রোগ্রাম অমনা মেন্তর অমবু হীরম অনীদা হায়বদি ফাউন্দেস্নল মেন্তরিং স্কিলশিংগী চাওখৎলকপা অমসুং মেন্তরিং মখলশিংগী মরমদু খঙহনবদা মতেং পাংগদবনি।

#### 4.4.1.1 মেন্তরিংগী য়ূক্ষম ওইরিবশিং (মরুওইরবা হৈ-শিংবশিং)

ট্রেইনিং অসিনা পোকহনবা ঙমগদবা হৈ-শিংবা খরা লৈঃ

**তেবল 4.1: হৈ-শিংবশিং, মচলশিং অমসুং শন্দোক-ৱারোল**

| হৈ-শিংবশিং | মচলশিং | শন্দোক-ৱারোল |
|---|---|---|
| ঈ-পাউ ফাওনবা | মুন্না তাশিনবা | মেন্তরিং, অরুবা ৱারী-ৱাতাইশিংনচিংবদা মুন্না তাশিনবগী শিংথানিঙাই ওইবা অমসুং মরুওইবা মচাকশিং |
| | পূক্নিং চঙবা অমসুং করিগুম্বা অমা খিজিন্নবগী ৱাহংশিং হংবা | তোঙান-তোঙানবা ফিভমশিংদা তোঙান-তোঙানবা মখলগী ৱাহংশিং হংদুনা ৱাহন্থোক লৈরবা ৱারী-ৱাতাইশিংদা লমজীংবা |
| | ফীদবেক পীবা অমসুং লৌবা | কান্নবা মওংদা চাওখৎনবগী ফীদবেক লৌবা অমসুং পীনবগী পাউতাকশিং |
| | হোংলক্লিবশিংবু শেন্নবা | কাঙলূপকী ওইবা অওনবা অমসুং মসিগী মতাংদা পাউ ফাওনবগী মতেংনা মীশিংবু অফবরোমদা লমজিংনবা অমসুং ইথিল পীনবা পাম্বৈশিং |
| | অশানবা মীৎয়েং অমসুং পন্থুংশিং শেম্বা | মেন্তরিংগী মরী অমা শেমগৎনবগীদমক ৱাহন্থোক লৈবা অশানবা মীৎয়েং অমসুং কা হেন্না কান্নগদবা পন্থুংশিং শেম্বা |
| | শন্দোক্লা তাকপা ঙম্বগী গুন শেমগৎপা | কাঙলূপশিংদা মায় পাক্লা শন্দোক্লা তাকপা ঙম্বগী গুনবু শেমগৎপা অমসুং কাঙবু, য়েংশিনবা অমসুং ফীদবেক পীবদা হৈ-শিংবশিং উৎপা |

| | | |
|---|---|---|
| **লুচিংবা ওইবা** | চাওথৎপা ৱাখল্লোন অমা শেমগৎপা | চাওথৎপা ৱাখল্লোন অমা লৈবগী তঙাইফদবদু শেংনা হায়বা অমসুং কনাগুম্বা অমগী মশাগী অমসুং মখোয়গী মেন্ত্রীশিংগী চাওথৎপা ৱাখল্লোনবু ফগৎহন্নবগীদমক অপূনবা লাল্লোং য়াৎমিন্নবা |
| | মতমবু শেন্নবা | মতম অমসুং থবকশিংবু শেন্নবা অমসুং খ্বাইদগী মরুওইনা লৌনবগী পাউতাকশিং |
| | নাৎ শেমগৎপা | হেন্না ফবা কাঙলূপ/মেন্ত্রী গ্রুপকী নাৎ শেমগৎনবগীদমক পাম্বৈশিং থঙবা অমসুং চৎনহনবা |
| **অতোপ্পা থোরক্লিবা হৈ-শিংবশিং** | নেতৱার্কিং | মরম চানা অয়েৎ-অপনশিংবু কোকহনবা ঙম্লিবা অমা ওইনা নেতৱার্কিংগী মরুওইবদু থঙবা |
| | মেন্তরিং অমসুং মসিগী নুংগী মচৎ | মেন্তরগী পাম্বৈশিংগা লোয়ননা, মেন্তরিং অমসুং মসিগী মরুওইবদু তাকপা |

### 4.4.1.2 মেন্তরিংগী মখলশিং

মেন্তরিংগী ৱা তাথোক-তাশিন তৌনবসি মতম অমত্তদা নৎত্রগা তোঙান-তোঙানবা মতমদা, ভর্চ্যুল অমসুং ফিজিকল মোদ অনীমক্কী মতেংনা পাংথোকপা য়াই। মেন্তরিংবু মখাগী অসুম্না মখল খায়দোকপা য়াইঃ

মেন্তরশিপ এক্সপরিএন্স অমনা মরী লৈনবা ফিভমদা অয়েৎ-অপনশিংবু কোকহন্নবগীদমক মেন্ত্রীশিংগী এজেন্সিদু অমুক হন্না শেমগৎনবগী ইথিল পীনরিবশিংদুনা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা মরুওইবা থবক মরি, হায়বদি *তশ্বা, শরুক য়ামিন্নবা, কোকহনবা অমসুং অমগা অমগা শন্নবা তৌবদা* মতেং পাংনরকপা মতমদা, মেন্তরশিং অমসুং মেন্ত্রীশিংগী কান্ননিঙাই ওইরকই। মসিবু মখাদা শন্দোক্না তাক্লিবা অসিগুম্না, মেন্তরিংগী তোঙান-তোঙানবা মখলশিংগী মতেংনা ফংবা ঙমহল্লিঃ

a. **ইন্দিভিজ্যুল মেন্তরিং**

ইন্দিভিজ্যুল মেন্তরিং হায়বসি শরুক য়ারিবশিংগী অপাম্বা হীরম অমদা মখোয়না য়াওরিবা লন্নাইগী ওইবা, লৌশিং শরুক য়ামিন্নবগী ৱারী-ৱাতাই অমনি। মসি মেন্তর অমসুং মেন্ত্রীগী মরক্তা পূক্নিং লূপশিন্না থন্ন-নৈনবা অমনি। মেন্ত্রীনা শরুক য়ামিন্নবা, তম্নবা অমসুং থন্ন-নৈননবগীদমক থাজরবা মী (মেন্তর নৎত্রগা লেংমান্নবা) অমগা পাউ ফাওননবা থনবগী খুদোংচাবদু ফংই। মেন্ত্রীশিংনা তানশিল্লকপা হৈ-শিংবা অমসুং লৌশিংদু হেন্না হেনগৎহন্নবগীদমক মেন্তরনা মেন্ত্রীশিংগী মতেং পাংই অমসুং মখোয়না মায়োক্নরিবা শীংনরক্লিবশিংদুদা লৌশিং অমসুং হৈ-শিংবদুবু করম্না পানশিনগদবগে হায়বদু থঙহল্লি। ৱান-ওন-ৱান মেন্তরিংগী মোদতা শরুক য়াবসিনা মেন্ত্রীশিংগী থঙবগী থোঙচৎ অমা ওইরকই মরমদি মসিনা লন্নাইগী ওইবগা লোয়ন-লোয়ননা শিনফমগী ওইনা চাওথৎলকপদা মতেং পাংই, অদুগা মখোয়গী তৌবা ঙম্বা মতীকশিংদা হেন্না থাজবা অমা শাগৎলি। মসিনা মেন্ত্রীশিংগী খুমাং চাওশিন্না চাওথৎলকপদা মতেং পাংই। মেন্তর অমগী ওইনা, মসিনা মখোয়না লৈরিবা খুনাইদুদা খুদোল তম্লন্নবগী খুদোংচাবা অমা ওইনা মথৌ তৌই।

b. **গ্রুপ মেন্তরিং**

গ্রুপ মেন্তরিংদা, মান্নবা ফিভমদা শীংনরক্লিবশিংগা মায়োক্নরিবা মেন্ত্রীশিংগী কাঙলূপ অমা য়াওই। মসি লেংমান্নবশিংদগী তম্বা অমসুং নেতৱার্ক অমা শেম্বা পাল্লিবা মেন্ত্রীশিংগীদি মতেং ওই।

**i. দিসকসন সর্কলশিং (নোলেজ ট্রান্সফর মেন্তরিং)**

দিসকসন সর্কলশিং (মেন্তরিং সর্কলশিং)গী মতেংনা, থুনাইগী তঙাইফদবশিংগা মরী লৈনবা ৱাখল্লোনশিং (পোলিসি, স্কিমনচিংবশিং) অমসুং থ্বাইদগী ফরবা থবকশিংবু লায়না পাংথোকপা ঙম্মী। অসিগুম্বা মফমশিং অসি মখোয়গী লৈরিবা লৌশিং, থেংন-উরকপদগী থঙলকপশিং অমসুং তমশিল্লক্লিবশিংবু পাংথোকপা অমসুং শরুক য়ামিন্নবগীদমক মেন্তরশিংগী থৌদাংবু লৌরিবা হৈথোই-শিংথোইরবশিংগীদমক হাংদোকপা য়াই। মেন্তরিং সর্কলশিংনা মেন্তরিংগী ফজবা অদুগা এক্সন লর্নিংগী মচাকশিংগা পূনশিন্নহল্লি। অসিগুম্বা সর্কলশিংসি পূন্না তম্মিন্নবা অমসুং চাওথৎমিন্নবগীদমক মেন্তীশিংবু ইথিল পীবদা শীজিন্নবা য়াই। মসিনা মান্নবা শীংনরক্লিবশিংবু মায়োক্নরিবা মীশিং নৎত্রগা অদুগুম্বা অথন্নবা ৱাখল্লোন অদুদা লৌশিং, মখোয়গী হৈ-শিংবনা থঙলকপা অমসুং য়াম্না থঙ-হৈরবা কনাগুম্বা অমনা পাউতাক পীবা অমসুং লমজিং-লমতাকপা মতমদা পুথোক্নবা অমসুং থন্ন-নৈনবগীদমক পূনশিন্নদুনা অপূনবা লৌশিং শাগৎপা পাল্লিবশিংগীদমক হেন্না লায়থোকহল্লিঃ মদু মখোয়না করি তম্বা পাল্লিবগে অমসুং কনাদগী তমগদবগে হায়না থন্নবগীদমক মখোয়না মেন্তীশিংগী এজেন্সিদা হাপচিল্লিবদুগী শরুক ওইবা পাল্লিবা অদুগী মেন্তরিং সর্কলশিং থন্ননবগী খুদোংচাবা অদুনি।

**ii. পীয়র মেন্তরিং**

মথল অসিদা, থোইদোকপা শীংনবশিংবু মায় পাক্না লান্থোরক্নবা নৎত্রগা করিগুম্বা হীরম থরদা হেন্না থঙ-হৈরবা প্রোফেস্নলশিংগী কাঙলূপ অমনা মখোয়গী লেংমান্নবশিংগা থন্ন-নৈনবশিং অমসুং মেন্তরিং স্পেসশিং লমজিংই। মেন্তরিং সেসনশিংগী তোঙান-তোঙানবা পর্স্পেক্তিভশিংদগী লৌশিং অমসুং থেংন-উরকপদগী থঙলকপশিংবু শরুক য়ামিন্নরদুনা লেংমান্নবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা তেংবাঙনবগী মরীশিংবু ফগৎহনবগী খুদোংচাবা লৈ। মসিনা মখোয়গী থ্বাইদগী ফরবা থবকশিংবু শরুক য়ামিন্নবগীদমক মান্নবা ফিভমশিংগা লোয়ননা মেন্তীশিংবু থাজরবা মীওইশিংগী নেতৱার্ক অমা পী, লোয়ননা মতমদুমক্তদা মখোয়গী লৌশিংগী পুক্কৈদসু হাপচিল্লকই। পীয়র মেন্তরশিপনা মওং অনী ওইবা, অমগা অমগা কান্নবা ফংমিন্নবা তম্বগী থৌওং অমবু তাকই। মেন্তর অমসুং মেন্তী অনীমক্না লৌশিং অমসুং থেংন-উরকপদগী থঙলকপবু শরুক য়ামিন্নে হায়বা চুন্নবা ৱাফমসিনা মরম ওইরগা, মসি কাঙলূপ অনীমক্তা কান্নবা ওই। লেংমান্নবা মেন্তরশিংনা মেন্তীবু লমজিংবা অমসুং ঙাক্লৌ পীবসিনা, মেন্তীশিংনা মখোয়না তম্বদা মতেং ওইরিবা তোঙান-তোঙানবা মওংশিংদা লৌশিং ফংনবা অমসুং পানশিন্নবা হোৎনরিবদু মশামক্না ফংবা ঙমজৈ। মসিনা 'বেস্ত প্রাক্তিস শেয়রিং'গী ফোরম অমা ওইনসু মথৌ তৌই।

**iii. কেসতা য়ূম্ফম ওইরগা থন্ন-নৈনবা (সিচ্যুএশ্নল মেন্তরিং)**

মথল অসিদা, মখোয়না মায়োক্নরকপা য়াবা ময়ামগী ওইবা লাঞ্জং অমগী অয়েৎ-অপন পুথোক্নবগী আশাদা মেন্তীশিংনা নেতৱার্ক/মেন্তর অমবু ফংনবা থিরকই। মথল অসিনা পূন্না অয়েৎ-অপন কোকহন্নবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা ওইনা মথৌ তৌই।

**iv. ফ্লাশ মেন্তরিং**

ফ্লাশ মেন্তরিং হায়বসি অতেনবা অমসুং পূক্লিং লূপশিনবা মতমদা থোকপা ঙাইহাক্কী ওইবা

মেন্তরিংনি। মসি মহৌশানা অথন্নবা ৱাফম নৎত্রগা হীরম অমদা কনাগুম্বশিংনা খূদক্কী ওইবা পাউতাক অমসুং মতেংগী তঙাইফদবা লাকপা মতাংশিংদা শীজিন্নে। মসি অতেনবা মতমগী মনুংদা কান্নরবা পাউতাকশিং অমসুং মতেং ফংনবগীদমক হোংদোক-হোংজিন য়াবা কান্নরবা পাম্বৈ অমনি।

মথক্তা মশক তাকখিবা মথলশিংসি মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংগী ইন্তরেক্সনবু পূক্নিং থৌগৎনবগীদমক লৈরিবনি, মেন্তরিংগী ইন্তরেক্সন তৌবা ঙমহন্নবগীদমক অহেনবা পাম্বৈশিংগী ওইথোকপা লৈ। মসি মখাদা পীরিবা তেবলসিদা উৎলিবগুম্না, সিঙ্ক্রোনস নৎত্রগা এসিঙ্ক্রোনস মেথদশিং শীজিন্নরগা, ওনলাইন অমসুং ওফলাইন মেদিয়মশিংগী অপূনবা অমগী মতেংনা পাংথোকপা ঙম্মীঃ

**তেবল 4.2: মেন্তরিংগী মেথদশিং**

| মেথদশিং → মেদিয়া ↓ | সিঙ্ক্রোনস | এসিঙ্ক্রোনস |
|---|---|---|
| **ওনলাইন** | মথক্তা শন্দোক্লা তাকখিবগুম্না, মোদ পূন্নমক্তা ওনলাইন কনফরেন্সিং তূলশিং শীজিন্নে।<br><br>*মসিগীসি মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংসি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরম্বা য়াবনা মশা লাকপগী খুদোংচাবা লৈত্রবদা মশীং য়াম্নবা মেন্তরিং প্রোগ্রাম ময়ামগী থ্মাইদগী কান্নবা মথলগী পূনশিনবা ওইবা য়াই।* | মরী লৈনবা ৱাহংনচিংবশিংগা লোয়ননা রিফ্লেক্তিভ এসাইনমেন্তশিং, কেস স্তদিশিংগুম্বা, থবক পীননবা অমসুং ফীদবেক পীথোক-পীশিন তৌননবগী ওনলাইন তূলশিং<br><br>*মসি মশানা ৱাখল খঞ্জনবা অমসুং মথন্তা তমজনবা মতমবু পূক্নিং থৌগৎনবগীদমক ওনলাইন-সিঙ্ক্রোনস প্রোগ্রাম অসিগী মথক্তা শীজিন্নবা য়াই।* |
| **ওফলাইন** | মথক্তা শন্দোক্লা তাকখিবগুম্না মোদ পূন্নমক্তা মশানা শরুক য়াই।<br><br>*মসিগী পূনশিন্নবা অসি হেন্না পীকপা প্রোগ্রামশিংগী থ্মাইদগী কান্নবা ওইবা য়াই অমসুং ওনলাইন মোদথক্তদা পাউ ফাওনবগী খুদোংচাদবশিং লৈহন্দনা মেন্তরিংগী ইন্তরেক্সনশিংবু ফগৎহনবা ঙমগনি।* | ওফলাইন তূলশিং, লাইরিক, এক্তিভিতি কিতশিং, থেংন-উরকপদগী খঙলকপগী প্রোগ্রামশিংনচিংবা পীবা য়াই।<br><br>*পূনশিন্নবা অসি, মশানা তমজনববু পূক্নিং থৌগৎনবগীদমক হেন্না শেমদোক-শাদোক্লবা ওনলাইন/ওফলাইন-সিঙ্ক্রোনস মেন্তরিং প্রোগ্রামগী মথক্তা শীজিন্নবা য়াই।* |

### 4.4.2 মেন্তরশিংগী চথরক্লিবা শিনফমগী চাওখৎপা

মেন্তর ত্রেইনিং হায়বসিদা শোয়গে তৌবা মতাং লৈগনি অদুবু মেন্তরনা অহেনবা মেন্তরিং ইন্তরেক্সন তৌবনা মসি খুমাং চাওশিল্লক্কদবনি। খূদম ওইনা, মেন্তর ত্রেইনিং অসি মেন্তরশিংবু তোঙান-তোঙানবা থাক্তা পুশিন্দুনা, তোঙান-তোঙানবা স্কিলশিং অমসুং মথা তারকপা মচাক অসি পুশিন্দুনা মথোয়গী চথরিবা তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপদা ত্রেইনিং পীবা য়াই।

**তেবল 4.3: মেন্তর ট্রেইনিং অমসুং থঙ-হৈবগী থাক**

| থাক 1 | থাক 2 | থাক 3 |
|---|---|---|
| মেন্তরিং অমসুং মসিগী নুংগী মচৎ | থন্ন-নৈনবগী সর্কলশিং | বিলদিং একাউন্তেবিলিতি |
| অশানবা মীৎয়েং অমসুং পন্থুংশিং শেম্বা | নাৎ শেমগৎপা | নেতৱার্কিং |
| গ্রুপ ফেসিলিতেসন | অমমমতা ওইনা মেন্তরিং তৌবা | লেংমান্নবশিংগী (পীয়র) মেন্তরিং |
| কেস-বেজ ওইরগা থন্ন-নৈনবা | ওপন এনদেদ পাউখুম ওইবা ৱাহংশিং হংবা | অওনবা |
| সিঙ্ক্রোনস ফেসিলিতেসন | ফীদবেক পীবা অমসুং লৌবা | চাওখৎলকপা মাইন্দসেত |
| মুন্না তাশিনবা | | মতম চুন্না শীজিন্নবা |
| এসিঙ্ক্রোনস ফেসিলিতেসন | | |
| ওপন এনদেদ পাউখুম ওইবা ৱাহংশিং হংবা | | |

মসিগীসু মথক্তা, মেন্তরশিংনা মেন্তীশিংগা থন্ন-নৈনবগী ঙমখৈবু পাকথোক-চাউথোকহন্নবা অমসুং অহেনবা মীৎয়েংশিং (পর্স্পেক্তিভশিং) পুরক্নবগীদমক এদমিনিস্ত্রেতিং ইন্সতিত্যুসনশিংনা পীরক্লিবদুগী ৱাংমদা থবক তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপদা শরুক য়ানবগীদমক খুদোংচাবশিং ফংগদবনি। সি পি দি দা মেন্তরশিংনা চাং নাইনা শরুক য়ানবগী স্ত্রকচর অসি মেন্তর শেমগৎপদা তঙাইফদবা ওই অমসুং তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপগী হৈথোই-শিংথোইরবশিংগী মীফমশিং, ৱেবিনারশিং, ওনলাইন কোর্সশিংনচিংবগী মতেংনা মায় পাকহনবা য়াই।

## 4.5. মেন্তরিংগী হীরমশিং

মেন্তরিংগী মথক্তা পনখিবা মথলশিংসি মেন্তরিংবু তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা য়ূম্ফম ওইনবা শীজিন্নবা য়াই। মেন্তরিং প্রোগ্রামগী পান্দমশিং, স্তেকহোলদরশিং অমসুং ফিভমগী তঙাইফদবশিংদা মথা পোল্লগা, মেন্তরিং অসি মফম অমা হেক্তদা পাংথোকপা য়াই। মথাগী হীরমশিং (তেবল 4.4) অসি মীফমদুগী থ্বাইদগী হেন্না মরী লৈনবা মেন্তরিংগী হীরমদু ফংনবগী খূদমশিং ওইনা শীজিন্নবা য়াই। অসিগুম্বা মশক থঙদোক্লবা হীরমশিংসি এন ই পি 2020 গা চূনরবনি, অতোপ্পা নৌনা থোরক্লিবা হীরমশিংসু মশক থঙদোকপা য়াই অমসুং প্রোগ্রামদুগী মথা চথরকপদা হাপচিনবা য়াই।

**তেবল 4.4: মেন্তরিংগী হীরমশিং অমসুং ৱাহন্থোক**

| মেন্তরিংগী হীরমশিং | ৱাহন্থোক |
|---|---|
| **পেদাগোজিকল কনতেন্ত নোলেজ (পি সি কে) - স্কুল সবজেক্ত/ দিসিপ্লিনশিং য়াওরিবশিংবু থঙবা অমসুং মমুৎ তাহনবা** | পি সি কে হায়বসি ওঝা অমগী হীরম অমসুং পেদাগোজিগী ওইবা লৌশিংবু শন্দোক্লা তাক্নবগী ৱাহৈ চবুন অমনি। য়াওরিবা লৌশিংনা অথন্নবা হীরমশিং/ দিসিপ্লিনশিং খূদম ওইনা অঙ্ক, সাইন্স, সোসিএল সাইন্স, আর্তস অসিনচিংবগা মরী লৈনবা অচুম্বা ৱাফমশিং, থিঅরিশিং, প্রিন্সিপলশিং অমসুং কনসেপ্তশিংবু থঙবা অদুবু ফোঙদোকই। অতোপ্পা অমরোমদা, পেদাগোজিগী ওইবা লৌশিংনা তম্বীবা-তম্বগী থৌওং (তিচিং-লর্নিং প্রোসেস)তা তল্লিবা মীদুবু মতেং পাংনবগীদমক ওঝা অমনা শীজিন্নরিবা মেথদশিং অমসুং লাল্লোংশিংগা মরী লৈনৈ। |

| | |
|---|---|
| **ইবা, পাবা অমসুং মশীং চৎপা ঙমহনবা** | এন ই পি 2020 দা ফোঙদোকখিবগুম্না, কুমজা 2025 ফাওবগী মনুংদা প্রাইমরি স্কুলদা অহানবগী ওইনা হৌরকপগী ময়েক অমসুং মশীং চৎপা ঙম্বা (য়ুনিভর্সল ফাউন্দেস্নল লিতরেসি অমসুং ন্যুমরেসি)বু ফংহনবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইনা থম্মী। মহৈরোইদুনা গ্রেদ 3 য়ৌরকপা মতমদা, মহাক্না ৱাহন্থোক লৈনা পাবা অমসুং ইবা অমসুং মশীং চৎপগা মরী লৈনবশিং তঙাইফদনা থঙববু শেমগৎপদা মতীক চানা তৌবা ঙম্বগী মতীক লৈগদবনি। ফাউন্দেস্নল লিতরেসি অমসুং ন্যুমরেসি হায়বসি স্কুল অমসুং মখোয়গী ক্লাসরুমগী মপান্দা হিংলিবা পুন্সি মহিংগা পূনশিন্নদুনা ফংবা ঙম্মী। |
| **মীচং-মীথাই নাইদবা অমসুং পূম্নমকপু কোনশিনবা** | এন ই পি 2020 না অঙাং পূম্নমক্না মগুন লৈবা এজুকেসন ফংগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিবু য়োকখৎপা মীচং-মীথাই নাইদবগা লোয়ননা পূম্নমকপু কোনশিনবা এজুকেসন্দা অকনবা মীৎয়েং থম্মী। মসিনা শোত্থহৌরবা কাঙলূপশিংনা মায়োক্লরিবা শীংনরক্লিবশিংবু খন্নে। (নুপী ওইবীশিং, ট্রান্সজেন্দরগী কাঙলূপশিং, সেদ্যুল কাস্ত অমসুং ট্রাইবশিং, ও বি সি শিং, শোইনাইবা (দিভ্যাং) অমসুং অতোপ্পা শোত্থহৌরবা কাঙলূপশিং)। পোলিসি অসিনা অঙাং পূম্নমক্কী তম্বগী ফিভম অমা শেম্নবা লেপ্পী। |
| **মপূং ফাবা লৌশিং অমসুং হৈশিংবদা য়ূম্ফম ওইবা এজুকেসন** | মপূং ফাবা লৌশিং অমসুং হৈশিংবদা য়ূম্ফম ওইবা এজুকেসন (কম্পিতেন্সিদা য়ূম্ফম ওইবা এজুকেসন) হায়বসিনা হেন্না পূক্নিং চঙলিবসি মরা চেৎপা করিক্যুলম অমসুং অকক্লবা মতমগী ওইবদুদা অসুম মথা চত্থবগী মহুত্তা মীৎনা উবা ফংবা অমসুং চাং ওনবা য়াবা কাইদা-মওং, লৌশিং অমসুং হৈশিংবশিং চাওখৎহনবদা হেন্না মীৎয়েং থম্লগা চঙশিনবা অমনি। কম্পিতেন্সিদা য়ূম্ফম ওইবা এজুকেসন্না মহৈরোইশিংনা পুন্সিগী অশেংবা থৌদোকশিংদা মখোয়গী লৌশিংবু পানশিন্নবগী মতীক লৈজবা হায়বসি ওইহন্নবা পান্দম থম্মী। |
| **ৱারী লীবা অমসুং শান্নপোৎতা য়ূম্ফম ওইবা পেদাগোজি** | এন ই পি 2020 অমসুং নেস্নল করিক্যুলম ফ্রেকৱার্কী ফাউন্দেস্নল স্তেজ, 2022 না তম্বগী ফাউন্দেস্নল স্তেজদা অঙাংশিংগী ৱারী লীবা অমসুং শান্নপোৎতা য়ূম্ফম ওইবা পেদাগোজিগী অকনবা ৱাফম থল্লি। ঙল্লিঙৈ তাঙ্কক্তা অঙাংশিংনা ফংলকপা কনসেপ্তকী ওইনা থঙবা অসি শান্নপোৎতা য়ূম্ফম ওইবা পেদাগোজিনা হেনগৎহল্লি। মসিনা অঙাংশিং অদুগী সোসিওইমোস্নল গ্রোথ, লৌশিং লৈবা অমসুং অনৌবা পুথোকপগী মতীকপু চাওখৎহল্লি। |
| **থেংন-উরকপদগী থঙলকপদা য়ূম্ফম ওইবা মওংগী তম্বা** | এন ই পি 2020 না "হীরম খূদিংমক্কী স্তেন্দর্দ পেদাগোজিগী মনুংদা, হেন্দস-ওন লর্নিং, আর্তস-ইন্তিগ্রেতেদ অমসুং স্পোর্তস-ইন্তিগ্রেতেদ এজুকেসন অমসুং ৱারী লীবদা য়ূম্ফম ওইবা পেদাগোজি য়াওবা" থেংন-উরকপদগী থঙলকপদা য়ূম্ফম ওইবা মওংগী তম্ববু লৌশিন্নবা ৱাফম থম্লকই। |
| **ভারতকী লৌশিং** | ভারতকী লৌশিং অমসুং ৱাখল্লোনশিংনা মতম পুম্বদা মহৈ-মশিল তম্বগী শরুক অমা ওইনা লৌশিং, জ্ঞান অমসুং অচুম্ববু খিবগী মতাংদা থল্লি। ভারতকী লৌশিংদা মহৈ-মশিল তম্বগী পান্দমসি মশানা মশাবু মশক খঙজবা অমসুং অফা-অপুন য়াওদবগা লোয়ন-লোয়ননা পুন্সিগীদমক মীশিংবু শেমগৎপা হায়বসিনি। ঙল্লিঙৈ মতমগী ভারতকী লৌশিং য়াওরিবা মচাকশিংদু সাইন্তিফিক ওইবা মওং অমদা পুথোকপা য়াই। |
| **এক্সন রিসর্চ** | এক্সন রিসর্চ হায়বসি ক্লাসরুম অমসুং স্কুলদা অথন্নবা সমস্যাশিংবু পুথোকপদা মীৎয়েং থম্বা কাংলোন নাইনা ৱাহং-পাউহংবা (সিস্তেমেতিক ইনক্বাইরি) অদুগী মথল অমনি। মসি তম্বীবা-তম্বগী খূদোংচাবা ফংবা ফিভম অমদা ৱারেপ লৌবগী লাল্লোংশিং অমসুং মতেং পাংবগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক এজুকেতরশিংনা পাংথোকই। |

| | |
|---|---|
| **হৌন-লোনচৎ, লমচৎ-শাজৎ অমসুং সংবিধানগী মতীক-ময়াইশিং** | অফবা এজুকেসন সিস্তম অমবু অতোপ্পগী ইহল থঙবা, অতোপ্পশিংবু ইকাইখুম্নবা, লূ-নানবা, নোল্লুকপা, গনতন্ত্রিক ওইবা লীচৎ, মীয়ামগী লন-থুমবু ইকাইখুম্নবা, সাইন্তিফিক তেম্পর, নীং-থা তম্বা, থৌদাং লৌবা, প্লুরেলিজম, মান্নবা থাক অমসুং অচুম্বা ৱায়েলদা মীৎয়েং থল্লিবা নিতি-নিয়মশিং, লমচৎ-শাজৎ অমসুং সংবিধানগী মতীক-ময়াইশিংনা লমজিংই। |
| **দিজিতল এজুকেসন লিতরেসি** | এন ই পি 2020 না মীপূম থূদিংমক্তা মগুন লৈবা এজুকেসন পীনবগীদমক তেক্নোলোজিগী খুদোংচাবশিং শীজিন্নবগী মরুওইবদু খঙই। দিজিতল প্লেতফোর্মশিং অমসুং আই সি তি দা বেজ তৌবা এজুকেসনগী থবক-থৌরমশিংসি তঙাইফদবনি অমসুং তুংলমচৎকী এজুকেস্নল লেন্দস্কেপতা শীংনরক্লিবশিংবু খঙনবগীদমক শৌগৎপা অমসুং পাকথোক-চাউথোকহনবগী মথৌ তাই। |
| **ভোকেস্নল এক্সপোজর অমসুং হৈ-শিংবশিং** | এন ই পি 2020 না ভোকেস্নল অমসুং একাদেমিক এজুকেসনগী মরক্তা য়াম্না খেন্নবা থমদবগী ৱাখল্লোনবু শৌগৎলি। মহৈরোইশিংনা অথন্নবা মখোয়গী পামজবা মতুংইন্না হীরম অমবু থনবগী ওপশন লৈগনি, মসিনা তুংলমচৎতা মখোয়না মশাগী লম্বী য়াৎচবা ঙম্মী। ইন্তর্নশিপকী ওইথোকপা য়াবশিংগী মতেংনা, মহৈরোইশিংগা উ শুবা, হৈকোল-লৈকোল কোইবা, লৈপাক্কী চফূ শাবা অমসুং আর্তিস্তশিং য়াওনা, তোঙান-তোঙানবা লমশিংদগী লাকপা ভোকেস্নল এক্সপর্তশিংগা তোৎন-তিন্নহল্লি। |
| **আর্ত-ইন্তিগ্রেতেদ এজুকেসন** | পেদাগোজিশিংদা আর্ত-ইন্তিগ্রেতেদ এজুকেসন হাপচিল্লকপসিনা অঙাংশিংগী নুংঙাইনা অমসুং হরাও-মথোই কানা তম্বগী ফিভম অমা শেমগনি। ভারতকী আর্ত অমসুং নাৎ পূনশিনবসিনা তমশিনবদা ভারতকী নাৎকী মচৎ অমসুং মতীক-ময়াইশিংবু ঙাক্তুনা থমগনি অমসুং মথা তারকপদা এজুকেসন অমসুং লৈবাক থূদিংমক্কী এজুকেসন সিস্তমগী থ্বাইদগী মরুওইবা শক্তম ওইরিবা নাৎকী মরক্তা লৈরিবা মরীদু হেন্না চেৎশিনহনগনি। |
| **স্পোর্তস-ইন্তিগ্রেতেদ এজুকেসন** | এন ই পি 2020 না "মৈহৌরোলদগী শাগোন্নরক্লবা মশান্নশিং য়াওনা হকথেংনানা মশা য়াওবগী মখৌশিং তারিবা স্পোর্তস-ইন্তিগ্রেতেদ পেদাগোজিকল এপ্রোচপুসু ফোঙদোরকই। মসিনা অমগা অমগা তেংবাঙনবা, সেল্ফ-ইনিসিএতিভ, সেল্ফ-দাইরেক্সন, সেল্ফ-দিসিপ্লিন, পূন্না শুমিন্নবা অমসুং থৌদাং লৌবগুম্বা হৈ-শিংবশিং শেমগৎপদা মহৈরোইশিংবু মতেং পাংগনি। |
| **থুনাইবু য়াওহনবা** | তোঙান-তোঙানবা স্তদিশিংনা কান্নবা মওংদা তম্নবগীদমক অঙাং অমগী মহৈ-মশিল তম্বগী থৌওংদা থুনাইবু য়াওহনবসি শৌগৎথি। তোঙান-তোঙানবা মওংশিংদা থুনাইবু ৱাহন্থোক লৈনা য়াওহনবসিনা অঙাংশিংদা নাৎপু ইকাইখুম্নবগী ৱাখল্লোন অমা পোকহনগনি অমসুং সোসিও-ইমোস্নল লর্নিংবু মপাঙ্গল হাপকনি। মসিনা স্কুলগী মপান্দা থুনাইগী য়াওলশিংবু তম্বদসু মখোয়বু মতেং পাংগনি। |
| **21শুবা চহীচাগী হৈ-শিংবশিং** | মসিনা লৈরিবা থুনাই অমসুং মালেমদা মকা লাম্না চাওথৎলক্লবগীদমক মীশিংগী তঙাইফদবা অমা ওইনা থোরক্লিবা হৈ-শিংবশিং নৎত্রগা মতীক-মঙমশিংগী পাক-চাউরবা ঙমখৈদু ফোঙদোকই। অসিগুম্বা হৈ-শিংবশিং অসিদা ক্রিএতিভিতি, দিজিতল লিতরেসি, অয়েৎ-অপনশিংবু কোকহনবা, পাউ ফাওনবা, নৌনা পুথোকপা অমসুং চূশিন্নবা হিংবা য়াওরি। নৌনা থোরক্লিবা তেক্নোলোজিগী থুমাং চাওশিল্লকপগা লোয়ননা, অসিগুম্বা হৈ-শিংবশিংনা হৌজিক্তি মীশিংনা গ্লোবল সিতিজনশিং ওইরকপদা য়াম্না মরুওই। |
| **360-দিগ্রী এসেসমেন্ত অমা শেম্বা অমসুং পাংথোকপা (হোলিস্তিক এসেসমেন্ত)** | এন ই পি 2020 না অঙাংশিংগী 360-দিগ্রী মলতিদাইমেন্সনল এসেসমেন্তকী ৱাফম পুথৎলকথি। অঙাংশিংগী এসেসমেন্ত অসি ওঝাশিং, মমা-মপাশিং, লেংমান্নবশিং অমসুং সেল্ফ-এসেসমেন্তকী মতেংনা হোলিস্তিক ওইবা মওং অমদা তৌগদবনি। মসিনা কোগ্নিতিভ, এফেক্তিভ অমসুং সাইকোমোতর দেভলপমেন্তকী শক্তম পূন্নমকপু কোনশিনগনি। |

| | |
|---|---|
| **ওঝাশিংগী পূক্নিংগী হকশেল** | হৌজিক ওইরিবা মহৈ-মশিল তম্বগী ফিভমসিদা, ওঝাশিংনা মপূং ওইবা খোদাং লৌরি অমসুং মখোয়গী শিনফমসি য়াম্না পান্নরক্লি। ইমোস্নল দিমান্দশিং, ৱার্ক-লাইফ বেলেন্স অমসুং পর্ফোরমেন্স প্রেসরশিংসি স্কুল ওঝাশিংগী পূক্নিংগী হকশেলদা শোকহল্লিবা মচাক থরনি। মরম অসিনা, স্কুলশিংদা ঙাক্তৌ পীবা অমসুং অফবা তম্নবগী ফিভম অমা শেম্নবগীদমক ওঝাশিংগী পূক্নিংগী হকশেলগী ৱাফমসিবু মশক খঙবা হায়বসি য়াম্নমক মরুওই। |

## 4.6 মেন্তরিং ইন্তরেক্সন

কন্সত্রক্তিভ মেন্তরিং ইন্তরেক্সন হায়বসি মেন্তর অমসুং মেন্তী অনীমক্তা কান্নবা পীরিবা মায় পাক্নবা মেন্তরিং মরী পুরক্নবগী লম্বীনি; অদুম ওইনমক, মেন্তর অমসুং মেন্তীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীসি মতমগী মতুংইন্না ওইরকখিবনি। ইন্তরেক্সন মনুংদা, মেন্তর অমসুং মেন্তীশিংগী মরক্তা লৈরিবা মরীসি হোংদবা অমসুং মরম চাবগী তঙাইফদবা লৈ অমসুং মখোয়না মেন্তরশিপকী মরী অমদা শরুক য়াননবা থনখিবগী মরমদু মুন্না থনগদবনি। মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমগী পন্থুংশিংসি মেন্তর অমসুং মেন্তী অনীমক্কী ইথিল পীনবগী মথা পোল্লি। ইথিল পীনবা অসিদা য়াওরিবশিংদিঃ

a. থাজবা শেমগৎপা অমসুং অচেৎপা নুংশি-চান্নবগী মরী শাগৎপা
b. পন্থুংশিং য়াখোক্লবগীদমক পূন্না হোৎনমিন্নবা
c. মেন্তর অমসুং মেন্তী অনীমক্কী মীফমশিং তোইনা পাংথোকপা
d. অমগা অমগা শৌগৎনবা অমসুং ইথিল পীনবা
e. লন্নাই অমসুং শিনফমগী চাওথৎপা
f. লমজিং-লমতাকপা অমসুং ফীদবেকপু শৌগৎপা

# পন্দুপ V

# মেন্তরিং প্রোগ্রামগী মচলশিং



# পন্দুপ V: মেন্তরিং প্রোগ্রামগী মচলশিং

মেন্তরিং প্রোগ্রাম হায়বসি শেম-শারকপা মতমদা থন্নগদবা শক্তম কয়ামুক্কা লোয়নরিবা কমপ্লেক্স ওইবা স্ত্রকচর অমা ওইবা য়াই। মথাদা পীরিবা শক্তমশিং অসিনা মেন্তরিং প্রোগ্রামবু কান্নবা মওংদা শেম-শাবা অমসুং চৎনহল্লকপদা মতেং পাংবা ঙম্মী।


## 5.1 প্রোগ্রাম দিজাইন অমসুং প্লানিং

a. তার্গেত গ্রুপ (মেন্তীশিং)
b. মেন্তরিং প্রোগ্রামগী মচৎ
c. ওনবোর্দিংগীদমক মতীং লৈরবা মেন্তরশিং
d. শরুক য়ারিবা স্তেকহোলদর পূম্নমক্কী অশানবা মীৎয়েং, পন্থুংশিং অমসুং আশা তৌরিবা মহৈশিং (মেন্তরশিং, মেন্তীশিং, এদমিনিস্ত্রেতরনচিংবা)
e. মীফমশিংগী মতম অমসুং তোইনা পাংথোকপগী চাং
f. মেন্তরিংগী ৱা তাথোক-তাশিনগী মওং (মোদ)
g. প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা ঈ-পাউবু শন্দোকহনথিবা
h. য়েংশিনবা অমসুং অফ-ফত্ত নৈনবা
i. ফীদবেক অমসুং মথা তানা থিজিনবা

### 5.1.1 মেন্তরনা থুমাং চাওশিল্লকপা

মেন্তরশিপ প্রোগ্রামদা মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংগী লৈনরিবা মরীদুখক্তা নত্তনা মশীং হন্থরকপা মেন্তরশিংবু সিস্তমদুদা লেপ্তনা ফংহনবদুসু য়াওই। মেন্তরিং সিস্তম অসি তুংকোইনা চৎননবা ঙাক্তুনা থম্লিবদু শৌগৎপা মওং অমদা শেম-শাগদবনি অমসুং সিস্তম অসিবু মথা তানা মথৌ পাংদুনা লৈহন্নবগীদমক মপানগী ঙাক্লৌগী মথা পোনহল্লোইদবনি। থূদম ওইনা, মেন্তরশিংনা মথোয় মশানা ত্রেইনিংগী থাক থরা ফংজরবা মতুংদা অনৌবা মেন্তরশিংবু তাকপী-তম্বীগদবনি। খোঙথাং মরি য়াওবা থৌওং অমগী থূদম অমা মথাদা পীরিঃ

মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমনা থুমাং চাওশিল্লকপা হায়বসি মেন্তরিংগী মরী অমনা থুমাং চাওশিল্লকপা অদুবু পূক্রিংদা চেৎনা থম্লদুনা শেম-শাগদবনি।




লাইয়েক 5.1: মেন্তরগী থুমাং চাওশিল্লকপা

## 5.2 প্রোগ্রাম মেনেজমন্ত

মেন্তরিং প্রোগ্রামবু কান্নবা মওংদা চৎনহন্নবগীদমক, প্রোগ্রাম মেনেজমন্ত য়ুনিত (পি এম য়ু) নৎত্রগা এদমিনিস্ত্রেতরশিংগী কাঙলূপ অমা লিংখৎপা য়াই, মসিদা মখাগী মচাকশিংসি য়াওবা য়াইঃ

a. পাউতাক পীবা ঙম্বা কাঙলূপ অমা শেম্বা
b. প্রোগ্রামদুবু শিন-লাংনবা সিস্তম অমা
c. চাওখৎপগী থৌরাংশিং অমসুং রিসোর্স দিজাইন
d. প্রোগ্রামদুবু য়েংশিন্নবগী সিস্তম অমা
e. স্তেকহোলদরশিং, ইন্সতিত্যুসনশিং অমসুং প্রোগ্রামগীদমক ফীদবেক মেকানিজম অমা
f. হ্যমন রিসোর্স দেভলপমেন্তকী লাল্লোংশিং
g. কান্নবা মওংদা মীয়ামগা লৈনবা মরী অমসুং ঈ-পাউ ফাওনবগী থবকশিং
h. প্রোগ্রামদুবু শিন্নবগীদমক শেলফম কাইথোক্নুনা থম্বা

## 5.3 প্রোগ্রাম পাংথোকপগী থবকশিং

পূক্নিংদা চেৎনা থমদুনা পাংথোক্কদবা থবকশিং:

a. মেন্তরশিং, মেন্তীশিং, প্রোগ্রাম স্তাফ অমসুং, লৈবা তারগদি, ভোলুন্তিয়রশিংগী লূপ অমা শেম্বা
b. মতীং লৈবা মেন্তরশিং থঙদোক্কবা তৌবা অমসুং মেন্তীশিং ভেলিদেশন তৌবা
c. মেন্তরশিং, মেন্তীশিং অমসুং প্রোগ্রাম স্তাফশিংগী ওরিএন্তেসন অমসুং ত্রেইনিং পীবা
d. মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংবু মেপ্পিং তৌবা
e. য়ান্নদুনা শেমখ্রবা পেরামিতরশিংগী মনুংদা মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংগী থবকশিং অমসুং মীফমশিং য়াথোকপা
f. মেন্তরিং প্রোগ্রামবু য়েংশিন্নবগী মতেং ওইরিবা মেকানিজম
g. প্রোগ্রামদুগী শরুক পূম্নমক্তা শরুক য়ারিবশিংনা তৌথোরক্লিবশিংদুবু মশক থঙবা
h. মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংবু মথোয়গী পন্থুংশিং য়ৌনবগীদমক মতেং পাংবা

### 5.3.1 লৌরিবা থৌদাংশিং অমসুং লৌগদবা দায়িত্বশিং

মখাদা পীরিবশিংসি মেন্তরিং প্রোগ্রামগী তোঙান-তোঙানবা স্তেকহোলদরশিংগী ওইনা থল্লবা লৌরিবা থৌদাংশিং অমসুং লৌগদবা দায়িত্বশিংনিঃ

**তেবল 5.1: স্তেকহোলদরশিং অমসুং লৌগদবা দায়িত্বশিং**

| স্তেকহোলদরশিং | দায়িত্বশিং |
|---|---|
| সেনিয়র ওফিসিঅলশিং/ পি এম য়ু | a. মেন্তর ত্রেইনিংগী প্রোগ্রাম, রোদমেপ অমসুং করিক্যুলম শেম্বা<br>b. মেন্তরশিং থনবা<br>c. মেন্তরশিংগী তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপা<br>d. লেপ্পা লৈতবা কেপাসিতি বিলদিংগা লোয়নননা মেন্তরশিংদা ঙাক্নৌ পীবা |

| | |
|---|---|
| | e. থাজবা অমসুং লমচৎপু ৱাংনা থম্নবগীদমক মেন্তরিংদা মখোয়গী ৱাখল্লোনশিংবু চেজন চনশিন্নবা অমসুং শরুক য়ামিন্নবগীদমক মমিং লৈরবা ৱাঙাংলোইশিংবু কৌবা<br>f. প্রোগ্রামদুবু কান্নবা মওংদা শিনবা অমসুং পাংথোকপা ঙমহনবা<br>g. প্রোগ্রামদুবু য়েংশিনবা অমসুং অফ-ফত্তে নৈনবা |
| **মেন্তর** | a. মেন্তর সর্তিফিকেসন প্রোগ্রামবু মপূং ফাহনবা<br>b. অতোপ্পা ওঝাশিংগী মেন্তরিং স্ত্রকচরশিং শেম্বা অমসুং পাংথোকপা<br>c. মেন্তীশিংদগী মখোয়গী মেন্তরিং স্কিলশিংগী মতাংদা মোতশিং অমসুং ফীদবেক লৌবা<br>d. তৌবা ঙম্বগী মতীকপু লেপ্তনা শাগৎনবগীদমক ত্রেইনিং/ৱার্কশোপশিং য়াওবা |
| **মেন্তী** | a. মেন্তরিং স্ত্রকচরশিংদা শরুক য়াবা<br>b. শিনফমগী ওইনা লেপ্তনা চাওথৎপা মায়কৈরোমদা তম্বা, শরুক য়ামিন্নবা, পাম্বৈ পুথোকপা অমসুং শন্নবা |

## 5.3.2 মেন্তরিং প্রোগ্রামগী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা তৌগদবা থবকশিং হৌদোক্লবগী ৱাফমশিং

### a. অনৌবা প্রোগ্রাম পুথোকপা

i. মেন্তরশিং ওইরক্লবগীদমক লৈবাক/স্তেত/সিস্তম শিনবা থুংনা প্রোফেস্নলশিংবু থন্নবগী থৌওং য়াথোকপা

ii. মেন্তর অমা ওইনা লৌশিন্নবগী পথাপ-চৈশিং (ক্রাইতেরিয়া) পুথোকপা

iii. সিস্তমসিদা থৱাই য়াওবশিংগী পথাপ-চৈশিং (ক্রাইতেরিয়া) অমসুং থনবগী তাইমলাইনশিং পুথোকপা

### b. মেন্তর থনবগী থৌওং *(চেনপ // দা পল্লিবা)*

মথাদা পীরিবশিংসি চৎনবা য়ারবা মেন্তর থন্ননবা থৌওংগী থাক অনীনিঃ

i. থাক 1: দেমোগ্রাফিক্কী মচাক-মথুমশিং মচা খায়না থঙননবা দরখাস্ত অমা অমসুং ওনলাইন লর্নিং সেতিংদা দরখাস্ত থারক্লিবা মীদুনা শীংনরক্লিবশিংবু থেংনবা ঙম্বগী মতীক্তুবু থঙননবা কেস স্তদি অমা। মসিদা থনগৎলবা দরখাস্ত থারক্লিবশিংদু থাক 2 দা চঙলগনি।

ii. থাক 2: ঈ-পাউ ফাওনবগী হৈ-শিংবা, ইথিল পীবা ঙম্বগী মতীক, দোমেইনগী লৌশিংনচিংববু থঙননবা ইন্তরেক্সন/ইন্তরভিয়ু অমা। ইন্তরভিয়ুদু হৈথোই-শিংথোইরবশিংগী কমিতি অমনা পাংথোক্কনি। থনগৎলবা দরখাস্ত থারক্লিবশিংদু মেন্তরিং প্লেতফোর্মদা মেন্তরশিং ওইনা লৌগনি।

*অকক্লবা দোমেইন অমদা মমিং লৈরবা অমসুং শিংথানিঙাই ওইরবা প্রোফেস্নলশিংবু এন সি তি ই না এন এম এম গীদমক হকথেংননা লৌগনি।*

### c. মেন্তরগী তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপা

i. মেন্তরশিংনা নীংথিনা মেন্তরিং তৌবদা তঙাইফদনা চঙগদবা কনসেপ্তশিং, হৈ-শিংবশিং অমসুং তেক্নোলোজিগী মরমদা খঙহন-হৈহল্লবা, খূদম ওইনা মতেং পাংবগী হৈ-শিংবা, ওপন এনদেদ ওইবা ৱাহংশিং হংবা, মেন্তীশিংগী কাঙবু অমগী মনুংদা অসিগুম্বা নাৎ অমা শেমগৎপা অসিনচিংবা, পান্দম থম্বা ৱার্কশোপশিং য়াথোকপা।

ii. মেন্তরিং ইন্তরেক্সনশিং পাংথোক্লিঙৈগী মমাংদা ঈ-পাউ ময়াম য়াওরবা ভিদিওশিং অমসুং থৌরাং তৌরবা থবক্লচিংবশিংগী মতেংনা লমজিংনবা/ তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎনবগীদমক হীরমসিগী ফিল্দ এক্সপর্তশিং কৌদুনা ৱার্কশোপশিং পাংথোক্কদবনি।

### d. মেন্তর লৌবগী থৌওং

i. মেন্তরিং প্লেতফোর্ম (এন এম এম পোর্তল/মোবাইল এপ্লিকেসন) অমদা হাপ্পবা মেন্তরশিংগী লমজিং-লমতাকপগী ৱারোলশিং শেম-শাবা অমসুং শরুক য়ামিন্নবা

ii. মেন্তরশিংনা মথোয়গী প্রোফাইলশিং শেমগনি অমসুং তঙাইফদবা ঈ-পাউশিং পীগনি।

### e. মেন্তী লৌবগী থৌওং

i. মেন্তরিং প্লেতফোর্মদা লৈরবা মেন্তীশিংগী লমজিং-লমতাক পীবা ৱারোলশিং শেম্বা অমসুং শরুক য়ামিন্নবা

ii. মেন্তী লৌবগী থৌওংগী থেঙ্গুল লীনবগীদমক চেজনশিং থম্বা

### f. মেন্তরিং ইন্তরেক্সনশিং

i. মেন্তরশিংনা প্লেতফোর্মদুদা, কাঙলূপ ওইনা মেন্তরিংগী মীফমশিং য়াথোকপা অমসুং পাংথোকপা য়াই।

ii. মেন্তীশিংনা প্লেতফোর্মদুদা কাঙলূপকী মেন্তরিংগী মীফমশিং অমসুং মেন্তরশিং থিবা ঙম্মী অদুগা মীফমশিং য়াওনবা মিং পানশিনবা ঙম্মী।

iii. মেন্তীশিংনা, মথোয়না খঙনীংলিবা ৱাহংশিংগা লোয়ননা, মরী লৈনরিবা দোমেইন্দুগী মেন্তরশিংগা লন্নাই ওইনা পাউ ফাওনবা য়াই। মেন্তর অমসুং মেন্তীনা মেন্তরিংগী ইন্তরেক্সনগী মতম অমসুং ফ্রেমৱার্ককী মতাংদা পূন্না ৱারেপ লৌমিন্নবা ঙম্মী।

iv. মেন্তীশিংনা মেন্তরশিংদা রেতিং অমসুং ফীদবেক পীবা ঙম্মী।

*IT কাঙবুনা লৌরবা নৎত্রগা মেন্তরিংগী ইথিল পীনরিবগা মরী লৈননা মায়োক্লরিবা তেক্নিকলগী অশোয়বশিংবু কোকহনবদা মতেং পাংগনি।*

### g. য়েংশিনবা অমসুং নৈনবা

i. প্লেতফোর্মদা মেন্তরিংগী থবকশিংগী থোঙ্গুল লীবা অমসুং মথৌ তারকপগী মতুংইন্না, থা-থাগী/থা মরি-মরিগী পাউদমশিং পীবা

ii. মেন্তরিং প্রোগ্রামবু নৈননবগীদমক পাউদম পূন্নমক্কী থোঙ্গুল লীবা অমসুং খোমজিনবা অদুগা মথৌ তারকপগী মতুংইন্না, মদুগা মরী লৈননা থৌরাংশিং পায়থৎপা

## 5.4. প্রোগ্রামগী অফ-ফত্ত নৈনবা


মখাদা পীরিবশিংসি মেন্তরিং প্রোগ্রামগী লেপ্তনা মগুন হেনগৎহন্নবগীদমক অফ-ফত্ত নৈনবগী তঙাইফদবশিংদুনিঃ

a. প্রোগ্রামদুগী চাওশিল্লকপশিং অদুবু ওন্ননবগী থৌরাং অমা

b. প্রোগ্রামদুগী ফংগে থল্লিবা মহৈশিংদু ওন্ননবগী থৌওং অমা

c. প্রোগ্রামদুগী অফ-ফত্ত নৈনবা, ফংলক্লিবশিং অমদি শন্দোকহনখিবদা মচা তারবা পাউদম অমা।

প্রোগ্রামদুগী মায় পাকপা হায়বসি মেত্রিক্স অহুমথক্কী অফ-ফত্তদু নৈনরগা ওনবা য়াইঃ




**লাইয়েক 5.2: মেন্তরিংগী অফ-ফত্ত নৈননবগী মেত্রিক্সশিং**

a. **শীতিজন্নবা ঙম্বাঃ** মেন্তরিং প্রোগ্রাম অসিনা ফংহনগনি হায়না আশা তৌরিবা স্তেকহোলদর পূন্নমকপু কোনশিনব্রা?

প্রোগ্রামসিগী শীজিন্নবা ঙম্বগী মতৌসি মসিগী অফ-ফত্ত নৈনরকপা মতমদা খ্বাইদগী মরুওইবা শক্তম ওইনা লৌই। কাঙলূপ অমগী মেম্বর পূম্নমক্না মেন্তরিংবু শীজিন্নবা ঙমগনি মরমদি মসিনা শেমদোক্কবা অমসুং মচা তারবা শিনফমগী চাওখৎপদা য়াওনবগী খুদোংচাবা অমা পীরি। ইন্দিকেতর অসিবু স্তেকহোলদরশিংগী লৈরিবা দেতাবেজশিং কোনশিল্লিবশিংদুদা য়েংলগা নৈনগদবনি। মসিদা ফিভমশিংগী পাক-চাউরবা ঙমখৈ অমগা লোয়ননা লৈবাক অমদা মায় পাক্না চৎনহন্নবগীদমক মখৌ তারিবা ইনক্লুসিভিতি, দাইভর্সিতি, স্কেলেবিলিতি, লোল অমসুং শীজিন্নবা ঙম্বগুম্বা মরুওইরবা মচাকশিংসু য়াওরি।

প্রোগ্রাম অসিনা মেন্তরিংবু স্তেকহোলদরশিংগী তঙাইফদবা নৎত্রগা শরুক য়ানবা থনবগী খুদোংচাবা অমা শেম্বা মতমদা, ৱাহং – "মেন্তরিংদগী কান্নবা ফংগদৌরিবা স্তেকহোলদরশিংসি প্রোগ্রামদুবু খ্বাইদগী হেন্না শীজিন্নবা ওইগদ্রা?" হংবা হায়বসি মরুওইগনি। মসিনা মেন্তরিং প্রোগ্রামবু, পীরকপা পাওতাক অমসুং অপাম্বা থনবদা সূক্ষম ওইবা অনীগী অপূনবা অমা ওইহনবদা তঙাইফদবা ওই। সিস্তম অমা হেক্তদা অনৌবা থবকশিং পূনশিন্নহনবা হায়বসি শীংননিঙাই ওই অমসুং মসিবু ফংহনবা অমসুং চৎনহন্নবা হাপচিনবগী চাংবুসু মখৌ তারকপগী মতুংইন্না ওনগদবা ওই।

**b. অপেনবাঃ** প্রোগ্রামদুগা লোয়ননা মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিং অমসুং মখোয়গী মরী লৈনরিবা স্কুলশিং/ইন্সতিত্যুসনশিংদু কয়ামুক পেন্নিঙাই ওইরবগে?

মেত্রিক্স অসিনা মেন্তরিং ইন্তরেক্সনশিংগী মগুনদা মীৎয়েং থম্মী। য়াওরিবা স্তেকহোলদর পূম্নমক্কী অপেনবা হায়বসি প্রোগ্রামদুবু শোয়দনমক্কী মখা চত্থহনবদা তঙাইফদবা ওইবা অমসুং পূম্নমক্না পান্নহনবা হায়বসিনি। মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংগী অপেনবা হায়বসি মখোয়গী শিনফমগী পুন্সিদা প্রোগ্রাম অসিনা হাপচিল্লক্লিবা মতীক-ময়াইশিংদুগী মতাংদা অমসুং মখোয়না মখোয়গী শীজিন্নখিবা মতমদুগী ফংলক্লিবা মহৈশিংদুগী মরমদা চাং নাইনা পাংথোকপা সর্ভেশিং শীজিন্নরগা ওনবা য়াই। স্তেকহোলদরশিংগী অপেনবা হায়বসি তোখাইবা মেত্রিক্স অনী শীজিন্নরগা ওনবা ঙম্মী –

i. হেন্না লায়থোকহল্লবা ইন্তরেক্সনগী মগুন – মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংনা মেন্তরিংগী ৱারী-ৱাতাইশিংগী স্ত্রকচরদা নুংঙাইজবা ফাওবা অমসুং অসিগুম্বা থবকশিংদা চঙথিবা মতমদু খ্বাইদগী য়ামহন্নবগীদমক নাকল অনীমক্তগী মতীক চানা য়াওই হায়বসি থঙহন্নবগীদমক্তনি।

ii. ইন্তরেক্সনগী খুত্থাংদা ঙাংন-শক্নখিবশিংদুদা য়াওখিবশিংগী মগুন – অসুম্না ইন্তরেক্সন মনুংদা পীরকপা মচাক্তুনা স্তেকহোলদরশিংগী শিনফমগী পুন্সিদা মতীক-ময়াই য়াওহল্লকই হায়বসি থঙহন্নবগীদমক্তনি। মসিনা স্তেকহোলদরশিংগী ৱাখল্লোন অসি অনৌবা মায়ওন অমদা পুখৎনবা হোৎনবদা চপচাবা শীংনবা অমা ওইরবসু মসিনা মখোয়গী হৌজিক লৈরিবা লৌশিং অসিদা শমজিন্নদুনা মমুৎ তানা থঙনবা হোৎনবদা হৈনহন্নবা হোৎনগদবনি।

**c. ইথিলঃ** প্রোগ্রাম অসিনা স্কুল/ইন্সতিত্যুসন্দা করি ইথিল পীবগে?

মেত্রিক্স অসিনা মেন্তরিং সিস্তমগী ইথিলদুগীদমক অফ-ফত্ত নৈনৈ অমসুং মসিনা ওনবদা খ্বাইদগী অৱাবা ওইবসু য়াই। মেন্তরিং প্রোগ্রামগী পান্দমগী মখা পোল্লদুনা, কনাগুম্বা অমনা মহৈরোইশিংদা

পীরিবা ইথিল, স্কুল কলচরদা হোংলক্লিবা অসিনচিংববু নৈনবা য়াই। মসিনা হেন্না শাংবা মতমগী ওইনা ওন্নবগী মেত্রিক্স অমা ওইবা অমসুং প্রোগ্রামসিগী হৌরকপগী তাঙ্কক অসি থোইদোক্লা কান্নরোইদবা ওইরবসু, নুমিৎ খূদিংগী থবকশিংদা পীরকপা ইথিলগী ফীদবেক অদুনা পান্দমশিংদু ফংহনবগা লোয়ননা প্রোগ্রাম অসি পান্দম ফংনবা লম্বীদা অদুমক মখা চত্থহন্নবগীদমক খজিক্তংমক ওইরবসু মতেং পাংলি।

মতম কুইরক্লবা মতমদা, প্রোগ্রামদুগী মায় পাকপা অমসুং মসিবু মখা চত্থহন্নবগী ৱারেপশিংদু প্রোগ্রামদুনা পীরক্লিবা ইথিলদুদা য়ূম্ফম ওইগদবনি। মেন্তরিং প্রোগ্রাম পাংথোকশ্নবা মতুং মতম থরগী তুংদা ওনগদবা ওইরবসু, মসি প্রোগ্রামসি মায়পাক্লা পাংথোকখিবগী চাং ওন্নবা খ্বাইদগী ফবা ইন্দিকেতরনি। স্কুলগী ফগৎলকপা, অনৌবা ৱার্কিং কলচর অমা লাক্লবগী থৌরাং তৌবা, হেন্না ফগৎনা তম্বগী মহৈনচিংবা লাক্লিবা শাফূ ওনবা হায়বসিদা অচুম্বা ইন্দিকেতরশিং শীজিন্নরগা পাংথোকপগী তঙাইফদবা লৈ অমসুং প্রোগ্রাম অদুবু খজিক্তংদা ওইরবসু ফগৎহন্নবগীদমক তোইনা পাংথোকপা তাই। মতাংসিদা খূদম খরা পীরিঃ

**তেবল 5.2: পান্দম অমসুং ইম্পেক্ত ইন্দিকেতর**

| মেন্তরিং প্রোগ্রামগী পান্দম | শীজিন্নবা য়ারিবা ইম্পেক্ত ইন্দিকেতরশিং |
|---|---|
| প্রি-সর্ভিস তীচরশিংবু ৱার্কফোর্সতা চঙবদা লায়থোকহন্নবগীদমক, প্রি-সর্ভিস তীচরশিংবু ইন-সর্ভিস তীচরশিংনা তম্বীগনি। | a) ওজানা ৱার্কফোর্সতা চঙলকপগা মথোয়গী পেনজবগী চাং চাদা হেনগৎপা<br>b) অনৌবা ওঝাশিংগী মহৈরোইশিংনা তল্লগা হৈবগী চাং চাদা হেনগৎপা<br>c) অনৌবা ওঝাশিংগী মহৈরোইশিংনা অপেনবগী চাং চাদা হেনগৎপা<br>d) ইন-সর্ভিস তীচর-মেন্তরগী পরফোর্মেন্স ইন্দিকেতরশিংগী চাং চাদা হেনগৎপা |
| অহৌবগী ময়েক অমসুং মশীং চৎপা ওস্বা (ফাউন্দেস্নল লিতরেসি অমসুং ন্যুমরেসি)দা মহৈরোইনা তম্বগী মহৈশিং হেনগৎহন্নবগীদমক, ওঝাশিংনা কাঙলূপ অমদা পীয়র-মেন্তরিং সর্কলশিং শেম্মী। | a) অহৌবগী ময়েক অমসুং মশীং চৎপা ওস্বা (ফাউন্দেস্নল লিতরেসি অমসুং ন্যুমরেসি) য়েংনবগী এসেসমেন্তশিংদা মহৈরোইনা তৌথোরকপা থবক্কী চাং চাদা হেনগৎপা<br>b) চূনবা তম্বীবা-তম্বগী দরকার ওইবা মচাকশিং শীজিন্নবা অমসুং ক্লাসরুমদা য়েংশিন-খোৎচিন তৌরিঙৈদা চেজন চনখিবা তৌথোরকপা থবক্কী চাং চাদা হেনগৎপা<br>c) ওঝাগী অপেনবা অমসুং খুনাইগী ৱাখল্লোন অমা পোকপগী চাং চাদা হেনগৎপা |

SDG 4 (ক্বালিতি এজুকেসন) না ইথিল পীরবসু, এন এম এম অসি SDG চৎনহনবগী তাইমলাইন্দুদা পখৈ লৈতে। মিসন অসি সিস্তমদুগী মনুংদা মেন্তরিংগী চত্থরিবা অমসুং মখা তারক্লিবা থৌওংশিং শেমগৎপগী পান্দমগা লোয়ননা হৌদোকখিবনি। মথক্তা পনখ্রিবা ইম্পেক্ত ইন্দিকেতরশিংসি মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমগী পান্দমশিং অমসুং থমখ্রিবা পন্থুংশিংবু মতম চানা শেমদোকপদা মতেং ওইগনি।

হোংলক্লিবা অদুগী মায়ওন চুন্নবগীদমক অফবা মওংদা হেন্না কনথৎহনবগী থবক অমদা, অফবা মহৈ পুরক্লিবা স্তেকহোলদর পুন্নমক্কী থবক্কুগী মনা পীগদবনি অমসুং পূক্নিং থৌগৎকদবনি। মসিগী অতোপ্পা কান্নবশিংদুগী

মথক্তা, মসিনা মেন্তরিং প্রোগ্রামনা পুরকখিবা অহোংবা অমসুং অফবা মহৈদুদা অদুম্মক মীৎয়েং থম্বা ঙমহনগনি। মমৈথংদা, মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমবু ভারতকী মহৈ-মশিলগী লমদা অফবা য়াওলশিং লাকহন্নবগীদমক মসিগী তৌবা ঙম্বগী মতীক্তুনা অফ-ফত্ত নৈনগদবনি।

## 5.5 ইন্সতিত্যুস্নেলাইজেসন

মেন্তরিং হায়বসি ইন্সতিত্যুসন, লূপ অমসুং লন্নাইগী শিনফমগী পন্থুংশিং ফংহন্নবগী অচৌবা পাম্বৈ অমনি। মসিনা সিস্তমদুগী পীরক্লিবা অপূনবা মতীক-ময়াইদুবু হেনগৎহন্নবগীদমক ইকোসিস্তম অমদা লৈরিবা রিসোর্সশিংবু শীজিন্নে অমসুং মসিবু এজুকেসন সিস্তমগী থাক শিনবা থুংনা তঙাইফদবা থবক অমা ওইনা উগদবনি। অসিগুম্বা তঙাইফদবা থবক অসি স্তেকহোলদর পূম্নমক্কী নুমিৎ থূদিংগী থবকশিংদা তুংকোইনগী ওইনা পুনশিল্লিবা চত্থরিবা থৌওং অমা ওইগদবনি।

মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমনা মসিগী কান্নবা ফংলিবশিংগী মরক্তা থাজনবা অমসুং মরুপ-মপাং ওইবগী ৱাখল্লোন অমা লৈবনা মরম ওইদুনা অহৌবমক্তদা স্তেকহোলদরশিংগী মরক্তা অপেনবা কয়া'মা পোকহনবা য়াই। অদুম ওইনমক, মেন্তর, মেন্তী অমসুং এদমিনিস্ত্রেতরগী ওইনা, মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমা পাংথোকপদা মতম অমসুং থবক কয়া চঙই। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অমবু মথা চত্থহন্ননবা মেন্তরিং প্রোগ্রাম অসিদা ইন্সতিত্যুস্নেলাইজেসনগী তঙাইফদবা লাক্কনি।

ইন্সতিত্যুস্নেলাইজেসন হায়বসি লূপ নৎত্রগা নাৎ অমগী চৎনবী অমা ওইনা নৎত্রগা মহৌশাগী নিয়ম অমা ওইনা করিগুম্বা থরবু শাগৎপগী থবক অদুবুনি। মেন্তরিং প্রোগ্রামগী স্ত্রকচর পূম্নমক শিংথানিঙাই ওইবা স্কেলদা, মসিনা তুংকোইনা মথৌ তৌহন্নবগীদমক ইন্সতিত্যুসনগী থবকশিং অমসুং কান্নবশিংগা মরী লৈনহনগদবনি। থাক অমা হেক্তদা প্রোগ্রামবু মায়পাক্লা ইন্সতিত্যুস্নেলাইজেসন তৌনবগী মওং অনীথক লৈ।

## 5.6. ইনসেন্তিভ পীবা

প্রোগ্রাম অসিনা মেন্তরশিং, মেন্তীশিং অমসুং মখোয়গী মরী লৈনরিবা ইন্সতিত্যুসনশিংদা এজুকেসন সিস্তমদা হান্নগী লৈরিবা স্ত্রকচরশিংবু চাওখৎহনবদা মতেং ওইনা শরুক য়ানবগীদমক শেল-থুমগী নত্তবা পূক্নিং থৌগৎপগী ইনসেন্তিভ পী।

মতাংসিদা মেন্তরশিং নৎত্রগা মেন্তীশিংবু করম্না পূক্নিং থৌগৎপগে হায়বগী থূদম থরা পল্লিঃ

**তেবল 5.3: ইনসেন্তিভশিংগী (পূক্নিং থৌগৎপগী) মথলশিং**

| থূদম মশীং. | ইনসেন্তিভকী (পূক্নীং থৌগৎপগী) মথল | অকুপ্পা মৱোলশিং |
|---|---|---|
| **থূদম 1** | মেন্তরশিংবু মীয়াম মাঙদা পুখোকপা | a) থ্বাইদগী মথৌ নিংথিজনা তৌবা মেন্তরশিংবু মাংজিন থারিবা ইন্সতিত্যুসন অমদগী এক্সক্লুসিভ লীদরশিপ দেভলপমেন্ত কোর্স অমা য়াওহনবগী থুদোংচাবা পীবা।<br>b) এন এম এম বু নেস্নল প্রোফেস্নল স্তেন্দর্দস ফোর তীচর্স (এন পি এস তি) গা শম্নগনি। |

| | | |
|---|---|---|
| **খূদম 2** | খ্বাইদগী মথৌ নিংথিজনা তৌবা মেন্তরশিংবু মশক খঙবা | a) থাগৎপা ফোঙদোকপগী সর্তিফিকেতশিং<br>b) মীয়ামগী মূক্লিং থিংজিনফম ওইহনবা, খূদম ওইনা, খ্বাইদগী মথৌ নিংথিজনা তৌবা মেন্তরশিংগী ৱারীবু পল্লদুনা, ৱেবসাইত্তা ফোঙদোকপা।<br>c) এন এম এম গী চহী লোইশিল্লকপগী সেমিনারদা খ্বাইদগী ফবা থবকশিংবু উৎপগী খুদোংচাবা পীবা। |

মেন্তীশিংলক্তগী থোইদোক-হেন্দোক্লবা থবকশিং তৌববুসু শকখঙবীগনি অমসুং থাগৎপা ফোঙদোকপগী সর্তিফিকেত অমা পীগনি।

## 5.7. মেন্তরিং প্রোগ্রামশিংদা শীংনরক্লিবশিং

মেন্তরিং প্রোগ্রাম হায়বসি অয়েৎ-অপনশিংদগী মনীং তম্না লৈবা নৎতে। মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমবু শেম্বা অমসুং চৎনহনবদা মশাগী ওইবা শীংনরকপা কয়ামুক থোরকই। অদুম ওইনমক, ঐখোয়না অসিগুম্বা শীংনরক্লিবশিং অসিবু খঙলবদি, মখোয়বু অচম্বা মওংশিংদা পুথোকপা ঙম্মী।

### 5.7.1 চূশিন্নদ্রবা আশাশিং

মেন্তরশিপ কন্সত্রক্ত অমা হেক্তগী তঙাইফদবা মচাক অমদি শরুক য়ারিবা স্তেকহোলদর পূম্নমক্কী পন্থুংশিং অমসুং ময়েক শেংলবা আশাশিং অদুবু য়াথোকপনি। পন্থুংশিংবু য়াথোকপা অমসুং আশাশিংবু চূশিনহনবনা মেন্তরশিং নৎত্রগা মেন্তীশিংনা মেন্তরশিপ অদুগী মনুংদা মখোয়না করি পাংথোক্কদবগে হায়বদু ময়েক শেংদবা মতমদুদা শীংনবা অমা ওইরকপা য়াই।

অথিংবা অসিদগী পুমকোক কোকহন্নবগীদমক, মেন্তরিং প্রোগ্রাম হেক হৌবদগীনা লোইবা ফাওবদা লেপ্পা লৈতনা আশাশিংদুগী মতাংদা পাউ ফাওনবা অমসুং মীপূম খুদিংমক চূশিন্নবা ঙম্নবগীদমক চাংয়েংশিং তৌবা হায়বসি তঙাইফদবা ওইরকই।

### 5.7.2 দিসইনভেস্তেদ মেন্তী

মেন্তীশিংনা মেন্তরশিপ প্রোগ্রামশিং য়াওবা অমসুং অয়াম্বা শরুক ওইবা য়াম্নমক মরুওইরকপা মতমদা, মখোয়না মরীদুদা অদুমক লৈননবা মূক্লিং থৌগৎপসু মরুওই। মেন্তীশিংবু দিসইনভেস্ত তৌহল্লিবসিগী মনুংদা লোয়নরক্লিবা মরম কয়ামুক লৈবা য়াই। মসিনা মেন্তর-মেন্তীগী শরুক য়াবগী মগুন্দা অপনবা পী অমসুং তোঙান-তোঙানবা এক্তরশিংনা হোৎনরিবশিংদুবু থৌশারক্তে। অসিগুম্বা মেন্তীশিংবু দিসইনভেস্ত তৌবসি মেন্তরিং প্রোগ্রাম অদুদগী খ্বাইদগী হেন্না কান্নবশিং ফংনবগীদমক মেন্তরদুনা ইথিল পীগদবনি অমসুং মূক্লিং থৌগৎকদবনি।

### 5.7.3 মেন্তরশিংদা ইথিল পীবা ৱাৎলকপা

প্রোগ্রামদুগীদমক মেন্তরশিংগী চূনবা মশীংবু থনবা হায়বসি খ্বাইদগী তোইনা শীংনরক্লিবশিংগী মনুংদগী অমনি। শীংনরক্লিবা অদু মরুওইরকপা মতমদা, মেন্তরশিংগী ইথিল পীবশিং অমসুং য়াম্না খঙ-হৈবশিংদুসু মরুওই। ইথিল পীবা ৱাৎপসিনা মেন্তরশিংনা শরুক য়াবা হন্থবা অমসুং কান্নবা ৱাৎপা ওইহনগনি। মসিনা মেন্তরিংগী মরীবু মায় পাকহল্লোই অমসুং মেন্তীশিংগী অশোনবা মহৈশিং ওইহল্লক্কনি।

প্রোগ্রামদুগী হেক হৌরকপদা চূনবা মেন্তরশিং থনবসি, মরম অসিনা, মরুওইরকই। মসিগা ঈৱোইননা, মসিনা মেন্তরশিংদা অফবা ত্রেইনিং পীবা অমসুং মরীদুগী মনুংদা মখোয়গা ইন্তরেক্সন তৌনবা হায়বসি মরুওইরকই।

### 5.7.4 হেঞ্জিনবা নৎত্রগা মতীক চাদবা স্ত্রকচর

মেন্তীশিংগী লন্নাইগী ওইবা তঙাইফদবশিংবু মশক খঙবা হায়বসি মরুওই। মেন্তী অমসুং মেন্তর থরনা তূলশিং অমসুং রিসোর্সশিংগী মখল ময়াম অমা ফংবগী নুংঙাইগনি, অদুগা অতোপ্পা থরদনা মখোয়দুবু শীজিন্নবগীদমক তকশিল্লবদি, মখোয়দসু মসি পোৎলুমগুম্না ফাওই। মেন্তরশিং/মেন্তীশিংনা মখোয়গী মখৌ তারকপা অমসুং খুদোংচাবগী মতুংইন্না রিসোর্সশিংবু শীজিন্নবা ঙম্বা মওং অমদা প্রোগ্রাম দিজাইন্দুবু থল চানা থম্বগী পাম্বৈ অমা পুখোকপা হায়বসি মরুনি।

### 5.7.5 চেকপোইন্তশিংবু থৌশারক্তবা

মেন্তরিং প্রোগ্রামগী ময়েক শেংলবা চেকপোইন্তশিংনা প্রোগ্রামদুবু নিংখিজনা হৌরকপা, ময়াই চনশিল্লকপা অমসুং লোইশিল্লকপগা মরী লৈননা, মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংদা লমজিং-লমতাক পী। মসিনা মেন্তর অমসুং মেন্তী অনীমক্কী অপেনবদু পীরকই। খূদম ওইনা, মেন্তরিংগী মরী অমদা কান্নবা মওংদা লোইশিনখিবা ঙমদবনা মতুং তারকপদা মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংদা পেলহন্দে, চমম্নবা পোকই অমসুং তমশিল্লক্লিবশিংদুগা লোয়নননা করম্না মাংলোমদা চৎকদবগে হায়বদু খঙলক্তে।

### 5.7.6 মেন্তরিংবু কোয়শিল্লিবা অরানবা ৱাখল্লোনশিং

মেন্তরিংবু কোয়শিল্লিবা তোইনা থেংনরিবা অরানবা ৱাখল্লোন থরনা অয়েৎ-অপনশিং থোকহনবা ঙম্মী। মেন্তরিংগী মতাংদা শন্দোরক্লিবা লান্না থাজবা থরনা অথিংবশিং ওইহল্লকপা য়াই অমসুং শরুক য়ারিবশিংনা থেংন-উরকপদগী খঙলকপা অদুদগী খ্বাইদগী হেন্না ফংগদবদুদা পূক্লিং শোন্থহল্লকই। তোইনা থেংনবা লান্না থাজনবা থরগী মনুংদা য়াওরিঃ

- "মেন্তরিং হায়বসি মতম য়াম্না চঙবা থৌওংনি"
- "মেন্তরিং হায়বসি করিয়র নৎত্রগা লন্নাইগী পুন্সিদা মমল য়াওদে"
- "মেন্তরিংনা মেন্তীখক্তদা কান্নবা পী অদুবু মেন্তরশিংদদি পীদে"

প্রোগ্রামদুগী হেক হৌরকপদা নিংখিজনা মশক তাক্লবা থৌদাংশিং, লৌগদবা দায়িত্বশিং অমসুং মহৈশিংদুগা লোয়নননা ময়েক শেংলবা আশাশিং থম্বনা অসিগুম্বা অরানবা ৱাখল্লোনশিংসি কোকহনবদা মতেং পাংই। নিংখিজনা থৌরাং তৌবা অমসুং ঙাক্লো পীবগা লোয়নরবা মেন্তরশিপ প্রোগ্রাম অসি মতম কুইনগী ওইনা মথা চথবা য়াই অমসুং তুংকোইনগী মহৈ অমা পীবা য়াই। প্রোগ্রামদুনা অমুক্তংবু থোঙজেল য়াঙনা চেনবা হৌগ্রবদি, মেন্তরিংগী নাৎ অমা শেমগৎলকই অমসুং ফোর্মেল প্রোগ্রামশিংগা লোয়নননা ইনফোর্মেল মেন্তরিংনা হেক হেক য়াকায়রকই।

### 5.7.7 ফংবা ঙমদবা মেন্তরিং


মেন্তরিং স্ত্রকচর অমসি মেন্তরিংগী ইথিল পীনরিবশিংগী ফংবা ঙম্বগী চাংদুবু থন্নরগা শেমগদবনি। খূদম ওইনা, স্কুল অমগী মনুংদা মেন্তরিং অসি হকথেংননা শরুক য়ারগা অমসুং লেপথ্রবা চাং অমদা থোকপা য়াই, মসি মেন্তর অমসুং মেন্তী পূম্নমক্তা লায়না ফংহনবা ঙম্মী। অদুম ওইনমক, লৈবাক শিনবা থুংনা পাংথোকপা মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমনা তেক্নিকল প্লেতফোর্মগুম্বা, পান্দমশিং ফংনবগীদমক হেন্না চাওবা ইনফ্রাস্ত্রকচর অমা মখৌ তারকপা য়াই। মেন্তরিং অসি মোদশিং অমসুং মেদিয়াশিং শেম্বা মতমদা মায়থোং য়াম্বা থৌরাং অমা শীজিন্নরগা হেন্না ফংহনবা য়াই।

## 5.8 গ্রিভান্স রিদ্রেসল মেকানিজম

গ্রিভান্স রিদ্রেসল কমিতি অসি অরোন-অথুপ হেন্না লৈহন্দনা এন এম এম গা মরী লৈননা ৱাকৎলকপশিংদু শিন্দোক-শিঙ্গিন তৌনবা অমসুং কোকহন্ননবা এন সি তি ই না শেমগনি। মসিনা মেন্তর/মেন্তীনা মায়োক্লরিবা অয়েৎ-অপনশিংবু কোকহন্ননবগীদমক নিয়ম চুন্নবা থবকশিং পায়খৎপদা মতেং পাংগনি। মসিনা মেন্তীশিং/মেন্তরশিংনা মেন্তরিং সিস্তম অসিবু মখোয়গী তঙাইফদবশিংদু হেন্না ফংহন্নবগীদমক মখোয়গী অৱাবশিং অমসুং মোতশিংদু ফোঙদোক্লবগী খুদোংচাবা অমা পীগনি।

# পন্দুপ VI

# জাতিগী মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর (নেস্নল মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর)



# পন্দুপ VI: জাতিগী মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর (নেস্নল মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর)

## 6.1 ৱাহৌদোক

এন এম এম না মেন্তরিংবু পাক-চাউনা মায়পাক্কা পায়খৎপদা পান্দম থম্মী অমসুং তেক্নোলোজি অসিবু ওইথোকহল্লিবসি য়াম্নমক মরুওই। নেস্নল মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর (এন এম আই) অসি এন দি ই এ আর গা চুশিন্নরিবা অমসুং পাকথোক-চাউথোকপগী মতীক অমসুং থাজবা য়ানবগী শেমখিবা ওপন-সোর্স মোদুলর বিলদিং ব্লোকশিংগী চবুন অমা ওইনা শাগৎখিবনি। অমগা অমগা শন্নদবা অমসুং তোখায়-তোখায়রবা মেন্তরিং সোলুসন কয়ামুক লৈরি মরমদি মেন্তরিং সোলুসন/সিস্তমশিংগী থৌওংগীদমক মশক তাক্লবা প্রোতোকোলশিং হৌজিক্কী ওইনা লৈত্রি। মেন্তীশিংনা মেন্তরশিংবু পুথোক্লবগীদমক তোঙান-তোঙানবা সোলুসনশিং নৎত্রগা সিস্তমশিং শীজিন্নরক্লি। এন এম আই Beckn DSEP Protocol দা চৎনহল্লবা – য়ুনিফাইদ মেন্তরিং ইন্তরফেস (য়ু এম আই)পু মশক তাকপা অমদি ওইথোকহল্লদুনা অৱাৎপা অসিবু মেনখৎপদা পান্দম থম্মী। য়ু এম আই না ওপন প্রোতোকোলশিং/স্পেসিফিকেসনশিংগী চবুন অমা অমসুং ইন্তরফেস অমগী মতেংনা তোঙান-তোঙানবা সর্ভিসশিং শিনবা থুংনা মেন্তরশিং অমসুং মেন্তরিং প্রোগ্রামশিং খিবগী লম্বী য়াৎলদুনা, তোঙান-তোঙানবা মেন্তরিং সর্ভিসশিং অমসুং সোলুসনশিংগী সিস্তমশিং পীথোক-পীশিন তৌনবা ঙমহনবদা পান্দম থম্মী। ইকোসিস্তমবু মতীং লৈহনবা হায়বসি অনৌবা পুথোকপা, তোঙান-তোঙানবগী মতৌ অমসুং কন্তেক্সচ্যুএলাইজ তৌনবগীদমক তঙাইফদবনি। য়ু এম আই না য়ুনিফাইদ মেন্তরিং নেতৱার্ক (য়ু এম এন) অমা শেম্বা ঙমহনগনি। নেতৱার্ক অসিদা তোঙান-তোঙানবা ইকোসিস্তম স্তেকহোলদরশিংনা সোলুসনশিং শীজিন্নবা অমসুং শেম্বা ঙম্মী অদুগা মথোয়গী সোলুসনশিং/সর্ভিসশিংবু মেন্তরিংগী শীজিন্ননবগীদমক পীথোরকই।

এন এম আই না মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংগী খেন্নবা মতাংশিংদা মেন্তরিং সর্ভিসশিং অমসুং সোলুসনশিংবু লৌশিনবদা লায়থোকহন্নবা পান্দম থম্মী। অসিগুম্বা শক্তমশিংসি মসিগী প্রিন্সিপলশিং অমসুং তেক্নোলোজিগী মচলশিং য়াওনা মসিবু শেম্বগী থোঙথাং খূদিংমক্তা কনখৎহল্লি।

## 6.2 দিজাইন তৌবগী চৎনৱোলশিং (দিজাইন প্রিন্সিপলশিং)

তাঙ্ককসিদা, মীৎয়েংফম অসি তঙাইফদবা দিজাইন প্রিন্সিপলশিং অমসুং খ্বাইদগী ফবা থবকশিংবু পল্লদুনা এন এম আই গী দিজিতল ইনফ্রাস্ত্রকচরগী আস্পেক্তশিংদা থমখিঃ




লাইয়েক 6.1: জাতিগী মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর (নেস্নল মেন্তরিং ইনফ্রাস্ত্রকচর)গী দিজাইন তৌবগী চৎনৱোলশিং (দিজাইন প্রিন্সিপলশিং)

a. **মাইক্রোসর্ভিস আর্কিতেকচর:** স্কেল অমসুং দাইভর্সিতিবু কোকহন্নবগীদমক, মোদুলর সর্ভিসশিংবু মথৌ তারকপগী মতুংইন্না পূনশিন্নহনবা অমসুং থাইদোক্কবা য়াই। মসিনা হাইফেত্তং পূনশিন্নহল্লবা মাইক্রোসর্ভিসশিংগী মতেংনা হোংলক্লিবা তঙাইফদবশিং অমসুং ফিভমদুগী মতুংইন্না মথৌ তৌবা ঙম্বগী য়াওল লাকহল্লি।

b. **শাফবা অমসুং মরম চাবা:** সেক্যুরিতি অমসুং প্রাইভেসিবু শেন্নবা হায়বসি মরুওই অমদি মতৌ অসুন্না, মসিনা দিজাইন্দুগী মরুওইবা শরুক অমা শেম্মী। ইনফ্রাস্ত্রকচরসি মসিবু শীজিন্নরিবশিংগী দেতা সেক্যুরিতি অমসুং প্রাইভেসিবু লৈহনবা মতমদা দেতা পীবা ঙমহন্নবা শেম্মী।

c. **ওপন স্তেন্দর্দশিং:** ওপন স্তেন্দর্দশিং অমসুং ইন্তরওপরেবিলিতি অসি ইনফ্রাস্ত্রকচর দিজাইন তৌনবগীদমক মরুওই অমসুং মসিনা তোঙান-তোঙানবা য়ুজ কেসশিংবু শোয়দনমক্কী ঙাক্লৌ পীগদবনি। এন এম আই অসি অখন্নবা প্লেতফোর্মশিং, নেতৱার্ক তেক্নোলোজিশিং, নৎত্রগা লোলশিংগা মরী লৈনদবা ইন্তরওপরেবিলিতি লৈহল্লিবা ওপন প্রোতোকোলশিং অমসুং এ পি আই শিং শীজিন্নদুনা শাই। মসি ইন্তরওপরেবিলিতি য়াননবা স্তেন্দর্দশিংদা য়ূম্ফম ওই। মরম অসিনা, ওপন এ পি আই শিংনা পূন্না থবক তৌমিন্ননবগী মান্নদবা তেক্নোলোজিশিং শাগৎপা তোঙান-তোঙানবা মেন্তরিং সোলুসনশিংগী পাক-চাউরবা ঙমখৈ অমবু ঙাক্লৌ পীগনি।

d. **ফগৎহনবা য়াবা অমসুং থাঙবা ঙম্বা:** ইকোসিস্তমদা য়াল্লবা য়ুজর মশীং অমগী স্কেল তৌবা ঙম্নবগীদমক, থবকশিংগী স্কেলেবিলিতিবু স্তেন্দর্দাইজেসন অমসুং হোরাইজোন্তল স্কেলিংনা শোয়দনা লৈহনগনি।

e. **ওবজর্ভেবিলিতি:** ইনফ্রাস্ত্রকচরদা মেন্তরিংগী ইথিল পীনরিবদুগী অকোয়বদা পীথোক-পীশিন তৌনরিবা মমল য়াল্লবা ঈ-পাউশিংগী ওবজর্ভেবিলিতি হায়বসি তিলেমেত্রিগী মতেংনা থঙবা ঙমগনি। মসি মেন্তী/মেন্তরশিংগী অকোয়বদা থোক্লিবা থৌদোক পূল্লমকপু লৌশিন্নবা অমসুং মখোয়বু শীজিন্ননবা অমসুং কূপ্না নৈননবগীদমক ফংহন্নবা শেম্বনি।

f. **থাজরবা প্লেতফোর্ম:** ইনফ্রাস্ত্রকচরনা কাঙলূপ অনীমক হায়বদি মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংগী ওইনা মমুৎ তানা থঙবগা লোয়ন-লোয়ননা মরম চাবা মেন্তরিং এক্সপরিএন্সপু লৈহন্নবগীদমক থাজরবা প্লেতফোর্ম অমা লৈনবা পান্দম থম্মী। মসিবু থাজবা ঙম্বা রেজিস্ত্রিশিং শীজিন্নবা অমসুং মেন্তরশিংবু লৌশিনবগী চেকশিল্লবা থবক্না প্লেতফোর্মদুদা চুম্মী অমসুং শোইদ্রে হায়রবা মেন্তরশিং লৈহন্দুনা পাংথোকই।

g. **দিসেন্ত্রেলাইজ তৌবা অমসুং শন্দোকখিবা:** ইনফ্রাস্ত্রকচর অসি এপ্লিকেসনশিং অমসুং সোলুসনশিংবু ফংবা ঙমহন্নবা অমসুং নেতৱার্ক অদুগী শরুক ওইরিবা শন্দোকখ্রবা থাজরবা এন্তিতিশিং/পুক্লেশিংদগী দেতা লৌনবগীদমক শেম্বনি।

h. **প্লেতফোর্ম থিঙ্কিং:** ইনফ্রাস্ত্রকচরনা জাতিগী থাক অমদা থবক তৌনবা মখোয়গী সোলুসনশিং/সর্ভিসশিংবু শেম্নবা অমসুং পাকথোক-চাউথোকহন্নবগীদমক স্তেকহোলদরশিং (সোলুসন পীরিবশিং)গী ইকোসিস্তমগী অয়াবা পী।

i. **পূনশিল্লবা অমসুং চাং মান্নদবা:** ইনফ্রাস্ত্রকচর অসি পূন্না থবক শুমিন্নবগী মতেং পাংলিবা অমসুং পূন্না থবক শুমিন্ননবা তোঙান-তোঙানবা সোলুসনশিং লৈহল্লিবা ওপন স্তেন্দর্দশিংদা য়ূম্ফম ওই।

j. **ইকোসিস্তম্বু লৈহনবাঃ** য়ু এম আই না পুক্কৈশিংদা লৈরিবা দেতা শীজিন্নদুনা অমসুং শীজিন্নরিবা মীদুদা ৱিন্দো অমখক্তমক ফংহন্দুনা পূন্না থবক শুমিন্নবগীদমক মেন্তরিং সোলুসনশিং/এপ্লিকেসনশিংগী ইকোসিস্তম অমা লৈহল্লি।

k. **পাকথোক-চাউথোকহনবগী মতীকঃ** ইনফ্রাস্ত্রকচর অসি নেতৱার্ক অদুদা লায়না য়াওবা য়ানবগীদমক অনৌবা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিং/এন্তিতিশিংবু হাপচিনবা য়াবা মওং অমদা শাগৎলি। অকুপ্পা মরোলগা লোয়নরবা থবক অদুনা অনৌবা এন্তিতিশিংবু নেতৱর্ক অদুগী হান্নগী মতীকশিং অমসুং কান্নবশিংদু হেন্না ফগৎনবা শীজিন্নবা য়াহনগনি।

l. **শেম্লিবদুনা পূন্নমকপু কোনশিনবাঃ**

i. **য়ুজর বেজ**


ইনফ্রাস্ত্রকচর অদুনা শীজিন্নরিবশিংদুগী ফিভম অমসুং তোঙান-তোঙানবা তঙাইফদবশিং হায়বদি তোঙান-তোঙানবা প্লেতফোর্মশিং – ফোন, ৱেব, তোঙান-তোঙানবা লোলশিংনচিংবদা পীননবগীদমক শেমগদবা সোলুসনশিং পী।

ii. **সিস্তমশিং অমসুং থৌওংশিং**

ইনফ্রাস্ত্রকচর অসি হৌজিক লৈরিবা এপ্লিকেসনশিং, সোলুসনশিং অমসুং মচাকশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা সিস্তমশিং অমসুং থৌওংশিং শমজিন্নবা অমসুং শীজিন্নবগীদমক শেম্মী।

## 6.3 মেন্তর-মেন্তীগী ৱা তাথোক-তাশিন ঙমহনবা


এন এম আই গী মরুওইবা পান্দমশিংগী মনুংদগী অমদি মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংগী মরক্তা অপনবা লৈতনা মতম অমত্তদা অমসুং তোঙান-তোঙানবা মতমশিংদা মেন্তরিংগী ইন্তরেক্সন তৌবা ঙমহনবা হায়বসিনি। য়ুনিভর্সল দিস্কভরেবিলিতি অমসুং থাজবনা ইন্তরেক্সন ঙমহল্লি অদুগা ফীদবেক্লা পুদুনা চৎলি। তেক্নোলোজি ইনফ্রাস্ত্রকচরদা মখাগী কি ভর্ব 6 সিবু ওইথোকহনগনি।




**লাইয়েক 6.2: তেক্নোলোজি ইনফ্রাস্ত্রকচরদা ওইথোকহল্লিবা কি ভর্বশিং**

## 6.4 তেক্নোলোজিগী মচলশিং

দিজাইন প্রিন্সিপলশিংগা পূন্না থম্বা মতমদা, এন এম আই না মসিবু শীজিন্নরিবশিংগী মেন্তরিং সোলুসন ময়াম পীরিবা মান্নদবা তেক্নোলোজিগী মচলশিং পী।




**লাইয়েক 6.3: য়ুনিফাইদ মেন্তরিং নেতৱার্ক (য়ু এম এন) - কম্পোনন্ত লেভল ভিয়ু**

a. **মেন্তী ইন্তরফেস (এপ/ৱেবসাইত/অতোপ্পা সোলুসনশিং):** মেন্তীশিংনা মখোয়গী অপাম্বা অমসুং তঙাইফদবশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা মেন্তরশিং অমসুং মীফমশিং পুখোক্লবগীদমক ইন্তরফেস অসিবু শীজিন্নবা ঙম্মী। মখোয়না মখোয়গী পূক্নিং চিংশিল্লিবা মেন্তরিং প্রোগ্রামশিং মিং চনবা য়াই।

b. **মেন্তর ইন্তরফেস (এপ/ৱেবসাইত/অতোপ্পা সোলুসনশিং):** মেন্তরশিংনা মেন্তীশিংগা লোয়ননা মখোয়গী ইন্তরেক্সন তৌনবশিং /মীফমশিং থৌরাং তৌনবগীদমক ইন্তরফেস অসিবু শীজিন্নবা য়াই। মখোয়না মতমগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা ইন্তরেক্সনশিংবু মুন্না থঙবা অমসুং নৈনবসু ঙম্মী।

c. **মেন্তরিং তেক্নোনোমিঃ** জাতিগী মেন্তরিং তেক্সোনোমি অমা নেস্নল ইনফ্রাস্ত্রকচরগী শরুক ওইনা শেমগৎকনি অমসুং হাপচিনগনি। তেক্সোনোমি অসিনা মেন্তরগী মগুনশিং, মেন্তরিংগী লমশিং অমসুং ইন্তরেক্সনগী মেদিয়মশিংগুম্বা মরুওইবা শক্তমশিং কোনশিনগনি।

d. **য়ুনিফাইদ মেন্তরিং ইন্তরফেস (য়ু এম আই) গেতৱেঃ** য়ু এম আই না তোঙান-তোঙানবা সর্ভিসশিংদা মেন্তরশিং/প্রোগ্রামশিংবু পুখোক্না তোঙান-তোঙানবা মেন্তরিং সর্ভিসশিং/ সোলুসনশিংগী ইন্তরওপরেবিলিতিবু ওইথোকহনগনি। য়ু এম আই না ওপন প্রোতোকোলশিংদা শেমগৎপা ওপন নেতৱার্ক অমা শেমদুনা লর্নিং/মেন্তরিং সর্ভিসশিংবু অয়েৎ-অপন লৈহন্দনবা পান্দম থম্মী।

e. **এপ রেজিস্ট্রিঃ** মসিদা ইন্তরফেস অদুবু শীজিন্নরিবা মোবাইল এপ, ৱেব পোর্তল অমসুং অতোপ্পা

সোলুসন পূন্নমক্কী রেজিস্ত্রি অমা য়াওই।

f. **সর্ভিস রেজিস্ত্রিঃ** মসিদা গেতৱে অদুদা সবস্ক্রাইব তৌবা মেন্তরিং সিস্তমশিং (এপ্লিকেসনশিং) গী রেজিস্ত্রি অমা য়াওই।

g. **মপানগী রেজিস্ত্রিঃ** মসিদা ইকোসিস্তমদুদা মশক থঙদোক্লবা মেন্তরশিংগী তোঙান-তোঙানবা দিসেন্ত্রেলাইজ তৌরবা থাজনিঙাই ওইরবা রেজিস্ত্রিশিং (একাদেমিক বোদিশিং, স্তেত দিপার্তমেন্তশিং অমসুং সি এস ও শিংদগী) য়াওই।

h. **মেন্তরিংগী থবকঃ** ইনফ্রাস্ত্রকচর অদুদা মাইক্রোসর্ভিস অদুনা মেন্তরশিংনা মখোয়গী মীফমশিংবু থৌরাং তৌবা ঙমহনগনি অমসুং মেন্তর অমসুং মেন্তীগী মরক্তা মরুওইবা ইথিল পীনহল্লি।

## 6.5 য়ুনিফাইদ মেন্তরিং ইন্তরফেস

য়ু এম আই হায়বসি Bekn DSEP Specification অসি শাগৎপা নেতৱার্ক ইন্তরফেস অমনি। নেতৱার্ক অসিনা তোঙান-তোঙানবা প্রোভাইদরশিং অমসুং কঞ্জ্যুমরশিংনা অয়েৎপা লৈতনা ইথিল পীনবা য়াহল্লি।

### 6.5.1. ফাইলদগী দেতা/ঈ-পাউ থিবা (দিস্কভরেবিলিতি)

মেন্তর পূন্নমক (থঙ-হৈরবা রিসোর্স পর্সনশিং/থবক্তগী পোত্থারবা প্রোফেসরশিং/ওঝাশিং অসিনচিংবা) অসিবু মখোয়গী দিভাইসশিংদা করম্বা মেন্তরিং এপ্লিকেসনবু হাপচিল্লিবনো হায়বদুগা মরী লৈনদনা ইন্তরফেস অমথক্তদা উগনি অমসুং ফংবা ঙমগনি। মসিনা শীজিন্নরিবশিংনা রিসোর্সশিংগা শম্নরবগীদমক এপ্লিকেসন কয়ামুক হাপচিনবগী মহুত্তা প্লেতফোর্ম অমথক্তদা মেন্তরশিংগী কাঙলূপ অমগা থেংনবা ঙমহনগনি।

### 6.5.2. থাজবা

কান্নবা মেন্তরিংগী ইন্তরেক্সনশিংসি প্লেতফোর্ম অদুদা য়াওরিবা থবক পাংথোক্লিবা (এক্তর) পূন্নমক্কী মরক্তা থাজবা অমা শেমগৎপা ঙম্নবথক্তদা থোক্কনি। থাজবা অসিবু তোঙান-তোঙানবা একাদেমিক ইন্সতিত্যুসনশিং অমসুং স্তেত দিপার্তমেন্তশিংনা থাজরবা মেন্তরশিংগী রেজিস্ত্রিগী মতেংনা ওইথোকহনগনি। চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়না পুথোকপা য়ারিবা মগুনশিংদু প্লেতফোর্মদুদা থাজরবা মেন্তর প্রোফাইল পূন্নমক্তুদা ওইথোকহনগনি।

## 6.6 অপূনবা মেন্তরিং নেতৱার্ক

ইকোসিস্তম অপ্রোচ অমবু এন এম আই গী লেপ্তনা চাওখৎপা, শীজিন্নবা অমসুং খুমাং চাওশিনহনবরোমদা থন্নগনি। ইকোসিস্তমদুবু কনখৎহনবা অসি অনৌবা পুথোকপা, দাইভর্সিতি অমসুং কন্তেক্সচ্যুএলাইজেসন তৌনবগীদমক তঙাইফদবনি। য়ু এম এন অসি তোঙান-তোঙানবা ইকোসিস্তম এক্তরশিংনা এন এম আই বু শীজিন্নবা অমসুং খুদোল তম্লম্বদা মতেং ওইনবগী হোৎনবা অমা ওইগনি। অসিগুম্বা ইনফ্রাস্ত্রকচরনা স্তেকহোলদরশিংগী ইকোসিস্তমনা মথক ইথং থংবদা সোলুসনশিং শীজিন্নবা, শেম্বা অমসুং মেন্তরিং য়ুজ কেসকীদমক মখোয়গী সোলুসনশিং/সর্ভিসশিংবু পাকথোক-চাউথোকহনবা য়াহল্লি। প্লেতফোর্মসি পূন্নমক য়াওরবা, চাং মান্নবা, মোনোলিথিক সোলুসন অমা ওইনা শেম্বা নৎতে হায়বসিবু থঙহন্নবগীদমক মরুওইরবা ৱাখল্লোন হোংলকপশিংদুদগী লাকখিবনি।

নেতৱার্ক অসিবু শেম্বা অমসুং তুংকোইনা থম্বদা মরী লৈনবা স্তেকহোলদর পূম্নমক্কা লোয়ননা চাং নাইনা হোৎনগনি। শেমগৎ-শাগৎলিবা মচাকশিং অমসুং ওপন প্রোতোকোলশিংবু তঙাইফদবা ওইহল্লিবা ইনফ্রাস্ত্রকচরগী তেক দিজাইন্না নেতৱার্ক অসিবু লেপ্তনা চাওখৎলকপা ঙমহনগনি।

## 6.7 দিজিতেল প্লেতফোর্ম শেম্বগী নিয়ম অমসুং পোলিসি (প্লেতফোর্ম গভর্নান্স)

এন এম আই শীজিন্নবা মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমনা আশা তৌরিবা মহৈশিংদু ফংবা ঙমহন্নবগীদমক অচৌবা মহৈ পীবা গভর্নান্সকী মথৌ তাগনি। অফবা গভর্নান্সকীদমক, মখাগী পথাপ-চৈশিং (ক্রাইতেরিয়া) অমসুং ৱাহংশিং অসি পুথোকপগী মথৌ তাগনি।

**তেবল 6.1: পথাপ-চৈশিং (ক্রাইতেরিয়া) অমসুং ৱাহংশিং**

| পথাপ-চৈশিং (ক্রাইতেরিয়া) | ৱাহংশিং |
|---|---|
| **চূশিন্নবা ঙম্বগী গুন** | • তেক্নোলোজিগী ইনফ্রাস্ত্রকচর অসি শীজিন্নরিবা মীশিংগী লমদুগী অমসুং থুন্নাই-শেন্মীৎলোনগী ফিভমশিংগা চূনবা অমদি য়ানবা ওই হায়বসি অদোম্না করম্না ওইথোকহনগদৌরিবনো?<br>• প্লেতফোর্ম ইন্তরেক্সনশিংসি কন্সত্রক্তিভ ইন্তরেক্সনশিংদা শাগৎলি হায়বসি অদোম্না করম্না ওইথোকহনগদৌরিবনো?<br>• চূনবা ফীদবেক মেকানিজমশিংসি ইনফ্রাস্ত্রকচরদু শীজিন্নরগা প্রোগ্রাম মপুশিংনা শেমগৎলি হায়বসি অদোম্না করম্না ওইথোকহনগদৌরিবনো? |
| **তুংকোইনা লৈহনবগী গুন** | • কনানা প্লেতফোর্ম, দেতানচিংবগী মপু ওইবগে?<br>• প্লেতফোর্ম অসি ফজনা শীজিন্নে অদুগা চূনবা ফীদবেক লৌই হায়বসি অদোম্না করম্না ওইথোকহনগদৌরিবনো? মসিদা ত্রেইনিং প্রোগ্রামশিং অমসুং ফীদবেক মেকানিজমশিং য়াওগনি। |
| **ইভোলভেবিলিতি** | • অদোম্না করম্না এক্তর ময়াম্না এসেতশিং (থূদম ওইনা, দেতা, সোস্ত্ৱেয়র, য়াওরিবা মচলশিংনচিংবা) দা মতেং পাংবা ঙমহনগদবগে?<br>• অদোম্না করম্না সর্ভিসশিংবু পুথোকপা অমসুং শীজিন্নবা ঙমহনগদবগে?<br>• অদোম্না করম্না প্লেতফোর্মদুবু পাকথোক-চাউথোকহনগদবগে? |

# পন্দুপ VII
# খোঙচৎ অমসুং মাংলোমদা চঙশিনবা



# পন্দুপ VII: খোঙচৎ অমসুং মাংলোমদা চঙশিনবা

## 7.1 এন এম এম গী খোঙচৎ

এন এম এম অসি মিনিস্ট্রি ওফ এজুকেসন (এম ও ই), গভর্নমেন্ত ওফ ইন্দিয়া (জি ও আই) গী ৱারেপ অমা ওইনা কুমজা 2021-22 গী য়ুনিয়ন বজেৎতা লাউথোকখিবনি। মখা তারকপদা, এম ও ই না থবক অসিবু পায়খৎনবগী থৌদাংদু এন সি তি ই দা শিন্নখি। থিজিন-হুমজিনবগী থবক কয়ামুক এন এম এম গী মোদালিতিশিংবু শেমগৎনবগীদমক পাংথোকখি। মেন্তরিংগী ক্লবুক অসিগী অহানবা থূৎইদু তোঙান-তোঙানবা স্তেকহোলদরশিংদগী মোতশিং/ফীদবেকশিং লৌনবগীদমক নভেম্বর 2021 দা এন সি তি ই গী ৱেবসাইত অমসুং MyGov portal দা ফোঙদোকখি। মদুগী মতুংদা, একাদেমিসিয়নশিং, এজুকেস্নল এদমিনিস্ত্রেতরশিং, স্কুলশিং, য়ুনিভর্সিতিশিং, তীচর এজুকেতরশিং, এস সি ই আর তি শিং, দি আই ই তি শিং, প্রিন্সিপালশিং, ওঝাশিং, এন জি ও শিং অমসুং অতোপ্পা স্তেকহোলদরশিংগা পূল্লগা ওপন হাউস দিসকসন 15 থক বতম-অপ অপ্রোচকা লোয়ননা ক্লবুক ওন মেন্তরিংবু ইননবগীদমক ইনপুতশিং/ ৱাখল্লোনশিং খোমজিন্নবগীদমক লৈবাক শিনবা থুংনা পাংথোকখি (চেনপ-IV দা পল্লিবা)।

এন সি তি ই না এন এম এম বু পাইলোত মোদতা জুলাই 29, 2022 দা লৈবাক শিনবা থুংবদা লৈরিবা সেন্তরগী স্কুল 30 (কে ভি 15, জে এন ভি 10 অমসুং সি বি এস ই 5) দা হৌদোকখি। এন এম এম গী মতাংদা নুমিৎ-2 গী ওরিএন্তেসন প্রোগ্রাম অমা স্কুল প্রিন্সিপাল অমসুং নোদেল ওফিসর 30 গা লোয়ননা পাংথোকখি। নুমিৎ-2 চুপ্পা চথবা কেপাসিতি বিলদিংগী ৱার্কশোপ অমা থনগৎলবা মেন্তর 60 য়াওনা পাংথোকখি। এন এম এম ৱেব পোর্তল (চেনপ – V দা পল্লিবা) অসি হৌদোকখি, মসিনা নৌনা পুথোকপা, থাজবা অমসুং কন্সত্রক্তিভ ফীদবেক্তা য়ুম্ফম ওইবা কান্নবা মেন্তরিংগী মীফমশিং পাংথোক্লবগী ইন্তরফেস অমা ওইনা থবক তৌই। তোঙান-তোঙানবা মোদ্যুলশিংবু মেন্তরিং ইন্তরেক্সনশিংদু নিংথিজনা কান্নবা অমসুং অফবা মওংদা মেন্তরশিংদা মতেং ওইননবা শেমগৎখি।

এন এম এম গী ক্লবুক অসি মথক্তা পনখ্রিবা ইন-হাউস কন্সলতেসনশিং, ওপন হাউস দিসকসন 15 গী মহৈ ওইনা ফংলকখিবা ফীদবেক/মোতশিং, অমসুং নমুনা ওইনা চাংয়েং পাংথোকপদগী ফংবা ইনপুতশিং, অতোপ্পা স্তেকহোলদরশিংগী থন্ন-নৈনখিবশিং অমদি আউতরিচ প্রোগ্রামশিংদগী ফংলকখিবা ইনপুতশিং পূনশিল্লবা মতুংদা অরোইবা ওইনা পুথোকখিবনি। দিজিতল প্লেতফোর্ম অমা ওইরিবা, নেস্নল সেন্তর ফোর তীচর ক্বালিতি (এন সি তি ক্যু) অসি এন এম এম বু চৎনহনবা, য়েংশিনবা অমসুং অফ-ফত্ত নৈনবদা মতেং ওইনবগীদমক এন সি তি ই দা লিংখৎখি। য়ু এম আই না এন সি তি ক্যু দগী মথৌ তৌগনি।

## 7.2 মাংলোমদা চঙশিনবা

এন এম এম হায়বসি ওঝাশিংগী শিনফমগী ওইবা থুমাং চাওশিনবা অমসুং চাওথৎপগী মমল নাইদ্রবা য়াওল অমনি। মেন্তরশিংগী থৌদাংদি মখোয়গী মেন্তীশিংদা লমজিং-লমতাকপা, ঙাক্লৌ পীবা অমসুং থঙ-হৈবগী লৌশিং পীবনি। মসি লৌশিং শরুক য়ামিন্নবা, পূন্না থবক তৌমিন্নবা অমসুং মমি তাহনবগী প্লেতফোর্ম অমনি। এন এম এম বু চৎনহন্নবগী থৌরাংদু মথাগী অসুপ্পা ৱাখল্লোন শাগৎখিঃ

**মেন্তীশিংগীদমক মেন্তরিং সোলুশন শেম্বা/ পূনশিনবাঃ**

- মেন্তরিংদা মতেং ওইগদবা প্রোগ্রাম রিসোর্সশিং/ তেংবাঙ মচাকশিং, SoP নচিংবশিং শেম-শাবা

**এন এম এম প্রোগ্রাম রোল-আউত**

- মেন্তর 1000 গী কাঙলূপ অমা শেম্বা
- মেন্তরশিংগীদমক মেন্তরিং রিসোর্সশিং শেম্বা/হন্দোকপা
- কে আর পি শিং/মেন্তরশিংগী তৌবা ঙম্বগী মতীক শাগৎপা
- মেন্তরশিংবু শেল-নত্তবা মখলগী পূক্লিং থৌগৎনবা তৌবসি নেস্নল এৱার্দশিং/ সর্তিফিকেতশিং পীদুনা /মসিগা এন পি এস তি গা শন্নদুনা তৌগনি।

**এন সি তি ই না থিজিন-হুমজিনবা অমসুং রিভিয়ু তৌবা**

- প্রোগ্রামদুবু লেপ্তনা অফ-ফত্ত য়েংশিনবা
- মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিংদগী লাকপা ফীদবেক

**লাইয়েক 7.1: মাংলোমদা চঙশিনবা**

## মরী লৈননা পল্লিবশিং (রিফরেন্সশিং)

Hansman, C. A. (Ed.). (2002). Critical perspectives on mentoring: Trends and issues. ERIC Clearinghouse on Adult, Career, and Vocational Education, Center on Education and Training for Employment, College of Education, the Ohio State University.

Knowles, M. S. (1980). The modern practice of adult education: From pedagogy to andragogy. Englewood Cliffs, NJ: Cambridge Adult Education.

Kukreja, S., Arora, R., Mahajan, R., & Singh, T. (2020). Mentorship Program: Modern Outlook of Traditional Knowledge. International Journal of Applied and Basic Medical Research, 10(2), 65–67.

https://doi.org/10.4103/ijabmr.IJABMR_109_20

Ministry of Human Resource Development. (2020, July 29). National Education Policy 2020. www.Education.Gov.In; Government of India.

https://www.education.gov.in/sites/upload_files/mhrd/files/NEP_Final_English_0.pdf#pa ge =29&zoom=100,97,630

National Institute of Technical Teachers Training and Research. (2020, September). Making Mentoring Relevant: NEP 2020 PERSPECTIVE. NITTTR (nitttrc.ac.in); National Institute of Technical Teachers Training and Research. Retrieved from ReportonMakingMentoring.pdf (nitttrchd.ac.in)

National University of Educational Planning and Administration (NUEPA) New Delhi, Teachers in the Education System, How We Manage the Teacher Workforce in India. (2016). http://www.niepa.ac.in/download/Research/Teachers_in_the_Indian_Education_S ystem.pdf

National University Of Educational Planning And Administration (NUEPA) (2014) School Leadership Development National Program Design and Curriculum Framework. National University of Educational Planning and Administration (NUEPA). https://www.education.gov.in/en/sites/upload_files/mhrd/files/upload_document/SLDP_ Framework_NCSL_NUEPA.pdf

Parsloe, E., & Leedham, M. (2009). Coaching and mentoring: Practical conversations to improve learning. Kogan Page Publishers. Retrieved from https://rb.gy/9e732

Soka Gakkai. (2020). The Oneness of Mentor and Disciple. Soka Gakkai (Global).

https://www.sokaglobal.org/resources/study-materials/buddhist-concepts/the-oneness-of-mentor-and- disciple.

html#:~:text=In%20Buddhism%2C%20which%20is%20concerned,to%20free %20them%20from%20suffering

Together Platform. “Mentor Handbook.” Together Platform, https://www.togetherplatform.com/handbook/mentor. Accessed 16 Aug. 2021.

# চেনপশিং

**I. মেন্তর থনবগী স্ত্রকচরেল দিজাইনঃ**

মেন্তর থনবগী থৌওংগী অয়াবা পীরক্লবা দিজাইন

**II. মেন্তরগী থৌদাংশিং অমসুং লৌগদবা দায়িত্বশিংঃ**

মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমগীদমক মেন্তর অমগী থৌদাংশিং অমসুং লৌগদবা দায়িত্বশিংগী মমিং পরেং অমা শেম্বা মতমদা থন্নবা সেম্পল তূল অমা।

**III. এন এম এম গী ওপন হাউস দিসকসন 15**

**IV. এন এম এমগী ৱেব পোর্তল**

*চেনপ - ।*
*মেন্তর থন্নবগী স্ত্রকচরেল দিজাইন*

*মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমগী*

## মেন্তর থনবা

**দিজাইন তৌবাঃ**


প্রোগ্রাম দিজাইনর


প্রোগ্রাম মেনেজর

**পান্দমঃ** মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমগী মেন্তরশিং থন্নবগীদমক স্ক্রীনিং প্রোসেস অমা শেম্বা অমসুং পাংথোকপা।

মেন্তরশিং অমসুং মেন্তীশিং অনীমক্না মরীদুদগী থ্বাইদগী হেন্না কান্নবা মহৈদু লোক্লনবগীদমক ফিদম্লিঙাই ওইরবা মেন্তর অমদা চেনগদবা শাগোন্নরক্লবা গুন থরা লৈ।

### মেন্তরশিংগী শাগোন্নরক্লবা গুনশিং


তোঙান-তোঙানবা মথলশিংগী লৌশিং


কান্নবা মওংদা পাউ ফাওনবা


অতোপ্পশিংগী পূক্নিং ইহুলবু খঙবা


থেংনে-উরকপদগী খঙলকপা


শেমদোক-শেমজিন য়াবা


অনৌবা ইথিল পোকহনবা


লুচিংবা ওইবগী হৈ-শিংবশিং


য়াম্না খঙ-হৈবা


মমি তাহনবা


ক্রিতিকল থিঙ্কিং


ক্রিএতিভিতি

আশা তৌনিঙাই ওইরিবা মেন্তরশিংবু স্ক্রীনিং প্রোসেস অমা শীজিন্নরগা শাগোন্নরক্লবা গুনশিংগীদমক চাংয়েং তৌগদবনি। স্ক্রীনিং প্রোসেস অদু প্রোগ্রাম অদু পাংথোকপগী মথৌ তারিবা ৱাদু পূক্নিংদা চেৎনা থম্লদুনা শেমগদবনি। ফংলিবা রিসোর্সশিং অমসুং দরখাস্ত থারক্লিবা মীশিংগী মশীং য়াম্বগী মথা পোন্না, থনবগী থৌওং অসিদা তেক্নোলোজিনা মতেং পাংলিবা দেতা খোমজিনবগী পাম্বৈশিং অমসুং ইন-পর্সন একতিভিতিশিং অমদি ইন্তরভিয়ুশিংগী অপূনবা অমগী তঙাইফদবা লাকপা য়াই।

*মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমগী*

## মেন্তর থনবা

### দরখাস্ত ফোর্ম



অহানবগী ওইনা দরখাস্ত ফোর্ম অমবু দেমোগ্রাফিকশিং, হান্নদগী লৈরক্লবা থেংন-উরকপদগী খঙলকপশিং, খঙ-হৈরে হায়বগী থূদম-চাংদমশিংনচিংবা ঈ-পাউ থোমজিন্নবগীদমক শীজিন্নগদবনি। দরখাস্ত ফোর্ম অদুদা ওনলাইন লর্নিং সেতিংদা শীংনরক্লিবশিংবু কোকহন্নবগীদমক মেন্তরশিংগী থৌরাং/তৌবা ঙম্বগী মতীক্তু খঙদোক্লবগীদমক কেস স্তদিসু হাপ্পা য়াই। ফোর্ম অসিনা দরখাস্ত থারক্লিবশিং (মশীং য়াম্না তৌবা প্রোগ্রামশিং; রিসোর্সশিং য়ামদনা ফংবা) অদুবু খঙদোক্লবগীদমক্তা শীজিন্নবা তূলদুখক ওইবা য়াই নৎত্রগা ইন্তরভিয়ু অমা (মশীং য়ামদনা তৌবা প্রোগ্রামশিং; রিসোর্স য়াম্না ফংবা)গা পূনশিল্লগা শীজিন্নবা য়াই।

### ইন্তরেক্সন/ইন্তরভিয়ু



ইন্তরভিয়ু অমনা দরখাস্ত থারক্লিবা মীদুগী লন্নাইগী ওইবা ফিভমশিং হেন্না খঙবদা অমসুং দরখাস্ত ফোর্ম অমদা চাংয়েং তৌবনা খঙবদা ৱানা থোকপা হৈ-শিংবা থরবু নৈনবদা মতেং পাংবা য়াই। মসিদা থৱায় য়াওগনবা, লাকশিনগনবা, এনালিতিকল রিজনিংনচিংবা দরখাস্ত থারক্লিবা মীদুগী ইথিল পীনবগী গুনশিংবু খঙবা ঙমগদবা ৱাহংশিং য়াওবা য়াই।

ওনলাইন ফোর্মশিং, মরী লৈনবা দেতাবেজ মেনেজমন্ত সিস্তমশিং, ভিদিও কনফরেন্সিং তূল অসিনচিংবা তূলশিংসি এপ্লিকেসনশিং অদুবু নৈননবা অমসুং খঙদোক্লবা শীজিন্নবা য়াই।

*মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমগী*

# মেন্তর থনবা

### দেমোগ্রাফিকশিং

- মিং
- পাউ ফাওনফম (ফোন/লৈফম/ইমেইল)
- লোল খঙ-হৈবগী চাং
- এফিলিএত তৌরিবা ইন্সতিতুস্যন (মমিং, সহর, স্তেত, লৈবাক)

### থেংনৈ-উরকপদগী খঙলকপা

- হৌজিক্কী থৌদাং/দেজিগনেসন
- লমদুদা থবক তৌরকপগী থেংনৈ-উরকপদগী খঙলকপা
- হৌজিক্কী থৌদাংদুদা থবক তৌরকপগী থেংনৈ-উরকপদগী খঙলকপা

### লৌশিং লৈবা অমসুং য়াম্না খঙ-হৈবা

- য়াম্না খঙলে হায়বদু য়েংননবা চাংয়েং তৌনবগীদমক মেন্তরিং প্রোগ্রামগী য়াওরিবা মচাকশিংদা যুক্ষম ওইবা ক্বেসন্নেয়র
- তাকপীবা নৎত্রগা তম্বগী মতেংনা – মেন্তরিং প্রোগ্রামগী মচাকশিংগা লোয়নরকপগী হৌখ্রবা থেংনৈ-উরকপদগী খঙলকপশিংগী থূদম-চাংদম
- লমদুদা মরী লৈননা ফংলকপা মনাশিং, ইকাইখুম্নবশিং, মায় পাক্না পাংথোকখিবশিং

### থৱায় য়াওবা অমসুং ৱাখল মুন্না থনবগী মতৌ

মেন্তরিং প্রোগ্রামগী মতেংনা কোকহনগদবা মরী লৈনবা সমস্যাশিংবু ফোঙদোক্লিবা কেস স্তদিশিং।

মথা তানা থিজিন্নবগী ৱাহংশিংদু মলতিপল চোইস নৎত্রগা সবজেক্তিভ ওইবা য়াই, মদু দরখাস্ত ফোর্ম অমদা নৎত্রগা মশামক্তা হংলগা মথাদা পীরিবা তৌবা ঙম্বগী মতীক মখোয়গী লৈবদু খঙদোক্লবগীনিঃ

- শীংনরক্লিবশিংবু মশক খঙবা
- চূনবা ঙাক্লৌ পুথোকপা
- মোতশিং অমসুং ফীদবেকশিং য়াথোকপা
- সমস্যাশিংবু কোকহনবা
- তোঙান-তোঙানবা লীদরশিপ স্তাইলশিংবু খঙবা
- য়ানদবা অমসুং মখৌ তৌদববু শেন্নবা অমসুং
- পাউখুমশিং খঙদববু শেন্নবা।

### তুংদা লাক্কদবা থৌদোকশিংগী থৌরাং তৌবা

মখোয়না মেন্তর অমা ওইবা পাম্লিবা করিগীনো হায়বগী মতাংদা ফজনা খুন্নবগী এসে/ইন্তরভিয়ুগী ৱাহংশিং:

- মখোয়না প্রোগ্রামদুদা দরখাস্ত থারকপগী মরম করিনো?
- মখোয়না প্রোগ্রামদুদা করি থোকহনগদৌরিবনো?
- মতৌ করম্না মখোয়না প্রোগ্রামদুদগী কান্নবা ফংগদৌরিবনো?
- প্রোগ্রামদুদগী এজুকেসন সিস্তম্না কান্নবা ফংগনি হায়বসি মখোয়না করম্না খনবগে?

### ইথিল পোকহনবা অমসুং মতেং পাংবা

মতৌ করম্না মখোয়না মখোয়গী কাঙবুবু লেপ্তনা তম্বা অমসুং ফগৎহনবরোমদা ইথিল পীগদবগে হায়বগী মতাংদা ফজনা ফোঙদোক্লবগীদমক হংলিবা ভিদিও প্রোম্পত/ ইন্তরভিয়ু ক্বেসনশিং। দরখাস্ত থারক্লিবা মীদুগী মথাদা পীরিবা তৌবা ঙম্বগী মতীকশিংদু খঙনবগীদমক পাউখুমদু চাং য়েংবাঃ

- ময়েক শেংনা ঙাংবা
- হকচাংগী ঈঙ্গিৎ-ইরাংবু চূনবা মওংদা শীজিন্নবা
- ৱাহংদুগী পাউখুম পীরিবা মতীক চারবা শন্দোক-ৱারোল
- রিফ্লেক্তিভ থিঙ্কিংবু উৎপা
- ৱা ঙাংবদা শক্তি লৈবা
- ৱারী লীবগী ইথিল পোকহনবা

## চেপ্টর - II
## মেন্তরশিংগী থৌদাংশিং অমসুং লৌগদবা দায়িত্বশিং

*মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমগীদমক*

### মেন্তরগী থৌদাংশিং অমসুং লৌগদবা দায়িত্বশিং


**পান্দমঃ** মায়পাক্লবা মেন্তরিং মরী অমা পুরক্লবগীরোমদা মেন্তর অমগী লৈরিবা থৌদাংশিং অমসুং লৌগদবা দায়িত্বশিংবু মশক খঙবা


**থৌদাং**

মেন্তরশিংনা মেন্টীশিংগা য়ানখিবা অথন্নবা পন্থুংশিং অমসুং পান্দমশিংগী মথা পোন্না মেন্টীদা লমজিং-লমতাকপা, পাউতাক পীবা, ফীদবেক অমসুং ঙাক্লৌ পীবগী থবক তৌই।

**লৌগদবা দায়িত্বশিং**



থৌরাং তৌবা



ঙাক্লৌ পীবা


চাওখৎপা

- মেন্তরিংগীদমক য়ানখিবা মতমদু লোইদ্রিফাওবা মেন্টী(শিং)গা চাং নাইনা উন্নবা অমসুং মরী শাগৎননবা অয়াবা পীবা
- অরোন-অথুপশিংবু ঙাকপগা লোয়ননা মেন্টীশিং অমসুং মেন্তরশিংগী ঙমখৈশিংবু ইকাইখুম্নরিবা শাফবা অমসুং ঙাক্লৌ পীবা মফম অমা শেমদুনা মেন্টী(শিং)গা থাজনিঙাই ওইবা মরী অমা শেমগৎপা
- মেন্টীনা মখোয়গী থুমাং চাওশিন্নবা, চাওখৎনবা অমসুং করিয়র প্লানিংগী থৌদাং লৌরিবা, মেন্টীনা পুদুনা চৎলিবা মরী অমগী মফম শেমগৎপা
- মেন্টী(শিং) অমসুং মেন্তরিং এক্তিভিতিশিংগী সুপরভাইজর(শিং)গী মরক্তা ময়েক শেংনা পাউ ফাওনবা


থৌরাং তৌবা


ঙাক্লৌ পীবা


চাওখৎপা

- মেন্টীগা লোয়ননা, মরীদুগীদমক মেন্টীগী ময়েক শেংলবা পন্থুংশিং অমসুং পান্দমশিং শেমগৎপা অমসুং মীৎয়েংদুদা য়ূম্ফম ওইরগা এক্সন প্লান অমরোমদা মখোয়বু লমজিংবা
- মখোয় মশাগী খোঙচৎতা মমি তাহঞ্জবা অমসুং খঙজ-হৈজবদু অতোপ্পদা তাকখোক্লবা মখোয়গী মেন্টী(শিং)গী মরী লৈনবা থূদমশিংদু ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা


*মেন্তরিং প্রোগ্রাম অমগীদমক*

## মেন্তরগী থৌদাংশিং অমসুং লৌগদবা দায়িত্বশিং


- অয়েৎ-অপনদুগী মরমদা পূক্লিং চঙনা ৱারী শান্নববু থৌগৎলদুনা মেন্তীশিংগী কাঙলূপশিংগী পাংথোকপা মেন্তরিংগী মীফমশিংবু কান্নবা মওংদা মতেং পাংবা
- মথোয়গী তোঙান-তোঙানবা মেন্তীশিংগী পর্স্পেক্তিভশিং লৈরিবা থেন্নবশিংদুবু থঙবা অমসুং ইকাইখুম্নবা
- মেন্তীগা মোত খেন্নবশিংদা থন্ন-নৈননবা থঙহল্লদুনা, নুংশি-চানবা মওংশিংদা য়ানদবশিংদু মশক থঙদোকপা অমসুং থবক তৌবা
- অয়েৎ-অপন মথোয়না থঙলিবদু ময়েক শেংহন্নবগীদমক খিজিন-হুমজিনবগী ৱাহংশিং (অথিংবা লৈতনা "করম্না" অমসুং "করিগী" হায়বা ৱাহংশিং) হংবা
- মেন্তীনা হায়বদু থৱায় য়াওনা তাবা অমসুং থৱায় য়াওনা তারি হায়বদু মেন্তী মশাদা ফাওহনবা
- মেন্তীদা থোইদোক্লা অকায়বা পীদবা শীংনরক্লিবশিংদু পল্লদুনা মেন্তীশিংবু চাওথৎপরোমদা পুশিনবা অমসুং হৌজিক লৈরিবা ৱাথোকশিং কোকহন্নবা তৌবগা লোয়ন-লোয়ননা তুংলমচৎতা থোরক্তনবা লাল্লোংশিং শেমগৎনবগীদমক মথোয়দা শক্তি পীবা
- মেন্তীশিংগী তঙাইফদবশিংদুগী মথা পোন্না তোঙান-তোঙানবা ঙাক্লৌ পীবা
- পুকচেল শেংবা, লৌথুপ-লৌকোই লৈতবা, অফবা অমসুং চাওথৎনিঙাই ওইবা ফীদবেক পীবা
- শিনফমগী ওইবা চাওথৎনবা থবকশিং থঙদোকপা, চূনবা রিসোর্সশিং অমসুং মখৌ তারকপগী মতুংইন্না অতোপ্পা মেন্তরশিংগা শম্নবা অমসুং নেতৱার্কিং তৌবা
- মথোয়গা লোয়ননা শেমখিবা এক্সন প্লানলোমদা মেন্তী(শিং)বু থম্বা অমসুং চাং নাইনা এক্সন প্লান্দুবু শেমদোক-শাদোকপা



থৌৱাং তৌবা



ঙাক্লৌ পীবা



চাওথৎপা

- মথোয়গী থবক অমসুং মথোয়গী মেন্তরিং থৌদাংশিংগী মরক্তা মতমবু কায়হন্দনা থম্বা
- ত্রেইনিং, ফীদবেক সাইকলনচিংবশিংগী মতেংনা মেন্তরিংগী হৈ-শিংবশিংবু শেমগৎনবা অমসুং ফগৎহন্নবা শিনফমগী চাওথৎপদা শরুক য়াবা

*চেনপ - III*

## এন এম এম গী ওপন হাউস দিসকসন 15


### এন এম এম গী মরমদা তৌবা ওপন হাউস দিসকসনগী  মমিং পরেং

| মথং-মনাও | ইন্সতিত্যুসন/য়ুনিভর্সিতি মমিং | থন্না-নৈনবগী মওং | তাং | শরুক য়াখিবা স্তেত/য়ু টি শিং |
|---|---|---|---|---|
| 1. | কতন য়ুনিভর্সিতি গুৱাহাতি, অসাম | হকথেংনবা | 16.11.2021 | অসাম, ৱেস্ত বেঙ্গল, অরুনাচল প্রদেশ |
| 2. | এস সি ই আর তি গংতোক, সিক্কিম | য়ানশিন্নবা | 10.12.2021 | সিক্কিম, মিজোরাম |
| 3. | এস সি ই আর তি জম্মু অমসুং কাশ্মির | য়ানশিন্নবা | 13.12.2021 | জম্মু অমসুং কাশ্মির অমসুং লদাখ |
| 4. | এস সি ই আর তি পতনা, বিহার | য়ানশিন্নবা | 15.12.2021 | বিহার, ঝরখন্দ |
| 5. | য়ুনিভর্সিতি ওফ দিল্লি | হকথেংনবা | 16.12.2021 | দিল্লি, হরিয়ানা |
| 6. | বানাস্থালি ভিদ্যাপিথ, রাজস্থান | য়ানশিন্নবা | 17.12.2021 | রাজস্থান |
| 7. | ওস্মানিয়া য়ুনিভর্সিতি, হায়দরাবাদ | য়ানশিন্নবা | 18.12.2021 | তেলঙ্গানা, আন্ধ্র প্রদেশ |
| 8. | এস সি ই আর তি পুনে, মহারাস্ত্র | য়ানশিন্নবা | 28.12.2021 | মহারাস্ত্র, গোৱা |
| 9. | ইন্দিয়ন ইন্সতিত্যুত ওফ তীচর এজুকেসন, গান্ধিনগর, গুজরাত | হকথেংনবা | 30.12.2021 | গুজরাত |
| 10. | বনারস হিন্দু য়ুনিভর্সিতি, ভরানসি, উত্তর প্রদেশ | য়ানশিন্নবা | 12.01.2022 | উত্তর প্রদেশ |
| 11. | এস সি ই আর তি ভোপাল, মধ্য প্রদেশ | য়ানশিন্নবা | 17.01.2022 | মধ্য প্রদেশ |
| 12. | এস সি ই আর তি হিমাচল প্রদেশ | য়ানশিন্নবা | 20.01.2022 | হিমাচল প্রদেশ |
| 13. | এস সি ই আর তি পঞ্জাব | য়ানশিন্নবা | 24.01.2022 | পঞ্জাব |
| 14. | সেন্ত্রল য়ুনিভর্সিতি ওফ হরিয়ানা | য়ানশিন্নবা | 04.03.2022 | হরিয়ানা অমসুং চান্দিগর |
| 15. | দাইরেক্তোরেৎ ওফ স্কুল এজুকেসন, পুদুচেরি | হকথেংনবা | 07.03.2022 | পুদুচেরি |

*চেনপ – IV*
*এন এম এম গী ৱেব পোর্তল*

## এন এম এম গী ৱেব পোর্তল মেন্তরগী

1. লোগইন



## 2. ঐগী প্রোফাইল



| | |
|---|---|
| Registration No. | MTR000064 |
| Full Name | Sangita Pradhan |
| Email | sangita********@gmail.com |
| Contact Number | 954******* |
| Gender | Female |
| Address | Ganganagar, Rajasthan |
| **Languages** | **English** |
| **Role** | **Teacher (Primary)** |
| **Area of Mentoring** | **Instructional Leadership Skills - Social Science** |
| **Professional Experience (in years)** | **15+** |

**Language(s) Known**

| Sr. No. | Language | Speak | Read | Write |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Hindi | ☑ | ☑ | ☑ |
| 2. | Marathi | ☑ | ☑ | ☑ |
| 3. | English | ☑ | ☑ | ☑ |

**About Yourself**

Credited with extensive experience and professionalism having numerous key responsibilities in the field of education. Around 20 years of experience as an art educator. Always been passionate about teaching, focussed on vigorous planning & implementation at both State and National levels in various capacities. More..

**Current Work Status**

Working

**Name of the organisation/school**
(If retired, please mention the name of the school/organisation last worked at)

**Kendriya Vidyalaya, Ganganagar**


Click Here to Update your Profile

## এন এম এম গী ৱেব পোর্তল মেন্টীগী

1. মেন্টী রেজিস্ট্রেশন



## 2. মেন্তী প্রোফাইল



# Mentee Profile

**Basic Information** | **Language Proficiency** | **Mentoring Required For**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Registration No. | 4 | | |
| First Name* | Somit | Last Name | Mishra |
| Gender* | Male | Email ID* | ncte.mentee@gmail.com |
| Mobile Number * | 888888888 | State* | ASSAM |
| District / City* | GUWAHATI | Pin Code* | 781022 |
| Organisation Type* | Central Board of Secondary Education ( CBSE ) | Name of the School/Institutions* | Kendriya Vidyalaya, Khanapar |
| Your Experience in years* | 6-8 | | |
| Language* | English x Dogri x + Add | | |
| Stage* | Primary x Select | | |
| Role* | Teacher (Primary) x Teacher (Upper Primary) x Teacher (Secondary) x + Add | | |

Update

## 3. মেন্তরশিংগী ফীদবেক

Somit Mishra

### Feedback for Mentor: Sangeeta Pradhan (Instructional Leadership Skills-Social Science)

On a Scale of I to V, V being the highest

| Sr. No. | Questions | V | VI | III | II | I |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | How effective was the mentor in providing guidance and support during your interactions? | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 2. | How much did the mentor challenge you to think critically and independently? | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 3. | How effective was the mentor in providing guidance and support during your interactions? | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 4. | To what extent was the mentor able to create a comfortable and safe environment for open communication and learning? | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 5. | Refrain from encouraging mentees to ask questions during the discussion | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |

**Other Remarks (If any)**

It was an insightful learning experience. The mentor was supportive throughout the session.

राष्ट्रीय अध्यापक शिक्षा परिषद्
( भारत सरकार का एक सांविधिक निकाय )

National Council for Teacher Education
(A Statutory Body of the Government of India)

By e-mail / Hand / Speed Post / Fax

File No. NCTE-Acad013/3/2021-Academic Section-HQ 20th September 2021

**OFFICE ORDER**

In supersession to office order of even number dated 31st August 2021, a Committee is constituted to work out the modalities for the creation of a national document and an online platform for Mentoring in Teacher Education at National Council for Teacher Education (NCTE) under National Mission for Mentoring. The details of the committee are given below:

| S. No. | Name and Organization | Designation |
|---|---|---|
| 1. | **Prof. S.C. Roy,**<br>North Eastern Regional Institute of Education, Shillong | Chairperson |
| 2. | **Dr. Ashok Pandey,**<br>Director, Ahlcon International School, Mayur Vihar Phase 1 Delhi | Member |
| 3. | **Prof. Sharad Sinha,**<br>NCERT | Member |
| 4. | **Ms. Kalpana Kapoor**<br>Educationist, Mentor and Leadership Coach | Member |
| 5. | **Shri Sushant Tharappan**<br>Head, Infosys Leadership Institute | Member |
| 6. | **Shri Jagdish Babu,**<br>Chief Operating Officer, Ekstep Foundation. | Member |
| 7. | **Shri Sanjay Purohit,**<br>Chief Curator, Societal Platform | Member |
| 8. | **Dr. Amina Charania,**<br>Associate Professor,<br>Tata Institute of Social Sciences, Mumbai | Member |
| 9. | **Ms. Khushboo Awasthi**<br>Chief Operating Officer, ShikshaLokam. | Member |
| 10. | **Shri Sushil Bhardwaj**<br>State co-ordinator, Punjab | Member |
| 11. | **Shri Abhimanyu Yadav,**<br>Section Officer, National Council of Teacher Education, New Delhi | Convener |

Cont. 2/-

जी-7, सेक्टर-10, द्वारका, नई दिल्ली -110075
G-7, Sector-10, Dwarka, New Delhi - 110075
Phone : +91-11-20893266, Fax : +91-11-20893270 Email : ms@ncte-india.org
Website : www.ncte.gov.in

| | | |
|---|---|---|
| 12. | **Ms. Monika Mishra**<br>Academic Consultant, NCTE | Co-convener |
| 13. | **Ms. Shailla Draboo**<br>Academic Consultant, NCTE | Co-convener |

**2. The Terms of Reference (ToR):**

i. Various sub-committees may be formed from among these members by the chairperson of the committee as per need.

ii. Identification of the focus areas and structured planning for mentoring including formulation of programmatic norms for the effective implementation of the mission as per the directive of NEP 2020.

iii. Formulation of norms for cross linking of experts from school to college.

iv. Review of data and membership received through digital consultation /institutional consultation.

v. Development of the manual on National Mission on Mentoring (NMM) containing guidelines for the prospective mentors and mentees which may be adapted/ adopted by the states /UTs in their own chapters of State Mentoring Mission.

vi. Setting up of Data Strategy Center for the NMM, at the national and regional levels in the headquarters of the National Council for Teachers Education (NCTE).

vii. Preparation of the short term and long-term mentoring manual on Indian languages and subjects specifically for underrepresented population targets groups etc.

viii. Formulation of guidelines for tapping up the potential of senior experienced and retired teachers and also include experts drawn from different sections of societies including professionals from different sectors such as engineering, medical, subject expert teachers, defense personnel, craft persons, trade persons music and dance practitioners etc.

ix. Developing and designing of platform for mentoring including matching of mentor and mentees, agreement and certainty matrix.

x. Chalking out the strategies for reaching out to the target audience of NMM, monitoring and their communication process.

xi. The detailed plan of Action on pilot run of NMM and development of the framework for the national level pool of mentors and mentees.

xii. The Chairperson of the Committee may co-opt other experts to the committee as per need.

2. The committee is expected to submit the complete report along with a plan of Action within a period of 3 months from 31st August 2021.

Cont. 3/-

-3-

3. The NCTE shall provide secretarial assistance for holding of virtual and face to face meetings of the committee and arrangements for payments of TA /DA /Sitting charges as per NCTE norms.

This has the approval of the competent authority.

(Kesang Y. Sherpa, IRS)
Member Secretary, NCTE

**Copy to:**

1. PS/SO to CP/MS for information please.
2. Deputy Secretary /Under Secretary GA/Academics/Accounts, NCTE
3. Copy to all members etc.
4. Guard /Office file.

## পেরা 15.11, এন ই পি 2020

জাতিগী মেন্তরিং মিসন (নেস্নল মিসন ফোর মেন্তরিং) অমা স্কুলগী ওঝাশিংগীদমক অতেনবা অমসুং অশাংবা মতমগী ওইনা মেন্তরিংগী/ শিনফমগী ওইবা ঙাক্লৌ পীনিংগদবা শক্লাইরবা অখণ্ড-অহৈ ময়াম অমা য়াওরগা হৌদোক্কনি।


Language consultancy and translation facilitated by

**National Translation Mission**

**Central Institute of Indian Languages, Mysore**


गुरूर्गुरूतमो धाम

NCTE

## নেস্নল কাউন্সিল ফোর তীচর এজুকেসন

(ভারত সরকারগী স্তেতুতোরি বোদি অমা)

**National Council for Teacher Education**

(A Statutory Body of Government of India)